# যুগ অহুমগি মঙ

জি. সি. তোংব্রা

# যুগ অহুমগি মঙ

১। চাংয়েং মাঙ্গ

২। থাজবন_লান্নৈ

জি, সি, তোংব্রা

[illegible] :—গনেশ প্রিন্টি, পাওনা বজার

অফোংবঃ
মোইরাংথেম কুলজিৎ সিংহ
সেক্রেটরি সোসাইটি থিয়েটর মনিপুর।

কপি মশীং : ১০০০
চহি: ১৯৮৪ এপ্রিল
মমল লু: ১২/-

ঙংফম থোকপ পুম্ব অইবগীনি।

# ৱামাং খৰ

"যুগ অহুমগী মঙ" হায়বসি সরকারন চে খর হোঙন লৈহনবা, শেনগী মতেংশু খর পীবিবদে ফোংবদ খুদোং চারিবনি।

মসিদ য়াওরিব লীলাসি অনীনি :

১। চাংয়েং মাঞ্জ,  ২। থাজবম লাম্নে!

হান্ন ইথিব লীলাশিংগ মীংয়েং মান্নদব মঙলান খর য়াওরি। কনাগুম্বনদি মীংয়েং মান্নদবগি শাওবিব য়াই লীলাশিংস পাবিরগ নত্রগ উবিরগ। সাহিত্যগি পোংনি শাওবিনব মরমদি লৈবিরোই নীংজৈ। মবমদি কলা অমদি সাহিত্যবু Morality ন দারোগা ওইন ঙাকফম থোক্কে।

জি, সি, তোংব্রা

## লীলা য়াওখিব মীকোক

"চাংয়েং মাঙ্"


| | | |
|---|---|---|
| ১। | লাকপ | ঙাথেম ইবুংঙোহল |
| ২। | ভুম্বাকোক | শ্যামানন্দ শর্ম্মা, পিশক |
| ৩। | কাওমচা | থিয়াম সান্থী |
| ৪। | থোব (কর্ণ) | এস, ইনাওবী |
| ৫। | কৈজাও | শ্যামো, কুলজিৎ |
| ৬। | হনুমান | এস, ব্রজমনি, য়েবত |
| ৭। | খুমু শর্ম্মা | রনবীর মঙাং, গৌরকিশ্বর |
| ৮। | লাকপী | কুমারী তম্ফাসনা, কু: বিমোলা |
| ৯। | লীলাবতী | কু: স্বর্ণলতা |
| ১০। | চৈত্রা | কু: কে, রানী |
| ১১। | এম ডি কুঃরসি | মৈপাক, কুলজিৎ |

"থাঙ্জবন লাইন্নে"

| | | |
|---|---|---|
| ১। | ঙারুংব | ঙাথেম ইবুংঙোহল |
| ২। | শারুংব | থিয়াম শান্থী |
| ৩। | ঙ'রুংবী | কু: মুক্তাবলী |
| ৪। | ঙামেমা | কু: রাধারানী |
| ৫। | মিস নেমলেস | কু: স্বর্ণলতা |
| ৬। | ঙা: হিন্দ | শ্যামো থোকচোম |
| ৭। | মি: বেঙ | রনবীর মঙাং |
| ৮। | হোটেল বোই | এস, ব্রজমনী |
| ৯। | ইধর-উধর | কুলজিৎ, মৈপাক |
| ১০। | যম দূত | শ্যামানন্দ শর্ম্মা |

# চাংয়েং-মাঙ্গ

মুমিদাংবাইনি, লাকপা মাঙ্গোল্লা




(a) দা লাকপা ফম্লি, য়েংহংবা পাম্নাম লোইবি তুম্বাকোক (c) দা লেপ্পা মমা লাকপী শমজেং হুনলি। (b) দা থম মেজিন অম পারি লৈনা। মনাক্ত বেদমিণ্টন রেকেট অম লৈ। মমা মচা কেন শেং-লিংলি, লাকপগী মমাই কেঙ্গ য় অম পাইদুনা থাবগী তৈংথাক্কে। তুম্বাকোক্ন খজাই অনি অমাদি খদাংদা পান্দুনা তৈরম্বগী খুবোমুক পক্ক মফম লৈ, লাইবক্ত সিন্দুর থম্মি ঙাক্লা। লাকপন ফেজেম কুক্তা তুংদ য়েপ, সার্ট লিংলগ নেকটাই অচাংবা পুল্লি। D দা ফিরান।

(ফম্নাক্ত মৈ হেক ঙানবদ লাঙবা তায়—)

লাকপা : অয়োনহৈ ! (শাওরগ মখুং নান লেপ্পি)

তুম্বাকোক : হা — হা হা — (কিহুন হন্দোক খিগংলি)

(মমা মচা ঙক্তুনা য়েংই, ফ্রৌজদা লৈ ঙহাক)

লাকপা : ঙাওরর্‌রা নঙবো তুম্বা কোক? খং তেক্রবদি কমদোনি
অহুক কন্ন থেকপ্রাও ? কবিগীনো?
তুম্বা : খিংতং কনখব ! শোরা !
লাকপা : কবি নুংঙাইবা লৈহ্না খুং থুদেক্রে তোরিশনো?
হা? নত্তেমশি জন চহি খর নৌথরবা নপুক য়েকপ্র ও?
তুম্বা : নঙেদা তাঙাং— কদায়দৈ—।
লাকপা : অহুদি করিগিনো — হকচাং নুংঙইনব নোইব
নঙন খুং থুদেক্রগ নোকইবনো? করিগিবো অশেংব
হায়দ্রবদি ইমানী মতুং মনাও তিন্নব য়াদ্রে। মমা,
ঐগি পে কলাওবিহু পুথোবকউ।
তুম্বা: ঐবু কদায়দৈ— শোইখিবনো — খঙহৌদ্রেনে— ! (ঙকই)
লাকপা : মাবু রাহন-নাহল্লগ নুংঙাইব নোক্লি বজাংত ওইরিদ্রা
—মখোয় পাবুং পোকলাওবিমক্তি হাকমান্ন।
লাকপা: হায়ব য়ারোই মরম অশেংব পীযূ মইব ?
তুম্বা : চপচাবা অশেংবমক্তি খঙজহৌদে তাঙাং, ওইবস্ব য়াদি
ঐখোয় ইবেম্মা লীলাবতীন বেদমিংটন শন্নরুগে হায়ন
লমজাউদ চংপহু পাখঙ অঙাওবনা উরদি লকুরক্কনি,
মতু ঐন উংবদি মখুং থুদেক্কনি খল্লুব তায়—কাওহ্ন।
লাকপা : ঐবু পাগঙ।
লীলা : কাকা তুম্বাকোক, লমজাউদ চংপ পাখঙ অঙাওবদ
খাম্মুনু। নীংবা থুংদব কয়াগি লমন নঙোন্দা খুমজ-
রক্কনি। ঐখোয়গুম্বগিদি হায়ব—: লমজাউদ পোংঙ

চংলিবসে থাগৎলক্কব অশুগ লক্করক্কবনে।

লাকপা : পাউডেদ নমিং য়াওরক্লবদি নুপামচা?

লীলা. ইমিং চংপবু ফজ্রনে ইমাশি?

লাকপা : কেতুকা মননগুম চংপদি ফৈদো, মুনিসিপালিটিগি নংলা অয়ানবাদি চক চংদবনে!

লাকপা কিজং লৈতেং, শাজং লীচংন লমজংঙদ মীয়ামগি মাং খোনবসিদি শরেং ঙরেলদি ফদ্রুন তুম্বাকে কখেয়গুম থরেই অহামব লক, হে সপিটলদু য়েনরগি কয়া নারবনোসে।

তুম্বা : শোয়খিবনি তাঙাং ব্রারৌব য়াদে।

লাকপা : তুম্বা ইবো নঙ, অহল লময় অঙাং ওইবিরিঙ লুনতৌ কেথোকহনবদে লম খর হেল্লনমনে।

তুম্বা : ইৎন্দ পোকই হায়দুন বডিম খর নহ ওইরিঙ ইনাং ইখা তমহনবদে ননাই ঐ জুজিক মীগী হকচং খর নেই, পাখেন খর চং— হৈবোং মথদা য়া কাখোক ঙইহুন লৈজারবসিনি।

লীলা : নাখা তম্বু, ঙাওব ফৈব খৈদেনসন শাবসিস্থু কাকা তুম্বা ফন নুংঙাইরিনি?

তুম্বা : খৈদেন নুপাগি চৈস্থু খর চায় হায়বদনি লীলা, তাঙ্গা কংলবদি ফজবরি কোবি থমচেংম য় শায়রিপোংনি।

লীলা : কল্লকইহৈ কাকা তুম্বা, পুন্সিগি মথেল অমানি মদুস্থু।

লাকপী : নঙ পাবুঙখোয় উৎসবকি য়েঙ্গাং মথেল পাম্বদে শম্বল

কয়া ফাও, থানাদ হোসপিটালদা ফনা কুইন কুইন পোখারুরগা মমৈদ য়ুম নোং য়ুবসিদ, এলাং, পেরুক সৌগ্রী হওই হায়ত্নন পামেনেন্ট তাররিবনি।

লাকপা: অহল লমন্ন থেংনরুবাদ খঙলকপ: "চাহৈদে থকহৈদে-তৌহৈদে" হায়ব পাউমেন নাচোমাসিবু নহারোন্নন চিল্লু স্নুক য়াগন্দবসিবু কনাগী শাপননো খঙদে!

লীলা: শাপ নত্তে পাবুং, সরস্বতীগি কৃপাননি।

( ময়াম্মক মঙ্গোন্দা ঙক্ক য়েংনৈ )

লাকপা: করম্না লীলা?

লীলা: মৈ পায়কন্নু হায়ত্না পাউত্তাক অশ্নাংদা পীবব্রুদি, মৈ পারহল্লগ শাব থেংনবদৈ মত্নংদ পায়য়ু য়াদে।

লাকপা: ওক্কব কুমহৈ য়েংউন্নু, তারুন্নু, থেংনরুন্নু খাম্বা য়াদনন লম স্নুম হেলহনবদৈ —, মৈন পোক্লব তুম্বাকোক খোয়গুম, শাওন্নু প্রমাননি, মথন্দ খীজরকখিনি হায়ত্নন কাও থারবদি সমাজন চৈরাক পীরক য়ূম্বান জুগোং চাগন্দে।

তুম্বা: খুদম অরাব হায়বব্রু তুম্বাকোক ঐনি হৈবম্না।

লীলা: পুন্সিদ মথেল কয়া চারুবদৈ থেংনবকপদৈ অদুক শিংবিরব কাকান ছুজিক মা অমা, নিপা অমা ওইনব হোংন মতম্ভগি তোর্বান্দ অরাব থোঙ্গন পাক মুং-লোইদব তাহৌনব তৌবিদ্রিব করিগীনো?

তুম্বা: মুংঙাইব পাম, নীংথা তম, খৈদেন কাও শা লম

হেল্লবদ ইপা ইপুন থনম্ন লৌ পরি ১০ ভুমখ্রে। লোশং থৌনাদি লৈজরে, কারবার তৌনব শেল্লেপ লৈতে, নিংলেপ লৈতে : হৈ লৈব থাং লৈত।

লাকপা : মচিনগ মখুংকদি লোম্ম।

লাকপী : অহাওব চানংব চীনগ, মীগী মখুং থুবেক্লীংব খুংক।

তুম্বা : ঐ মাংথারব মীদ নত্তে।

লালা : করম্ন পজেং ফিবান ভান্নবিরিব ?

তুম্বা : ঐন লুপ্তিক হোৎনরিবসি মীগি মমাই ফজবদ হামুক লৈব, অফাওবশিংগি মিংচৎ মাংহনব, অতৈমক ওমজদ্রবস্থ তাজমহলগুম্ন দলালগি ফক্লাংদ সন্থী তৈশনব লৈথোম চায়শিনবনি।

মপান্দ লাপ্লপ লাওবিঃ (অল্পমলক)

লৈশাবী পাখঙদ নীংথা—তম্ন—!

,, ,,

,, ,,

লাকপা— পী, কিন জানৈ।

লাকপী : করিগিনো লাওরিবসিবো ?

তুম্বা : লৈশাবী পাখঙদা নীঙখা তম্ন পীয়ু, তুম্বাকোক ঐ ওঙ্গগে লাওরিবনি। ( য়েংলগ )

লাকপা : কনা কনানো মখোবসিবো ?

তুম্বা : লীলা পার্টিশিংনি, পাখঙ কজব, লৈশাবী অফাওবী লীলা য়াওহন্নু, অহল্লমম খাম্বিনু সিনি।

লাকপঃ : শেল পীয়ুবু হায়ব নজ্রবদি লাওসনু।

লীলা : এখোয়রোমদা লাক্কদ্রা কাকা ?

তুম্বা : লাকপা য়াই, ইবেম্মা কৈবনিনা। য়াওরুনুকো—

লাকপী : লীলা য়াওবসিবু ফজ্রনে তুম্বা ?

তুম্বা : অঙকপ থবক নত্তে ইংতমশিঞ্জ।

লীলা : লীলা য়েংবদি নুংঙাইদো কাকা।

তুম্বা : য়াওবন অমুক হেন্ন নুংঙাই, ফওবৈ রানি।

লীলা : করি ফজ্রিব ?

তুম্বা : লীলা শান্নব অমুক্ত য়াওরুদ্রিবাও ?

লীলা : স্কুল তম্মিনৈ অমুক অনিবক য়াওকরে। য়াম্ন নুংঙাইনে কৈনো কাকা— কৈস্ন মৈন পোক্কে।

খুম্বা : অঙাং ওইরিঙৈদদি পোক্কব য়াই, তুজিক কৈশাবী দবল ফারব কান্দদি মৈনমক পোক্কবস্নু য়োংপী ঙংগনে মুজনি।

লীলা : কদায়দৈ তৌঙংঃ ?

তুম্বা : লীলা ফম্বাক য়োংপী য়াম্ন য়াওই। ইঞ্জিনিযার, ডোক্তর, উকীল, অফাওব কলাকার কযা য়াওগনে। নীংব থুংদ্রবা কোংহ্লিং ম্নোংপি অপৈব কাঙখলাঙন অয়াম্বনি।

লীলা : নীঙব থুংদ্রব কাঙখথাঙ ময়ামগী নীংব থুংহনগে তৌরিব লীলাশঙহুদি কলপবৃক্ষ হায়ব নীংব-থুংহন পাম্বীদু ওইব তারে।

(মমাগ মপাগ ঙক্ক য়েংনৈ)

লাকপা : নুপী, নচন নচা নুপীগি মমিং লীলাবতী হায়না থোক্লবসি লীলা পাম্নবদ তারবদি কোক শাদোরিদা

লাকপী : খঙদেনে মরাইবক্কু তমখিব ওইবিরা !

লাকপা : লাইবক্কী মথৌ লৈতে, ইমানীগি ইথৌন, লীলা য়াওহনব য়াদে শন সগোল মরুক্ত।

লাকপী : লীলা য়াওহনব য়াদে, ইচানুপী লীলাবতীদি রানী ওইহন্দোবনি মতিক চাব য়ুম অমগি।

লীলা : রানা ওইদৌদরুন কোল্লিক ফেং, নুগাক চগুম শেং ফঙ্গাদা শীঙ চাকুব কাম্ব, মৈখু চুবহু তল্লিদা !

(কাওবি, খুনু, থোব ইরাও রাও মোত্তাইশুদাই লীলা বক্তি, মেকঅপ মচাক বেগ অম পায়, কুক্ষচুডাগি রাহোং মতু মকোক্ত থেং, খুনুন বাঁশী, থৌবন গিটার পায়, হৌ হৌ লাওরগা চংলকই। খোঙ্গথাং মানন।)

কাওবি : লৈশাবা পাঙখদা

খ + থৌ : নীংখা তম্ব।

কাওব (শাওন) : লৈশাবী পাখঙদা

খ + থৌ : নীংখা তম্ব—

কাও : পীদবা য়াদে

খু + থৌ : হোই—হোই।

কাও : লৈশাবী পাখঙদা

খু + থৌ : নীংখা তম্ব—

কা : পীদবা য়াদে

খু + থৌ : হোই হোই !

(চংলকপদ লীলান থোংজিন ময়াদ ফিয়ান্দ পায় লেপ্লুই, লাকপন মাং থা, তুম্মান মথংদ। লাকপীন তুংদ লেপ মনাকে ং মেন্দুন লেপ্লি। ৩/৩ ষ্টেজগি য়েং-ওইদ লেপ ও সম্নে।)
মখুং নাম নাম থাঙ্গং লাওব অহুমত্নন মখুং থাদবগ, মনাকোং মেনবা অহুমস্থ মখুং থাদ চপ চপ লেপলগ য়েংনৈ ঙহাক।

লাকপা : করিগিনো ইচাশা মখোয়বু তিংগোং কাংগোং ওল্লব্রা ?

কাওবী : পাবুং ঐখোয় রা মতং (২মু য়াও) হায়জনীং লাকচবা ?

লাকপা : ঐগি ইমিং পাবুং কোদে, ঐগী ইচানুপা লীলাব্ণাদন কোনবনি। ঐদি সনা লোই, তাঙাং, খুড়াঙাং, বাজি-ঙাং অপাম্ব অম কো কস্তুম ট্রেডিসন থুগাইগনু নহারোল।

কাও : রামজং হংজনীং লাকপনি, (৩মক) বাজিঙাং।

লাকপা : কনাদ হংদোরিব ?

৩মক : ইমাশিদ, শকহেনবাদা।

লাকপী : ঙাইখো তামোচাশিং, (কেথত্নন ঙাংব) মখোয় পাবুং মাংদ ঐগ রারী শাবদি কয়া নুংঙাইরোই, বাজিঙাংদ কায়নীংবত্নু হায়য়ো, ঐগ রামী শামীংলগন অচীকপ থাবলদা।

কাও : থেঙক য়ু ইমাশি।

৩মক : বাজিঙাং ! ননাই ঐখোয় নুপী হায়ব লাকচবনি।
(৩মক)

লাকপা : চুইগো, নমাই ঐখোয় হায়ব য়াদে, নিংথৌ নত্তে ঐ, নচাশিং ঐখোয় হায়ব য়াই।

তমক : বাজিডাং, নচাশিং ঐখোয় নুপা হায়ব লাকচবনি।

লাকপা : নগোয়ন পাম্বিব নুপীসি মমাবা মচারা ?

তমক : মজাইবেম্মনি।

লাকপা : কনাগিনো ? বর য়াওরকপ্রা ?

তমক : লীলা পার্টিগি ?

লাকপা : পঞ্চ পাণ্ডবকি! দ্রৌপদী নত্তে, লীলা য়াওনব ডম্মাই।

তমক : লীলা য়াওনব য়ানে লীলাবতীবু। (২রক লাওই)
(চংখ্রগ লীলা শাল অম ইল্লুরগ থোরকই)

লাকপা : মরম চাব বা ডাংনসি য়ানগি অরেম্বদ লাওনু আন্দোলন তৌনু।

তমক : মরম চাব বাদি বাজিডাংস্থু য়াবিয়ু।

লাকপা : মরম চাদত্তুন য়াদ্রিবনে। ইমুংসিগী লাকপ ঐনি, ইমুংসিদ লৈবি, ইচানুপী লীলাবতী লালা য়াওহনব ডম্মাই। মরমদি নখোয়গি লীলা নুংডাইগন্দে নরোল ফাদে লং লং, থংমৈ ফংই অমুক মম অমুক ডান, মীচৈব, সরকার লকুব, প্রোপেগন্দা প্লেজ লমচং-শাজং, থকসি-থাসি বাংপ কান্নবন হেল্লি, লীলা য়াওহল্লোই। নেকে হায়রগ মমা মনা নেকউ।

কাওবি : লম হেনব, চুমদব, অথীব লীলা কনান শান্নে হায়বগে ?

খুনু : নুপী নিপা, শাজং লৌচং, দিসিপ্লীন ফজদে করান হায়রগে ?

থৌব : লৈবাক্কী মঙ্গল ওইনব, অচুম্ব ফজব লীলা উংনব হোৎনবদ মতেং পীনব সুকয়া য়ারোই। বাক্তিগাংখোয় ইমু সিবু লৈবাকসিদ লৈবির নজা ?

তমক : য়াওহন্দব য়াদে লীলাবতী, লীলাগি পোকপি। (তমক) (লীলান মখুং থাঙ্গং জগোই চোংই থেকই। )

লাকপা : ইবো তুম্বাকোক নঙবু লমহেন তুংহনগি থবক য়াম্ন থেংনবব মজ্রা ? লীলা মী শিংসিবু মঙলন্দদি ফজব অচুম্ব মাল্লি, থবক ওইন ফজন চুম্ন থকসি-খাসি নায়ন চৎনব্রাও ? নঙন অখঙবগু থব শুম্মুদনা। নচাসি চাওরবনিন নিপা মরক্ত লীলা শানব য়াওহনবসি ঐদি সম্ভ কি-নহৈ।

তুম্বা : থকসি খাসি নাইব কাংবু, লীলা অচুম্ব ফজবদ উংনব হোৎনব, মরম্নাই নুংঙাইনব কান্নব খন্দন মীয়ামগি সাহিত্য কলাগি ঈচেলদ লুপ্প কাংবুদি ভাংইদা ভাঙাং —। (মঙক হাই)

কাও : কাকা তুম্বাকোক্ন হিগাইরা শান্নহন য়াওহন্দবনি হায়ন লৌব তায়।

খুনু : ঐখোয়গি য়াইক থৌসিদ য়ৈখায়ব পীব কাকাবু নহাক্রাল ঐখোয়ন কৈদৌভম থোকই ?

থৌব : ওইদব ঙাং, মীময় শন্দোকপ লৈবাক্কি য়েক্লবৈ চৈরাক্তি

ঙাফক কক পাং তিন ফৌবা। নফি শেম্মো।

( ইমক ধমকা )

তুম্বা : ঐবু ঙ'কক কক্রগ ফোংগে হায়বা? করি লৌল'নো? মতুই ওইরবদি শরেং কাওব শানিংদে। ঐবু খর কন-বিয়ে'। হরিবোল, হরিবোল! ইমাংন হেক উবকপ ইনাম হেক তাখিব অশেংব রা হায়দাকপবু করি ইরালনো নে গাই মাধাই?

লাকপা : ঙ ই খা তঙ'ংশা, নিপাসি নতম খব হিংহন'খিসি, ঙাফক ওনখ্রগ হয়ং তুম নি ঙম্মক্রা য়াই। নুপীমচা, লীলাবতী!

লীলা : তাকপিসি পাবুং!

লাকপ : নবু ইবেম নবুংশিংসিন লীলা লেকপ নাকই, নমাবু নেক্রব ওইরবদি ইপান চংলু য়ামক্ত হায়ব ঙম্ম নংদি সামাজিক লীলাদ অওকপা ওক্তব খঙদে মো শাও চ'যরকপ য়াই, নবুঙভো শ'বক্তন করি ৎক্রম্মি চৈক্ত কমদৌরনি খঙদে, ইপাশোয়ন ফেজদা কাথং শামলবস্থ য়ামোই। নঙবু লীলা য়াওনীংব্রাও? নখোয়গি নমাব্রবশিংন শাওয়োইদ্রাও?

লীলা : পাবুং ঐদি কৃষ্ণভক্তি লৈজবনিন, সংকীর্ত্তন শকপ মফমদ ইবু'ঙো মান লেংলকপামিন য়াওজনীংই। ঐবু থিংবিনব অতৈ কনা লৈজদে পাবুংন মাধাই শাবি-ত্রবদি —।

লাকপা : মীবু নোক্কব, সরকারবু হুন্তব, করেমকথাইনব লীলা মথোং হৃক্কবদস্তু শ্রীকৃষ্ণ য়াওরদ্রাঙ? (শাওন)

কাওব : তপথবিয়ু বাক্সিডাং লীলা পুম্নমক ইবুংগো মাগ লীলানি। ঐখোয়গী শান্নজব লীলা অম্বাম্ব মহাভাবতাক শ্রীকৃষ্ণ লীলাময় ভগবান মাগি খুদুং ইঙ্গব ঙাক্কনি। (খুকউ নাম লৈতা)

লাকপা : নচৌম বৈষ্ণব শাবন কাম্নরোই, থবক্ক য়েংগে চেঙ চম্ভিঙ চঙদে। লীলা মতেক ১ উংনু—াসদ কর্ণ শাব হৈদোব য়াওব্রা? অমা চোংথোরকউ। গঙ্গা স্নান তৌদুন লৈরম্মু কুন্তী থারক্কে।

খুনু : ভাম্না কাওবি নঙ কর্ণ শাগেবা?

কাও : ঐ প্রোম্পটর ওইগে, মহারথি কর্ণদি থোবৰাবুন শাবিয়ু।

থোব : পৌরাণিক কর্ণসিবু হৈগদ্রা ঐবো! (তেন কাপ্প তম্মি)

খুনু : হৈমনখ্রে, হেক্ক শাও ঐ তেংবাংলক্কে।

কাও : কুন্তী শাবিনব য়াওজবক্ক, ইমাশি ঙহাক্কুং রাইব য়াগদ্রা?

লাকপা : য়ানি, সনা, ইম্নফি শেগাইব অম ইল্লু, কুন্তি ঙহাক্ক শাবিরো।

লাকপী : শাববুদি শাবিগে হায়ববু ইম্নফি শেগাইব ইনবদি ঙল্লি।

লাকপ : শান ইল্লু—, রিহর্সেলদদি য়াই। ঐ মাংনা তাক্লক্কে কৃষ্ণ। (মখি শাপ ইল্লুই ইংশুনায় হন্নুবা শারুই।) ওঁ তং শং! ওঁ তং শং অঙাংবা নখোয়গী চুহী অহেনব য়াওরকপ্র? কাওব নংগিদু হাইব য়াগদ্র?

কাও : ঐস্ত প্রোম্পটরনিন কৃষ্ণ অম শাজনি।

গুন্ন : (খাওদৈ) অম লৈরে বাজিঙাং সি থোনবিয়ু। (উপশিনবি)

লাকপ : ঙাইখো ইবুংঙো খৈদেন শন, অর্জুনগি শারথি কুরুক্ষেত্রগি লৌবুক্ত অর্জ্জুন্দ গীতা তম্বিখিব কৃষ্ণদুদি ঐন শাদৌরি। নঙন করম্ব কৃষ্ণ শাদৌরি।

কাওব : পান্দৈ পান্নাও, শিঙদৈ শিঙনাও তাবগুম কৃষ্ণদ কৃষ্ণনাও তায়, ঐনা শাজদৌরিবসি কৃষ্ণ অশেংবদু নচ্চদে কৃষ্ণনাওনি।

লাকপ : করি ল'ইরিক্ত য়াওই, ঐখোয়দি অমুক্ত তাদ্রিনা?

কাওব : শ্রীমদ্ভগবত গীতাদ য়াওরি'নি।

লাকপ : করম্ব অধ্যায়দ?

কাওব : ১০ শুব অধ্যায় বিভূতি যোগদা।

হে অর্জ্জুন, উশিংগি মরক্ত নাগেশ্বরনি ঐদি, চীংশিংগি মরক্তগি হিমালয়, ঋতুশিংগি মরক্ত বশন্ত, তাশশিংগি মরক্ত অমদি লীলা ভৌবশিংগি মরক্ত জোকরদু কৃষ্ণ ঐনি হায়ব থেংনবিব্রা?

লাকপ : অং অং ! ত্বাত· চলযত্রামস্মি, তেজস্তেজস্বিনামহম।
জুরার যাদুগি অর্থতু অহুম্ব শাসকি জোকর. সার্কসাক
ক্লাউন, লীলাগি লৌনমদ লৌরব। ফবে, জোকর
কৃষ্ণনাও, লীলাসি খর চুম্ব ফজন শান্নশিকো।

কাওব : হেন্ন চুমন ফজন শান্নসি! লীলাময় কৃষ্ণজী।

লাকপ : মী খুদিং রেদী, ষ্টার্ত! ইনেমশি য়াইমবা কুম্থি!
কয়ম্মো লাঙ্গাউগি নোংদি নেম্ন মম্ন মংলে কুরুক্ষেত্রগি
লৌবুক্ত. কুইরবোই কৈথগদব ঈগি নোং?

কুন্তী : করমদি তৌনি জনাদ্দন, খাম্ব য়াদ্রবদি হাংনবেদনা,
ঐখোয় রোমগি ননাইশিং মঙাদি শিহনবিবা য়াদে। মবুক
ফংখিদ্রেদ দুর্যোধন, খুঙ্গং ৫দা ফাওব মপাবুংগি স্বত্ব
পীনিংদবসিদি হাইর্কোর্ট লৈরম্মদি,— ইহে!

লাকপ : অহুদ ইনেমশি য়াইম, দুর্যোধনগি মীচংদ লৈবিব
মহাবীর কর্ণগি মথুংত ভুজিক নঙাইবুঙো মঙাবু
চাংপ ওস্ব মৃত্যুশর ৫, মৈ ফৃ ফৃ কাম মাগি তেম্মাংদ
ঙাল্লি। ৫ দৈ হেন্ন হাংলোইদবনিন এটোম বোমদৈ
হেন্ন ফব জাং।

(কর্ণনা তেন শংলগ মম্ন শোল্লি)

কুন্তী : ইঃ, অহুাদ করি উপায় লৈ? ওগুা খাজিন হুম্নানহনব
মুলহনবস্থ য়ানি থাজদে। ইচাশিংস্থ শিহনবিব য়াদে।

লাকপ : হৃব মুনবনদি য়ারোই ইনেমশি, নিরুবদি য়ানি, দাত্তা
কর্ণ মমিং চংপ নিপানি, পীথোকপদ পাম্মূব খঙদব
দানবীর।

কুন্তী : মুনি ঋষি ব্রাহ্মন বৈষ্ণব কনা নেক্লগ নিহল্লদগে ইবুংঙো ভগবান ?

লাকপ : অইতন নিক্লবদদি পীরক্লোই, ইনেমশিন লেংলদি পীরক্লব মরম অম লৈ।

কুন্তী : করম্ব ইবুংঙো জগন্নাথ ?

লাকপ : মমা মশক খঙদ্রিব কর্ণনি, মমাবু তাকপিরবদি মহাক্ল পিথোকপদ পাম্মগদব পোৎ লৈতে।

কুন্তী : মমা অশেংব তাকপিরুবা ! ইস, ইদি ইকাইখ্রেদা মধুসূদন।

লাকপ : উ মরুম, তুরেল খোঙনুঙ অচৌকপ, অঙাং অপিকপ, শা-শন, মী অপংববু করিগি ইকাইরুদগে।

কুন্তী : মী অপংব হায়বদি ?

লাকপ : নাপন তৌব রাশক্লনব কর্ণ অশিব মী নত্তে। মহাক ইকাইদ্রগ নজাইবুংঙো মঙাগি থরাই কনব চুমদাব লৈরবদি, অপঙব মীবু করিগি ইকাইরুদগে। লেংও ইনেমাস, অমুক অঙনবসিদ কর্ণবীর স্নান তৌ-রমগান গঙ্গাদ।

কুন্তী : নহাওইরিঙৈ পঙলিঙৈ রা অহল ওইরগ নিংশিংবসিদি তাল্লদা সঙা ! (চৎন চৎন)

ওহ ! মতমদো—, লৈশাবী মচা ওইরিঙৈ কজব অপানব— পাম্মবদো ইকাইব নংনব ওইররে ! (কাপ্লি)

( লাকপনা a মনাক্তা ফম্মি, য়েংওইনন ভুম্বা লেপ্পি, কুন্তীন a দা কাখং কর্ণদ য়েংই মুন্না। কর্ণ শাব থোবন b দৈ চোংথ মমাংদ ভুরেলনি. কাওবন বহি ১ পায় b মনাক্তা ফম্মি, মাংগ ওইদ খুনু শম্ম লেপ্পি।)

কর্ণ— (মশাদ মখুৎন নান খাং গৌব ভুরেল ঈশংদ):
গঙ্গা যমুনা, কৃষ্ণ কাবেরী মহানদ গদাবরী, ইরিল
ইম্ফাল, থোবাল নম্বুল, থাই ঈবং মক, বরাক তুরেল।

কুন্তী: গঙ্গাদ স্নান তৌবিরিব ইবুংঙোবু মহাপাপী কর্ণ নত্তব্রা?

কর্ণ: মানি ঐহাক কর্ণনি, কনানো ইন্দোনবো, কবি তাক-পিনীংবগে? ইন চিংনব ইনথাভম শেংস্বরম্বু হায়ব্রা?

কুন্তী: নত্তে নত্তে ইবুংঙো, ইমা অর্জুনগি মমা কুন্তীনি নঙোন্দগি করিগুম্ব অমত্তং নিংগে লাকপনি।

কর্ণ—(কাখৎলল্লগ খুদৈন মশা তৈথাক): ঈতুমফি পাস্থিব্রা পীয়ুবা? অপাম্বতু তাকপিয়ু. হুজিকফাওব লায়রাবরী অর্জুনগা।

কুন্তী: ইবুংঙোবু পলেম অপোকপীগি মশক মমিং খঙলব্রাও?

কর্ণ: খঙজদ্রি ঙসি ফাওব, থিজরকইবদি কাংলৈ পায়ব হৈহৈদেনি। ঐখোয় ইন্দোনবু খঙবিব্রা ঐবু পোকপী পল্লেমগি মশক মমিং? মমা মশক খঙদবসি তোনগ্রে ইনেবেম্ম। ইমান্নবশিংন খুদি খিৎতং থীবদ অয়ো ইমা শিরমনিদা হায়নৈ। ঐদি— গুরুদেব পরশুরামবু তম্পাক্ত চহি কয়ানো তুমহল্লগ ফৈবাক্ত হৈবীতিঙখং পাম্বী অমা হৌগৎলকপবু অয়ো ইমা হায়রজখিদে, ইমা

মশক খঙ্দবগি কৌব ইকাইব ন্নু ভাইতা াগন্।

(কা'ওব, খুনুন কর্ণবু কৌই তাদে : হৈ কা শাব, থৌব !)

কুম্বা : ঐহা ক্তি খঙ্ডি শাহবক থৌবি নংঙ্গ নমাহ্, মশক মগিং তাওউ হায়বদি ঐন নঙ্গোইদ নিদৌবিব পোং খরাস পীনি হাযন ব্লাশকউ।

কর্ণ : পীথোকপ পাম্মব খঙদব কর্ণন, ইপুন্সি চুপ্প থিবকইব ইমাগি মশক তাকশিন্নবদ কবি পীবোইদনা হৈবগে হনে ! ব্লাশকপ ব্লাশক্রুব কবিসু হৈলে, অঙ্গাদশকি নিংথৌ কর্ণন পীগে হাযগ্রবদি লোইবে অক্তা, ইহে।

(লাংতক্লন কাওবি, থৌবন কর্ণবু কৌম্নি, প্রোম্প্ তৌরি। তাদইব শাওহুন খর হৌরপ হাযবকই —)

কা'ওবি : হৈ কর্ণ শাব, ননা নামহু ঐথোয়দ পীরকও।

খুনু : ভায়া থৌব, নঙবুনে,

ফৈ : কবি নিদৌরি খঙদন হ'ম্ন ব্লাশকপা হৌনব্রাও ?

কাও : ব্লাশকউনা। মীযাই চল্লা নমা মশক খঙ্ডুব করি কান্নবি ? অঙাং ওইরিইদবু কান্নবনি ।

খু : অঙাংগীস্নু ক্লজিক্তি অমুল কৌটা হৈরে, ব্লাশকউম্নু।

কুম্ভী (লাকপন প্রোম্প তৌই) : পীনিংজ্রবদি খঙনু, ইমা হল্লগকো। অহুক লিকপ নিপান খঙ্হুন হৈদৌগবনো ?
ইমা হল্লে, ধাই ধাই, - ইহে

তুম্বা : খঙ্দ্রগ তোকসনু, অহুক চোপ্প মিব হৌনদে।

লাকপ : মথোয়সোম প্রোমপটর অনিসি নুংশিরোইদৌরিদ সত্য।

তুম্বা ঃ লীলা কায়ঃন তে ক্লরনি হৈদি হৈতন।

ফৈ –(মুরুম ২ ভাই) : ইমা মশক তাকপিবৈবু শেল কয়াম তিংফম থোকপগে ? ভাওন চবা অম কৌ-ও।

কাওবি ঃ পুঙৌ ফনেকলা তেরা ইন্নকিরা অমা লৈবিগে হায়য়ো

কর্ণ ঃ খঙেঙ তুমিন লৈখো (তপ্ন, কবিনো ইন্দোল তাক-পিরমদন হনবিরব্রাও ? অস্নুক কুইন খৌরাংন ঙয়বক্লব নোঙ্গৌবী ঐঙোন্দ, খঙন খঙন তাবপিদবদি করি পুকচেলনো ?

কুন্তী (হল্লক্লগ) : ইকাইরে হেক্ত তাকথোক্লগে। ( লোন্ন ) লাকপ, তুম্বা মুংশা থিনৈ)

(লীলাগ য়েংন — লোন্ন মনাদৈ লৈ ১ নিরি)

নিপামচা কর্ণ ! নঙসি ইমান পোকপনি, কুন্তী ঐ নমানি। (ময়াম্মক ঙক্ল তুমিন তুমিন লৈ)

কাওবি ঃ থাজদে সাক্ষী পাঁয়ু হায়যু, শক্ষা।

কর্ণ ঃ অস্নুক কুইরবসি করিগি তাকখিদবা ? (কপ্পি)

কুন্তী ঃ ইকাইহুন লোৎলুব।

খু : বাজি কনানো হংউ—, বাজিগি মমিং ?

কর্ণ ঃ ঐবু পোকপ পম্ভৌদি কনা ওইখ তারব ? (কপ্পি)

ফৈ : গুদ, হংগদবনি, লুহোংবদ বেন্দ পার্টি য়াওখ্রিব্রস্নু হংউ।

কাওবি ঃ মহুদি হংবিরুনু ইকাইনিহৈ।

খু ঃ ইকাইব খঙলগ করিগি কেকু চাবোক—? হংঙ—

কুন্তী : (মমাই খুম্নগ হীক হীক কপ্লম্বদৈ ) নঙবু পোকপ

পা্ঙৌদি অতিয়াদ থোক্নিব স্থর্যাদেবাসিনি।

কর্ণ : স্র্যদেব! পঙৌ অপোকপ (মখুং লোন্ন যেংখং) অস্নুক কুইবসি আকাশবানী ওইন, ইঙ্গিংত ওইরবস্ত তাপি-রক্কব করিগিনো? নুপী ওইবি ইমন ইকাইরবস্নু নতিক লৈব পঙৌন ইকাইবিব করিগিনো? (কপ্পি রারা) মমল তাংব পোং চৈ য়াম্ন লৈবিয়ু হ য়রকনি খন লোৎলুব্রাউ? ঐন হুজিক লমজাউ শেরোক্ক ইমা খঙেঙ, ইপা খঙেঙ, হ য়দুন লাওদুন চৎলবদি ফজগদ্রাও। আঃ আঃ আঃ। (কুন্তীস্ন কপ্পি লোন্ন)

খুঃ থাজরুনু ভায়াকর্ণ, হুজিক নতিক নরল য়াম্ন লৈব উরবক ন্দ মমানি মপানি চোংথোরকইদনি। নহ লরই তপন উংসবকি কোক্, পুক থল্লব ফেংব কান্দ কনা কনা থোরকই মরীমতা? খল্লু—

কওব : পোংচৈ নিরঞ্জিগুঁডদ নয়ুমদ চংখ্রো, খেঙ হৌমনাংই হ য়জিল্লো। নিরকপ থোক্লবস্ন্ত তেরা ইন্নফি অমদৈ হেন্ন পীরুনু। খবরদার—

কৈ : মতুন মতিক চায়।

লাকপ : হৈ খৈদেনশনশা! শেরান্নন প্রোম্প তৌনু মহাভারতকি রারী লিচীং অমদি সংস্কৃতিগি ইচেলদু তোব্বান নমথায়হনগনো, খৈদেন পোংফমদৈ লন থাদদন হঙ্গাম কোবি লাকপদৌন।

কাওবি : মহাভারতকি লান্দ কৃষ্ণ-লীলানি, শ্রীকৃষ্ণন হংমী ময়ামবু লান থেংনহনখি ইবুংঙো মাগি থুহুং ইঙ্গান, করিমত বায়জরোই ভাবাংদি।

খু : হৌরো কর্ণ ভয় — তেরা ফি হাযবহ্ন কাউনু।

কর্ণ : নুংঙাইরে ঙসিদি থ্রৈ, হনাওবো অঙ্গদেশকি প্রজা ইনাইশা ও : বৃষকেতু, নবোক নবুধো মশক খঙলে তাকপিরগেহে অমন লৈক্রক্ত লোংলম্মে, অমন খোংনাং মতেন্দ। নমা লৈত্রাও — পরা, ভগোই শাসি লাওহে। (খম্ন ভগে ই)

খু : মমা মপা খঙলগ কবিবু কান্নদৌরিবনো? খঙিঙ থ্রৈখেয় করিস্নু কান্নদে। ব্রাই চিল্লি, চাক তিংডি, নুপীগ খংনগল্লি।

কাও : নিদোবিব নমংগি মমংদ হরাওরগ করি কান্ননি বুহ্ন?

ফৈ : শেল য়াম্ন তিংনব, নয়মদ চংখ্রোনহৈ।

কর্ণ : তাকপিসি নৌন ফংজবি ইমা কেক্র লেংপি, নচাবু করি কংচো হায়বগে? লৌ-হিংগোল পাম্বিত্রা? সন, ইরোই, শগোল শম্নু কংচোরা? নত্রগ ফিগে ফনেক ইঞ্জিনিয়িার ইম্নফি, মৈর পরেং অপাম্বদ তাকপিম্নু চিংনদন ইমা অনৌবী!

লাকপ : করিমত ইকাইবিরুনু ইনেমশি, হেক্ত নিবিয়ু নচাশিংগি মঙ্গলগিদমক। কান্নব খঙেঙা —

কুন্তী : নিপামচা অহল দাজা কর্ণ! পঞ্চ পাণ্ডব ননাও মঙানি। কুরুক্ষেত্রগি লান্দ ননাওশিংগ ওনশিন্ননু মীচং অমত্ত ওইয়ু।

কর্ণ : অশ ! মহাক য়াদে ইমাশি মচন হেনগ্রা ইচে ইবোশং ইপাঙ্গল সেন্নাল কাপ্তি ওইরম্ব ঐবু 'নংগোম শাগন ওইগে ক-পিরকপ কুরুপতি দুর্যোধনন্দ থংহোকখ্রে ।

কুন্তী : মহাক ওইরগ — ননাও মচাবু হায়নব মতুংশর নঙোন্দ লৈবক ইমাদ পীথোকলো নংগোমশংবু নচুমক হাৎপ ধর্ম নত্তে, ফোইহদে ।

কর্ণ : পঞ্চ পাণ্ডব হাৎনব তেন মচা মৃত্যুশর ! ইস —

খু : য়াঙ্গুন্নু পীরুন্নু হৈ । ইনাওশিংদু লম হেক্কনব পায়খিগে গুম্মে ।

কাও : ননাক নেমথরকউ ভা:থা । নতিক নরল পুরমক নিংথৌ দুর্যোধনন্দ পিথোকখ্রে, নঙোন্দ লৈত্রে পীব ভস্মবাহ হায়য়ু ।

কর্ণ . ওইদব করম্ব হায়দগে ইমাদবো ? ইখুংতাদ লৈ ।

খু : কান্নর লোইরেনহে বুক । অওইব চাংব কনা শরান্দ নু চাই-খিব য়াওবগে ;

কাওবি : অওইব অচম্ব ভাংখিব লক্কাগি ঋবভাবন ময়াম্ব রাবন নিংথৌন গোংদাক্কু বাওগগ মৈরেবাক্ত তান্নাকখি । হরিশচন্দ্র মহারাজ নিংথৌ ওইমতা বর শিংঘাক্ত, অর্শব পোৎলোইবে ফমদ প্রমাসন কংখি । বৈষ্ণব বকুর, অচুম্ব ভাংব, গান্ধীজী করম্ব বেঙ্কতা লুপা কযা থন্নগে ?

লাকপ : (থবাক য়েন্না হৈ থংদ চৎকনব, বোবীন য়ানগদব মচাশা শেরান ভুরান খাকাশনগন্নুনহৈ । "যথা ধর্ম তথা জয়" থওদত্রাও ?

তুম্বা : অহল লমন, উয়া গুরু, বেদ পূরাম্ন হায়ব ইন্দবশা !
নখোয়ন করম্ন অফব লালা শাম্নবকনি হায়ব থ'জনগে ?

ইশৈ—( কাওবি, খুনু, কৈজাও পুন্ন)

হুজক হুজিক নুংঙাইব লোচবে,
হয়েং মশোক নেভর মাইন্দ।
ঙসি পীয়ু থক্কে চাগে
ঙম্মিমথৈ নু ঙাইহোগে।
শোংকে পূগে হয়েং শিংগে
ঙমদ্রে নোংমৈ, হয়েং মপোক
লাক্কে মুনগে খৈদেন কাওনি,
দশা লম্বো যেংহিলং খুনু।

( মণীংদ লীলা জগোই থেকই তান চান )

( মঙক শুজিন শিশুম শুক, মখুং ২ লেংদ কোন কর্ণ জ্ঞান মাং রাখলদ মমই ।)

কুন্তী : কবি হায়বগে নিপামচা অহন ইমাগি কর্ণ য দ া কর্ণ নঙবু পাম্মুব খঙলব্র ? লম লমদ নুপী অঙাং, নরূপ নপিজা ফংব য়াই, পোকমিম্নব চৈন্ননাও কাব লৈবাক্ত অতৈ ফংদগে ? ননাও হাংকনিগি বংশদ নুংঙাইব ঙম্ব নঙবু তোল্লব চঙাল্লাও ?

কর্ণ : পসেম অশোকপি, ঙমশীরব বিধাতান থেংন খঙনহল্লে। ইচিন্নাওনি তাকপিখিদবন ইমান হাংনগে অঙম তাঙম রাশকত্ত্রে—অর্জ্জুন ইমানী। পঞ্চপাণ্ডব হাংদব খুংলাই

মৃত্যুশর নীংথৌন্দ লৌথোক্ক তেরো খুংশিন নচা অর্জুনবু
কনগে অসিনি।

কাওবি : মীচা শিসনু ইচা কনগে নিদনি, নমা অহানব ওইরবদি
মীচং মীখায় নায়গদ্রাও?

খুন্নু : য়েক্কৈব মযাদ মৃত্যুশর পীথোকপ চুপ্পাও? লান্দি
হুয়লা হংদিবগী তম্ব ঙমদ্রে। অদু সংক্তে মীচং মীখায়
লাইব হৌনব্রাও মমানবো য়াক্কুন্ন হিংচাবি তুম ওইরম্মি।

কর্ণ : ইমা অপোকপী, বরসি অইভ নির্বন ফংগদ্রা?

কুন্তী : বরদি অমম্ম রাংলিয়ে নিগদব, হায়রুই মথক্ত।

(কাওবি খুন্নু থবাক কৈয়, কর্ণসু মমা কাখংন ঙকপন।)

তুম্বা : কবিমত ইকাইবিনু ইনেমশ, পুক থল্লগা লোইরে।

লামক : হয়েংদ ঙায়রব মতম্ম মুথংখিদোব ইকাহ হৈকি, মীংব
থুংদৌরগ লোইরে।

কর্ণ : মৃত্যুশরগি মক্তু পীমু হাযব নত্তব, অহোম্ম বর
অমস্তু পনেম অপোকপীন পাম্ববব। এরুক লাইবক
ফব নিপা কনা লৈগদগে তাহবংদা। হাকপিয়ু ইমা
নচা কর্ণদ বর অমতুন কবিনো?

কাওবি : নভ-মুক দাও যাদব জুবাবদি পোক্লম্মাই পৃথিবীদ।

খুন্নু : মসিন ঙাসি স্তক পনিবাসবু করি হিংদাক থকথিবগে
অমুক ঙন্তা?

ফৈফে : শেমহুন থোক্লরোম্দোব অঙাংনিদ—!

তুম্বা : কেক্ক হা'য'য়া ইম্মাল ক বমত হ'ঙ্গাই বিনো নচাবু কৈদোন ইকাম্রু গে ?

বৃন্তী (মমাই ইকাইন খুম্ব'দ) : নপাম্মচা ইমান নবে 'দ নিংনিংলিবসে মৃ'শব মঙাদ নক্তে, নখুং যেংাক খু দ ম্বা স্থু পা ম্মিবনে। (কপা শ'ন্ন)

(মখুং থ ঙ্গং চোংই কাওব—খুনু—শাওনী'ন ঙক্ত)

খু: খুবীম্থু যাওদ্রব খুংতগি খুদোম্বা নিবিবী মু । সবু নাংশোই চা'গ বাযত্র ম ঙ কিংচাবা কোংচাবীদো ?

কাও : ফক্রব যাতুগব, অবানবম কৃষ্ণশিং ব্লেক চেনবতুন ইস্সনব ওইবম্মি যাক্লনু দিযাব কণ, ঙাত্তোন ততেকপ ঙা'রন থৈঙ্গোংতে লৌখংল চাব যারবোইন'হ —।

লাকপ : শ্রীকৃষ্ণবু ব্লেক চেনব হায়নেসে ?

তুম্ব : মচীন্স তুশিন্দব যাত্রে, নঙ্গা কাটি. হক্ক চপ ংনসিবা ?

(কণ মখুং মচা মবিতু যেংল, ফমথখি দিংদ মখং. চে ।)

লাকপ : লমজাউদ পোক পোক তগদংশা হাই. নৈন নব ভগবান শ্রীকৃষ্ণবু অতুক থীন ব্লেক চেনব হাবিতুন কবি কনান লেংবনো হা ? 'নবঘন শ্যাম' কাম্বাগ বিজুলী খেলে' কা হাযতুন অমুব লৈচংগ প্রমানদি তৌ'ন, ব্লেক মার্কেটিযব, স্মৃগলব কা হাংববাদ নচংদ শিংজং চাব্রোহজাও ?

কাও : মহাভারতাক কৃষ্ণদি মচং নাইবা পার্টি পোলিটি সয় ন্ন, বৃন্দাবনগি কৃষ্ণগুম্ব মবুকচেন চাউব গোপী সুন্ম ক ংনং গংজনব ইবুংঙোতু নীংবিয়ো !

খুন্নু : হ য়াদে ক্র ফংদে হ য়তুন তৌবনি অর্জুনগি দেলাই শ বগী কুরুক্ষেত্রদি অর্জুনবু সুযোধনদে লুপ্প নারগা উপহন, মবুধৌ ভীষ্মদেম্ব মীহাংতেন মচা নিহনখি. অতুম্ব ব্রেক মনীগুম্ব কৃষ্ণত্ত ব্রেকআর্ট শিশিনদে হ য়েদ করম্ব হায় কোট্টিকি জ্জন চুম্মি হায়গে ?

তুম্বা . তাঙং- চাম্ন কম্নদে খুং য়াওসে খুংলাই থিসে।

(অনাহ্ খুংলাই থিব কোইচেন)

লাকপ : প্রেম্পতরশা, নখোয় ঙহাক্ত নৈরমখোইহ

(কাওব, খুন্নু কোইন কিন চেম্নি, হান্নদ অমুক হঞ্জিন্নি —ত ম্নব —)

কাও : নিপ মচানি, থে ক্লব লাক্কনি।

(উতুপ প য়রগ ধমকাদ লাকপ ওনীবু নৈলাগ খম্মগ)

লীলা : প বুং চানন শাংবিন্নু, লীলাদবু চানন ফ্লব হৌনদে।

লক : লাল নি হায়নে তুম্বা—, ইমানীবু খর হেম্ন শাওখ্রবা ?

তুম্বা : নীংঙরিব লাইনি কৃষ্ণনি, ইমদ খীন হায়বতুদাদ ফম্ব ঙমদবনে। (খুংলাই থাদে অনিহ্)

কুন্তী : দাতা কর্ণগি মফমদে মাবু পোকপি মমান দান ফংদন হনব ঙারব্রা ?

কর্ণ : হৌগংলগ) পীদি পীনিংখ্রেদা ইমাশি, পীথে কপে হেবিটসি নচান কুইন হৈনরক্লবন, অহ্দ য়েক্লবৈ খরায় লৌব ঙম্ব খুলাইবু য়েক্লবৈ মমাদ পিথোকপ হায়বসি, ইথরাই পীথোক-পগুম্বনি। মন্নম অহুন রাখল নৈতোন শনহৌদব য়াদে।

কও : শিনীংব গী তাইবদ লৈবা হৌনবাও? ইবুধৌ ভীষ্ম
ফাওব শিদনব খাংই খোইদৌরা শান্ন তেনগি ফমুংদা।
খু : থরাই পীথোকপদি হয়েং তুংদ কপকেদনি। তাংজে ২ জ-
রুনো, পুনাপুন্নমক মংজাখশনু শিদগ লোইবে।
কুন্তী : ইমাবু হল্লৌরা? করি থল্লি নিপামচা অহল?
কর্ণ : খল্লি ইমা ঐ —। মিংচং মাহন হিংবন ফরা? শিবগ
মিংচং হিংহৌব অমর খুভম, শিদ্রগ ঙতোন অতেকপ
চাব মীন খর থীন ঙাংনজব! ওঃ হেমলেট নঙগি
দশাহনি—টু বি ওর নোট টু বি, দেট ইজ দি কোইশন
হিংব নত্রগ হিংদবৈ রাহং অরুব পরিক্ষা।
খু : শিরগ পরিক্ষাদ মকোক ওইরকপ কার কানবগে?
(লাকপ, তুম্বা হঙ্গং হন্দা ঙাওহন শ ওহন চংলে।)
লাকপ : অরুব মতাং অম লাক্লে নুপীমচা লীলা।
লীলা : পাবুং— কৈদৌরগে?
লাক : মহাভারতকি রারী হৈদোক্লুন পুখ্রদৌরে, ভারতমচা
ঐখোয় অনার্য লোয়ন ওনব তারে ফংন্নো!
লীলা : নচাবু কৈদৌজৌ হায়রব?
লাকপ : পন থিংব খর য়াওরো, কর্ণগি মুপা পদ্মবর্তীশা
কর্ণদ হায়রো— দাতা কর্ণগি মিংচৎ ইজ্জৎ কন্নব।
লীলা : পাবুংন লীলা য়াওব ফত্তে হায়হুন থিংবহৌদি? য়াওজ-
রোইদ। (কাওবিখেয় খুবাক খুই)
তুম্বা : ঙহাক্তুনি লালা মতাং অরুবনি, খাম্মোরো, মহাভারতকি

পান লৈংখায়দনব তিংদব য়াদে।

লীলা : কাকা হেক্ক শাবিয়ো, ঐদোইন্দ কি তম য়াইরা।

লাকপ : নঙ্গোদ তায়নৌরা লীলা? মহাভারৎপু হোর্কোন নমথায় কনা কবিগি পৃথ্বী মশিং নাইদবদ ঙ্গশিং থাডিন্নরবদি, নালা শেংদোক্লবদি ভরত মচা নৈখে য় সংস্কৃতি খৌগংনহুন লোইন তনায়া ওল্লেইদ্রাও?

লীলা : তৈঙ্গদা লীলা য়াওব —! অহুবু ফজব অচম্ব মাংদনব অচম্ব মাংগংদি মী খুদিংমক পীব তাবনিন, পদ্মাবতীবু করম্ব ইন্নফি ইল্লগ তোক্বান্দ চংপাগে কাকা?

(তুম্বা ইন্নফি অম পীরগ)

তুম্বা : সি হেক্ক ইন্সিল্লু — লীলানি য়াই।

লালা (ইল্লগ কেন চং) : ও তাবিরিব্রা? (খর নকশিন) মখোয় পাবু খনে, বৃষকেতু-পা নহবু ইরুঙ্গনি হায়রতুন চংখ্রগ ঙ্গশিংদ ইরাক্লরব্রাও? অয়ুক্ক চা তল অশবদি ইংহৌরে (ইহে')

কর্ণ : ওহ, কনানো নৈবু কৌরাও

লীলা : ননাই পদ্মাবতীনে, ব্রেক ফাষ্ট ইংগ্রনিয়ে- স্নুক কুইরিবু।

কর্ণ : ঐবু পাক কারকপ য়াদ্রেনৈহ বমসেন মমা

পদ্মা : তোক্বান্দা লাত্তরিব্রা ননাওবু চিংখংচৌরা?

কর্ণ : নত্তে প্রিয়ে পদ্মা, লীল্ল খৈরোই হেংনবগুম, হায়েংমচান লাইরেনগি খায়ং উবগুম মহাবীর কর্ণ ঐবু মঙলাক্লরে-নহৈ অয়ুকসিদ!

পদ্মা : অরাং ওন্দুন অমুক্ত চেপ্পিযো, সে অমুক্ত য়'ওনসে।
(কর্ণ মমাই ওনসিল্লক—)

কর্ণ : ঙসিদি নহালমখৈ ভৈব ফংদব ননেমশি, ঐগি নেকু লোংলপ্পি ইমাশি, গঙ্গা তোন্নব নসিদ কোং কেং পাবুং নুমিংন তরং তরং নোংপোক্কৈ য়েংথরকপ তাঙ্গাসন।

পদ্মা : কয়াদ লাইবক ফগ্রব নুমিংনো ঙসি।
অহো ভাগ্যং! ঙসিদি ঐব ইনেম ফংজব তারব্রা? ইকু ইবুংঙোদি য়াওবিরকপ্রা (মকেক খুম্ম) ঐবু খুরুমজরুব য়ারব্রা? কয়ুম ওইরম্মে, মিংলেনশিংদু তাহনবি, ঐগি তোল্লব নাকোং অনীসিবু মরাইবক অমুক্ত ফহনবিয়ু!

কর্ণ : ইমাশিগি মিংলেনদি সতী কুন্তী, প ণ্ডবাজ্জুন মমা,

পদ্মা : য়েক্লব অর্জ্জুনগি মমা ঐগি ইনেমশি, আই সি
(ভগোই শায়)

কর্ণ : বট ইয়োর ফাদর ইন লো ইজ দি সন ইন দি ব্লু স্কাই! সে'রী, নকুবোক অতিয়াগি নুমিংলাই।

পদ্মা : ইমা, মতুমদি শাথীদ! অধুক নুংথিল চপ্প নুক্তিগি ইবোক খুম্নবদি ইশম থর চৌজরিবসি অয়'ম্ব চেনখিব তারেদন।

কর্ণ : নোংদম্বন তমখিবনি বৃযসেন মমা, হোংদোকপ য়াপোং নত্তে।

পদ্মা : অবোক্ত চং খুরুমজরুরগে, সনায়'থং?

কর্ণ : ঙহাক্ত ঙাইখো থর নৈরগ ননি নমৌ খংনরকপ য়'ই— ঙাচেৎ থুমচেৎকি। নচৎ নত্তৌ থর হান্ন খঙনখো তুং কোইন লুংশিননব।

পদ্মা : নাং, অবোং অনৌবাশিবু খাইনগি মীরাও, ভদ্রথে-
দোক্ত মায় ওইব চাউথংজবীবা পেশ য পাবুং?

কর্ণ : হৈগ মতুদি নত্তে, চাউখংলব নিংখাগদা কেনু অহোংইব
খামান্নন সুবিষ্টিরগা মাপিশজনি। যায় অন টু ছেংনি।

পদ্মা : মতু নকৈ, ঐন লুংশা শিজবাদ কবিগুস, সান হায়নব
চাক্ত চাবী, থকউ পাযনবিত ওইবনদ সদনি।

কর্ণ : ইশ! তা খনি সিম চেউ। স্তু খর চিনতুম —
লংগা খন্নলংহম নৈোক মারবনি।

পদ্মা : কর কবি চাংগ থক্কে হাযবগে কবি পাম্মি হাযংগ?

কর্ণ : খুবা য়াওদব ঐগ যেংলংব খুংশা মখাইন, খুদোম্বানি
নিব লাকই ননেমশি ইবম্মনা।

পদ্মা : হয় তাতু ন শোইদে, (হিক্ক হিক্ক কপশিনবা লাইবক
মতম খুইন কজরদুবী ইনেমবোক্ত চাংগ হাইন চানবতুদি
চাংগে হায়বদন, মচাগি খুদোম্বিবু কংশোই চাংগে হাংবতুন
নিরিবসিদি ওংখ্রোকইদা অঃ অঃ! কান্নদে মথোই পাবুং
খুদোম্বাক্ত পীংথোকখ্রো থাগ্রবনিন, থংনরিব খুংম্নাহ
ফাওব পংশিল্লকপ য়াই। পরপ পরপ পিথোকপিখ্রো।

(হরাওই লাকপ তুম্বা, লাওনীংই কাও খুম্নু)

কর্ণ : মতুদ নত্তে, বৃষসেনমা — (কপ্লি কপ্লি) পঞ্চপাণ্ডব হাংনব
চেন্দোংদ য়াওব তেন মঙা ময়াদ মৈ ফিত্রিং ফিত্রিং
কাপ্প নিউক্লিয়ার তেন পানবশিদো।

পদ্মা : অদু কৈদোরব?

কর্ণ : ইমাদ পীথোক্রো হ[illegible]। ([illegible] হাক)

পদ্মা : মচা নুপিশব মমনমং [illegible] [illegible] কুব [illegible] মগুংগি পান্দম গুণ্ঠা [illegible] মম, পদ্মা [illegible] ইথোম্মাক [illegible] [illegible]। বৃষ[illegible]নু মপান [illegible] [illegible] পোক্নদ পদ্মাবতী ঐ [illegible]। (কপ [illegible])

কর্ণ : হা ইমা অপোক[illegible] ইমা [illegible] [illegible] লাওব কক্পগা [illegible] [illegible]।

কাও : কান্নব হায়ববু নথবাই মা দৌব। ([illegible])

খু : নখুৎন চাংচাব য়ারাংগী [illegible] ভিংলবতা।

কাও : [illegible] পা। [illegible]।

খু : নিপা [illegible] নমানুবাদ [illegible]। সুকয়া যাক্নু, [illegible] [illegible] [illegible]।

কাও : পীথোকপ কান্নলবনে [illegible] [illegible], [illegible] অসে পীযু হাযবত্ত [illegible] নুংশিব মচাশিং — [illegible] মপা [illegible] পোকপ মচা শিবু হাযববু কান্নদব মিংচং[illegible] থোকপ্রাও ?

(লাকপ ভুম্বা শাওই, ফুগে [illegible])

কর্ণ : কয়াদ ফজখ্রব মিংনো ইমা হাযবসে। [illegible] কৌব [illegible] পেন্ন কোগে। ইমা—, ইমা! পনেম অপোকপি নগুগি থোম্লাং [illegible] লমন মচাশিংন শীংব [illegible] হাযনবী ইমা, ইমা!

(হীক হীক কপ্পী)

কাঙ : নচুদি ওক হৌদ্রেম্মা চ. থকদি।

ধম্মা : নিপাম কা, ইনা যম্ম হৈকাইরে হৈক্র?

ক. : ইহৈবাখো ইমা, মুশিন ইন পাল্লম চুপ্পোন, লোইদোন লেচৌন নান বাংঙবড়ম পৌরা থুননা কেৎনদো, মলেম মানলক্লদ কা এচৈদ ননাবদে ভর নাঙ্গ যা দ অবাইঃ চোঙ্খ ব যাওক কত। না গ পাড়মেন অমহুং থাগাগ ইহৈবখ হৈমা উ ক্র। নুশিনকা পনেম অকা ইমা ইঙাকেন ঙ্গ

ধঃ। কাবনো কবিনো ব্রাকচুপ, মহাবারন বঙ্গ নকি দে। থু শবরনতানিনা অহন বৃ কেতক ওবপাতাকন চুঙ্গ নচো নিনা ওম্মুঙম হোবপগে কস্থু নৈজব খনঙ্গ অম নীরাবপা। দাক হব হাঙ্গ চাননা ফীনবশংগি মবক্ত ওমং চংলব মখেয পাবুংন। কেতোদ বাইচিন্ন নিরা থানব লবদ ডুাশব মচাঙ্মু পাগকপাখো চব ভামগ ওন্নব য পাঙনঙ্গ দোবাদ।

কণ পদ্মা!

পদ্মা : খনবিক্রুন্ন ননাই তেজবৌপিদি, অবক্র মনৈং থুংনব থরাই মঙাচুস্ম পীগাকপিখো ইনাও অজ্জুনগি তেন অমুক তি দনব : নচা অনীমক অপিশক অমত্ত নাত্রু, হোটেলদ গ্লাস চাম্মবস্থু মবুক থজ্জবনি বৃযসেন। লম-জাউদ নম্বী থোনব উক্ চনব য়াওব ওমজ্জরনি নচা বৃষকেতুস্থু।

কর্ণ : অঙ্ক ১।

পদ্মা : রাবিকন্ন ননাওগম্ব ইঙিযাব অক্তর নচা কার চাউরব মশাং য়ম্ম ঠিগান্ত নগ শকনা। অগো গ শঙাকদ কোন কেংব — অতত্তম পোবি

কর্ণ : ফবে অদু শং, ওঙন নুক পেন পাম্ম দযাদ—
( লাক। তম্বা কবাওই )

কাও ডাতখো কর্ণ শাব না নচুন ড ওঅব ও

খুনু . নুপান ক। সল্লগ হেল যাবা। শওয়া শাগ্বন হাযব খঙদ্রাগ নচা শিশকশিন ক্ষোত দ পুসচ, লমসাউদ তাক্তিয়া শ কৈনহৌবগ কেদৌনদগে নঙাগ মিংচং ?

লাকপ : উতপ থিযু তঙকোক, মথোযনিনি যৈনব য়াদ্রে
( মাফ শম্ম )

তুম্বা : প্রোম্পুটরন অহ ইসনব হৌনব্র কেকু কাংশনি।
( অনীন ওইদৈ তল্ল খুদাই চমনম পাব )
কাও + খুনু চোল্ল )

বাও ( চেন্ন ১ ভান্দ ) : পাঁথোকপ হৌনদে পাঙ্গল ওবাই পূন্যগিদমক মিংচংকিদমক।

খু : লংথোকপ হৌনদে নুপা অঙা কাম্নদব ধম্মগী কাম্নদবা মিংচংক।
( মফম মফমদ কজিন্নরগ য়ান লেপ্লে )

কর্ণ : ফরে অহুদি ইমা ইবেম্মা, মুংশবী ইমা, লৌবিরা নচাগি যেংকি খুদোম্বা যাওবিবকপ্রা হৈজ্রাং করুবা।

কুন্তা : ই: য়াওরক্তে !

কর্ণ : অহুদি য়াফবিরিব্রা? হিংন হেক্ত চিকপিরো ইমশি মচা নুংশিবা। ( মখুং তিংথোকই )

কুন্তী : করি নাহৈনগী নিমন থৌত্রা য়ারু য়াদে

কর্ণ : [illegible] মদ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible]। [illegible], [illegible] [illegible] মদ

পূ[illegible] চা [illegible]।

ক [illegible] : চ দ [illegible] হিদ ক,

লা [illegible] : ওক্রে ফরে ভ ব [illegible]রে। মখোয়গি নরক্ত ইচা[illegible],

লীলা য় ওইনব য় দে। উদয়তি যদি ভানু, নুমাংন

নোংচপলে'মদে থোরক্নব কান্দ

থৌব : অ[illegible]ক নুংঙাইরিবু কৈদোরগে বাক্তিঙাং?

লা'কপ : মহাভারতকি ব্রারী পরাংহু নখোয়ন ঈশং পাব য় ব্রাও লৌহুক অকংবদা?

কাও : শ্রীকৃষ্ণগি লীলানিনে বাক্তিঙাং।

তুম্বা : কৃষ্ণগি দিরেকসনহু নখোয়ন শেমদোকপ য়া'ব্রো? কর্ণ হাৎনব থৌরিব প্লোটনে!

কা'ও : হাৎকনু হায়দে কাকা কর্ণবু পণ্ডুই হ'যবদি খঙহন ফৈয়ে। কুপী অঙং থর ইবু মীন নিরগ পীথোকপবু লেক চেনব কৃষ্ণন হায় হায়হুন হেক্ত ইনগদ্রাও? হব্রাইট কৃষ্ণন মহু ব্র'রোই।

লাকপ : মহাভারত লেংব ভগবান ব্যাসন পীহল্লিবনে।

কাওব : পীথোকপবু মওাং চাব চানব থীনরবদি নচা ইবেম্ম লীলাবতীসি লীলাই ওইনব পুজথ্রগে।

তুম্বা : নখোয়গি লীলাদ য় ওইনব ফত্তে, লম হেল্লি, দিরেক্সন ফজদে, নমীৎ মীংয়েং চুমদে, লীলা শান্নবদ মৈস্নু মমথোক মমশিন তোইন তৌই য়াওইনবিনু তাঙাং।

খু : কাকা হোরেল ম্পংদাং হৈ.দন কাগদা ?

লাকপি : শাওগন্নু ইবুংঙোখোয় মতম ফওরূন তৌবনি খর লৈরগ অমুক খন্নসি।

লাকপ : কুন্তীশাবী, করিগি খর লৈরগনো ? স্নুকয ও য় ও-হল্লোই মখোয় মরক্তুদি। বেদ পুরান, কষ্টম ত্রেডিসন থোশাদব, লমহেনব মীংয়েং করেম কথাইনব পামদে।

তুম্বা : অসাই লীলা মতেক অম মতৌ য়েংবদ নুপীমচাদ মখোয়ন য়েংব মীংয়েং মাংখৎ—এঃ তল্লি, য়াওইনব চুমদে তাঙাং। (অহুমহূ শাওন শীংবগি মতৌদ চংখি, খর চংলগ হক্তিল্লক কাওন)

কাও : ইনেমশি য়ারৌব য়াদে হঙরে। ( চংখি )

লাকপী : শাওনগুমশি ইয়াশা।

লাকপ : শূদ্রশিংত্থুই মরক্ত লীলা য়াওব য়াদে ভাব তারব্রা নমা নচা ! মখোয় মরক্ত লৈবাক্নী লোনচৎ শাজৎ ইনাং কায়হন্নব য়াওদো শক্নক ইংলিশ ফিলমদ কুমহনগে নমা নচা। চংসি তুম্বা। ( চংমিন্নখি )

তুম্বা : মিটিং লৈবে চুম্মি।

লাকপী : নুপীমচা নত্ত লাইরিক ঔরাইরম্মু, ইমা থৈদেন মচাদ ওহাক্ত ঙা খোকপ্রা য়েংউগে। ( বেগ পুরগ চংখি )

মথন্দ ডায়রগ লীলা লাইরিক পারম্বদ ইশ ডংই, জগোইস্ত নিংশিংজুন শায় মতেক মতেক। চোংফন শাম্র শান্ন ইশ শকই :

শানব শানব— চাকথ বী,

ডক্র রারী খুংডাইব—

ফজন চুনহন মশাম্নদ

হেম্ন খুংডাই করি লৈ ?

লাইবক থার মাওইবদ

তাইবং লীলা ফম্বাক্ত —।

ওঃ —! নহা, অহল, অভাং ?

কনা লৈগে শান্ননীংদে ?

লমজাওদ লৈথি মজাইবেম্মা।

কৃষ্ণ কৃপা কবুজাদ,

হো— সীতা চুবা রাবন !

রাম্ন ককথি নকোক তরা থবং থবং,

কল্লক পেল্লি এথোয়।

রেকেট হাই, চোংফন, জগোই থেক লীলা খুংডাইন লৈরিবৈ মমাই থর থর খুম কাওব, খুনু, থৌব 'হো' লাও খোঙথাং মান্ন চংলকই পোৎ অরুম্ব মকোক্ত পুবগুম —। মমাংদ কোইন চৎ লৈ। অমুক্ত কোইরকপদ—

লীলা : করি পোৎলুম্নো পুখিরিবসিবো ?

৩ : পুন্সিগি পোৎলুম, পুন্সিগি পোৎলুম !

লী : ঐবু করি তেংবাংজোগে ?

৩ : পোংলুম থাব য় ংবয়ো। পোংলুম থাব য়াওবিয়ো।

লী : করম হায়ন থাদগে ?

৩ : লীলা য়াওরগ, লীলা য় ওবগ, লীলা য়াওরগ।

লী : করি লীলানো ? নুংঙাইব ভাংলা ?

কাও : নুংঙাইব লীলানি ?

২ : রাম লীলা, য়ুম থাদোক বোন্দ চংপ।

লীলা : য়াওদব য়ারো ইদ্রাও ?

৩ : য়াদে, য়াদে, স্বুকয়া য়াদে।

লী : নখোয়সি ঐবু চিংলগে ফারগে লাক্লবজাংলা ?

৩ : য়াদ্রবদি ফানি, চিংনি।

লী : চিংদো শরুক ইশান য়ান চংলগে। অদুগ রা অমদি হায়জগে ?

৩ : হায়য়ু তারি—।

লী : য়োংনুবী শওমনুবী হিংচাবি শাবদি তল্লিকো সিত গুস্বী সরমাগুম্বী শাহনবিয়ু।

৩ : শাহন্নি, শাহন্নি।

লী : ইফি ইরোল লৌথোকউগে মিনিট ১তা ঙারবিয়ু

কা : মতুং ইন্নু অম। ( থৌব ইল্লি )

( পোং ময়োম অম লৌক্লরগ চংমিন্নখি )

লী : কয়া কুইব লীলানো ?

কা : রাম বন চংখিব চহি ১৪ দনি।

লী : ইস ! (লেপ্লি)

কা : চৎলু (ইন্দুন পুখি)

(চৎখ্রাগা)

লাকপ : খুদোমচা লীলাবতী !

লাকপী : কদায় চৎ খ্রবনোনে লীলা— লীলা !

আদোমদা ঐখোয় লীলা কোইরকপ্রাও ? চেনখ্রবনে কাবিরনো ?

লাকপ: চেল্লম্ব তারেনহৈ। লাও থানাদ তাক কৃহন্সি (চৎনিল্লখি)

পী : থানাদ ওইরবদি থব য়াওবিরিব্রা ?

পা : য়াওরে লাকও।

পী : য়ুমগি থোংদা—?

পা : লোল্লুমু– খ্বাইদে মমল য়াম্ব লীলা মাংখ্রবদ, অতৈন কেনদো-নদগে ? লোইন হূর্জখিসনু !

লাকপী : কবুইকৈওইবশিংগি লৈবাকসি লৈহৈদ্রে।

লাকপ : ইচা লীলাবু কবুই কৈওইবশিংগি মখুৎত চনখ্রবদি ইমানীস্থ চংথ্রসি জেলদ নক্রগ বন্দা চহি ১৪, চৎলু।

( ভাবোকলোমদ থোরকখি )

---

# চাংয়েং মাঙ

২/১

লমঙাউ শোরোক, অমুক অংনব

লাকপ, লাকপি বেইন থব থোরকই, অউঙ্গ উনা লোংন হায়গং। উকু খোংবান নকথংনা য়েংনই।

লাকপ : শোমদৈ খোংবান মশাংশিদ তাদ্রে! আপি উং মনুংহুদ খিগংতুনক্লা লৈত্রা য়েংউ।

লাকপি : (য়েংলগ) লৈতেদা।

পা : চে ময়োম অম তারিবহুদ য়াওব্রা য়েংউ।

পি : কনান য়াওজরুগবনোদ। খোটেংলদ লং—

পা : ওইথোক্তুর হায়ব লৈত্রবনে মতম। কংগ্লো লোবা চাথোকখ্রগ কাপ্পরম্ব চেহু শ্রু শ্রু লৈসিন জুন্দারকপগুম নচা নুপীহুবু মীন লংথোকপিরম্ব য়াই।

পি : মহুনি মুংশা থৌরিব, অহুবু চেজেংসি মনুংদদি য়াওবমমোই। থাজদ্রগ য়েংবিয়ো—

পা : (থাজন খুল্লগ চেজেং হাংদোক য়েংই): য়াওদেহে— অহুবু পুক্লিংদি শেংলেদনা। লাকপি, লাও কাকা তুম্বাকোকথোয় য়ুম মপা নত্রা? অমুক্ত কৌরো, মঙ্গোন্দ হংসি।

পি : কাকা তুম্বা তাপ্রবদি খবরদা কোংবগ মামরনিদো

পা: মান্নসনু, খঙনব থিনব য'দবনি।

শি: ওঃ অ'শম কাকা তুম্বাকে কলৈনিদ্রাও?

তুম্বা: হৈয়, কনা ওইরবনো?

শ: ঙুই কু পোংবনও, রা অরুব অন তাবদব য়াংদ্র।

তুম্বা (পোংকক): কমিনা অপুক ভস্বাদ তাঙাংগ হৈতেম নবগ কৌন লমজ উদ শেল পারম্ব খুনবিবিরব্র?

লাকপা: শেলগ নত্তে. মী খুনগে হোরকপনি।

তুম্বা: মী খুনগে হায়ব লমজাউদ? অঙাওববু কৈদৌনবা?

লাকপা: নখোয়রোমদ ভবাং অহিং অঙাওবীকা চেল্লক, থৈর-দেক্কো?

তুম্বা: কদায়দগি অঙাওবা?

লাকপা: খোয় লীনাবতাংগী ভরাং সক্যা'দ মাংত্রে, কদায়দ ফরিগি চেনখিবনো খঙদ্রে।

তুম্বা: অঙকপ রান, অহুক শিংবি নুপীহুন অহুক পঙন চেল্লমগদ্রা? এ্রী থাজব ঙমদে ইতৈমবেম্মা

লাকপ: থাজদব থাজদব থোদোক ভাক্ত থোক্লেনহৈ তুম্বা আজকালসিদে। ঐখোয়গি লীলান য়ূমদৈ মমা তাক্লমদন ইপঙ পঙন চেনখিনি হায়বসি কনান থাজদগে? ফন থাজদ্রবসু নতৈমা ইবানীন থৈদেন কাখ্রিঙেদ য়ূমদ লৈরমদ্রে! অহুনদি চেনখ্রে হা'য়ন থাজদব য়ারিব্রা?

তুম্বা: পিকনিক চংখিব ওইরিব্রা!

লাকপী : মুংদাংদবু লোন পিকনিক! মহাক পিকনিক্কু নুপী চেনব কৌনবাংনে।

লাকপ : মাগ খর েম্ন চানব পাখংসি খাব ঘ ওৱা ?

তুম্বা : লৈনাই কাবুদ য়াওব কাওাব, ফৈজাউনা হায়বদুদ মহাক কয়া কোইনরে। মখোয়হ্ন ডনকসবা ?

লাকপ : মখোয়হ্ন কোম্ন থিসি, হান্ন মোজদ্ৰেট এমাদি কুরসীখোয়দ ব্রাকলুমি, মংডন্দা সয়েনদব ফবেনদব তৌরমেকা হায়বসু লৈ।

তুম্বা : ঐপ য়ান্ন খঙনৈ, লেংউ স! (অনীহ্ন খর চংলুরগ)

লাকপ : হৈ মমা, নচা চেনখ্রে হায়হ্নন নঙসু ঐবু হুন্দোক্লম্মগ চেনখিবদি শৌনুকো।

লাকপি : নহারোল মহাক খঙনবশিং লমজাউদ চারব্রা ঐ য়েংজরমগে।

লাকপ : থেংনব অম ফারগ মমা লৈহ্নন চপখৎকদবনি।
( অনীহ্ন চংখ্রগ, মথন্দ ভাহৌ ভাহৌ চৎ )

লাকপি : অঙকপ মতমগি নহারোল ফিজেৎত, চাকচা য়ুথক, লীচৎ শাজৎত মপূংফাব নীংথা তম!
থকসি থাসি নাইত্রব, শারমচৎত সম্বন থাত্রব, মীন শাওনব, শা পোকপ করি ওক্লিংঙাইনো ?
(পুলিশ এ, এস আই চাইশ্রা, লম্বীদ লাওহ্নন লাকই)

চাইশ্রা : লম্বীগি নিয়ম ভাক্ল চৎপিয়ো, গাড়ীসু মীসু, সহরগি লম্বীদ জঙ্গল পুবিরকনো। ( থোরকই )

লাকপি : ইবেম্মা নঙবু নুপীরা নিপারা?

চাইস্রা : ঐ নুপীনি ইন্দোল।

লাকপি : য়ূম পান্দ্রিবা?

চাইস্রা : য়ূম পান্নগে চেল্লগে হায়রহন হনক্ত পাগঙ হমগ রাঁ লোইনজরে। হয়েং চেল্লসি ঙনেবগ ঙসি তুংদ হ্যাতিগি চঙব য়াদহন জিরিগাম কেলদ চংলুই হায়রা, ঐন হল্লকপ কান্দ নিপাদো অহল লমগ্ন রারকপদ য়েৌদবি অম চেল্লরে হায়রহন তারে। মতমসি ইন্দোল জাং অমনি ঙাইঙমনদ্রে।

লাকপি : করি লমদৈ নুপীনো, মমিংন করি কৌই হয়?

চাইস্র : মমিং মথা কৈরোই লৈকাইদি খঙজদে, হুজিক মখে য়হ নুপী থৈভম লৈতহন ঙাওহন চংলি ইন্দোল মশক মমিং ময়ুম মকৈ খঙবিগে হায়রবদি হোটেলদ লৈহোই মখোয়হ, উম্নবিরু, ইন্দোলখোয়দ থৈরব য়ানি হায়বিরু।

লাকপি : ঙাইখো ইবেম্মা বাবুনি, নঙগ মুংশিনরম্মি হায়ব নিপামচাহুদি মমিং করি কৌই?

চাইস্রা : কাওমচা হায়ব্রা থৈদেন কাও হায়ব্রা য়াম্ন খিগংপ লীলা য়াওব জোকরনি।

লাকপি : অহুদি ইবেম্মা মখোয়ন লৈহৌব হোটেলহ অমুক্ত ইনেদ তাকপিয়ু চা লৈগে।

চাইস্রা : ফনি লাকপিয়ু। (চংমিন্নখি)

( কুরেসীনা মাং থা লাকপ অমদি তুম্বা লাকই )

কুরেসী : ছুজিক নহারোলন পান্নরিবাস লমহেনবনি, মাইগি চৎনরোল হন্দব, মনাংতম্ম ইম্নাংব মহৈকেদ হংব — থিংব য়াদব।

তুম্বা : মী খুদিংমক মান মনমাংবহু গুংব পায়ব. অহনদি লেং থেঙ্গাইনব এক্সিডেন্ট লোকপ ঙহক লৈতে।

লাকপ : অহল লমন কিনদ্রে, ফতব মীচং শাজং লোইন উফুল ওন কম্নোক্লরে, বম্নোকপ চুম্লগ লোম্লরে, অথৌব শানরে। মীগ মীগ নুংশিনদ্রে। হাংন শুনবগি ঙমখে লৈত্রে। করিনো শেল খর পীরগ নেকপদ মী হাংলু হায়ব য়ানরে, মতমসিদ অঙম অথৌ মেজিস্ত্রেটগোয়ন মরাল লৈব মীদ মতিক চাব চৈরাক পিবিব চুম্মি।

কুরেসি : পীরিবনি লাকপ, অহুবু আইন্ন মবুক ফবসিদ কন্নব পাম্বে অম হেক্ক চোংথোরকই। ফরে— লেংও লাকপ, করিগুম্ব লাকপ থোক্লবদি ঐ খুদক্ত তাকচরক্কে। চহিবু কয়ামুক শুপ্রবগে নুপীমচাহুবো ?

লাকপ : চহিবুদি ১৭ তা ঙায়রিব, চাওব শাংবহুদ মীনদি ২৭ মাল্লব।

কুরেসি : থানাদ রিপোর্ট অম তৌবিক্লব ফৈ। লন্নাই ওইনস্থু খর থিবিদ্রবদি আজকালগি নহারোলদি কেকু লোৎপি য়াম্ন হৈনৈ।

লাকপ : অহুগিদি তৌজক্লনি। ব্রারৌব য়াদে লেংশিল্লো।

(সাল'ম তৌনা) থানা য়ৌরুশি তনা, মা·মতুন কদোমদা চেনগ্রে? (কুরেসা লৈহৌরে)

তুম্বা: অস্ম ইদ লৈম্ম য়াই। (তনাদু চংখে)

(লাকল তমরেমদ লকপিন কাওনিংগ মখুং ফাওগ লাওহুন চংলকই। থোবন মতুং ইল্লকই।)

লাকপি: হুরানব ফারে, হুরনব ফারে, মখে য়পবুং!

(লাকপন তত্তোক্না কলদগি লীলাবতী ফাবগ পুশি-লকই। মতুংদ ইল্লকই ফৈজাও, খুনু শর্ম্মা।)

লাকপ: নুপীমচা, ইপাগি লীলাবতী! নঙনা য়ুম থাদোক চেল্লখিবসি কনাদনো?

লীলা: চেনব নত্তে পাবুং। লীলা পা'টৈনা মথরাই চাক্লু লীলা অমুক্ত হিংগংহল্লু হায়বদ এনা থা তেকুক্লং লীলা য়াওগে হায়হুন য়াকুরে।

লাকপি: জুগোং চদব, থকশি-খাসি নাইদব নিপা মরক্ত করিগি থা তরুক লীলা য়াওগে হায়হুন য়ুম থাদোকইবা? নঙবু কনাই য়ুমদ লৈরুদোরিবনো?

লীলা: লৈভমগিদি লায় ইমা, দাদা কাওবিখোয়দ থা ১/২, দাদা ফৈজাওখোয়দ থা ১/২ লৈরুব য়াই। এন চাকস্নু পংয়াম য়াম্ন চাদবনিন থাকপস্নু ব্রারোই।

ফৈজাও: চাব থাকপগিদি করিস্নু লৈতে, লীলাবু য়াওবিগে হায়রবদি চহি কয়ানো থাকচগে।

লাকপি: নুপীমচা নঙবু ভাওরব্রাও? লীলা য়াওরগ নুপীদু

হেংরোগি ময়ূমদা লৈনব্রাও ?

লীলা : লীলা পান্নর্বনি ইমা। মতুই মথক্তা ঐ রিশাচ´ তৌজরি হিরম অমদ।

লাকপ : করি হিরমদ রিশাচ তৌবিব ?

লীলা : নুংশি কিশি হায়বতু কয়া লিংব কযা লোপ্প হায়বতু পূথোক্লিংব। মরম অতুন পাখঙ অখন্নব খরগি ময়ূমদ থা ১/২, ১/২ লৈকবগ থিদোবিব।

লাকপ : অঙকপ রিশাচ´, নুপীমচা নঙ মীন শেমজিনখিব তারে। অতুন ঙাওরিবনি।

লাকপি : অঙকপনিদ মৈতৈগি লাইরা মন্ত্র! ঐগি ইচা লীলা অতুক মরম ওকপিন ইকাই ঠকি খঙদন প খঙগি ময়ূমদ থা ১/২, ১/২ লৈরগ লীলা পান্নব য়াওনি নুংশি কিশিগি হিরমদ থিগংকনি রিশাচ´ তৌনি হায়বসিবু মীরোল রাংতবি করম্ব লৈশাবী শরীন হায়গদগে ?

লীলা : কলা চাউখৎনব বিজ্ঞান চাডখৎনব পাঙ্গল তিংব মতম মাংব পাম্মুভম থোক্তে।

লাকপ : ইবো তুম্বা, চৎলু নঙ মেজিস্ট্রেট কুরেসী অমুক্ত লেংথোরকউ হায়রু, নিংথিন হায়নবদ য়াদ্রবদি আইনগি মতেং লৌ নিপা খঙদে, নুপী খঙদে ফাহনব ডায়।

লাকপি : চহি ১৭ তা ঙায়রিবী লৈশাবী নঙন চেনব য়াব্রাও মপা মমান য়াদন। কাওবি হায়ব রা ঙাংদ্রিব হোদোঙ তুমিন লৈব চক্ষু ঙম্বসি ফাজিন থম্মগ রা লাকনি।

কাওবী : থাডবিদু হৌরেবস্মা ঐহাক্কু নচাইহ্রবস্মা লীলাদু চেনব নচ্চদে। লীলা লৌবিহৌরো পাঙ্গবিদ্রগ ঐ থাদোন ফামনা চেঞ্জখ্রগে। (চেনখি)

লীলা : চেনখিব যাব্রাই কাকাওবী। হায়নখিব রা চেংলবু নিপাবাও? (ভাম্নখি)

লাকপ : হরে হরে! ঐগি ইচানুপীন চেনখিব নিপাবু ফাগে তানব! ঐ শিবন ফরে, রাধে রাধে!

(রাস্তবদ ময়াম্ন লাইকন্না জমাই হম্ব ঈশিং যৈদ নুংশা থিনব হাসপাতালদ পুসি হায়নব, 'কুরেসী, তুম্বা, অতে অতে রিএক্সন পীনব মান মান থোক্পা)

২/১

ভারাঘর, নুংদাংরাই
কমুং মচা ১, মোংভা ১/২, কাল অম অনী
"বালি হাৎপা" লীলা তম্ব

খুনু : 'বালি হাৎপ লীল" তম্বা তারি, কাষ্টিংদি ডিরেক্টর খুনু ঐ তৌজবগে রা য়াম্নমুসি।

ময়াম : য়াজরে, বেরা তৌনরোই।

লীলা : ঐদি ওকুবী মুপীদি শাজনীংদেকো ?

খুনু : শাহল্লোই ইবেম্মা লীলা, নঙবুদি সতী তারা শাহন্নি, বালি নিংথৌগি মহারানী।

লীলা : থেঙক য়ু ডিরেক্টর।

খুনু : সুগ্রীবগি মুপী উমাদি ইবেম্মা সন্দ্রেম্বী নঙন শাবিব তারে।

চৈত্রা : ঐগি ইমিং সন্দ্রেম্বী নত্তে, চৈত্রা হায়বনি সার। চিলহাও থিজরোই ময়ামগি কনব এনী পার্ট বেরা তৌজরোই।

খুনু : দিয়ার কাওমচান বালি নিংথৌ শাবিব তারে।

কাও : য়োং নিংথৌ বালি। (মপল উৎলি)

খুনু : মপা লৈচব অক•ব। মনাও ইবুংগু সুগ্রীবদি কৈফাও বাবুন শাবিব ঙারে। য়াবিরব্রা?

কৈফা : ইবেম্মা উম শাবি চৈস্রান বেরা তৌবদ্রবদি হাঙারে।

চৈত্রা : কৈদৌন অপ ম খল্লদাগ লীলাদাবা, ইরাইবক ফবানে ওয়োগি ননাও শাজব ক বদি।

কৈ : পেঙক য় দলিং।

খুনু : ভায়া পোবন দশরথ নিংথৌগি মচাইগু অহল রামচন্দ্র শ বিরো।

থোব : ঐদি বেরা লৈজদে, লক্ষ্মনবু কনান শাগদগে? মী শুনরিব্র?

খুনু : ঐ লৈজরি, লক্ষ্মন শাজবে খুনু শর্মা নৈ য়াম্ব,, অতুদি লীলা ভম্ব হৌবস মাই মাং ফিভেং চাকচা কাবক কাবক শেম শানবসি।

(ময়াংচু মেক অপ তৌনৈ, য়োং শাব মশেল, নুপী মশেল অর্মাদ লাইমী শাব মশেল। য়েংগি ফুরিং লিংলি, মমাই খর হাপ্লি, লক্ষ্মন জটা পুক, তেন্দাং তেন পায়, লীলান রাণী শা লুহুব উপ্লি খর কে। বালিম্ম লুজব অম উপ্লি, নিংথৌগি ধমকা তৌই। মেক অপ তৌবহুম্ব কোংন লীলা ওইন নুংঙাইহন্নব তৌগদব শমনা।)

খুনু : হৌরগে লীলা — লোইবিরো হন্দোকপিরো, ঙাইথো

কির্স্কিন্ধ্যাবাসী ইচিন্নাঙশিং, যো‌‌‌ কেঙ্গোলসি মশিং য়াম্মন্দে য়ামত্রবদ মীহুং লোম্নব তাসতা ঢুরীগুম্ন জোকর-গুম্ন অমত্তুদি থিমিনা?

কাওবি : কাকা তুম্না কেকসিরা শেল থর পীরগ য়ানি মাদি।

কৈজাও : পাটে ফগ্রবাদ য়াবকশুই। করি শানবনো?

খুনু : হনুমান মন্ত্রী নত্রগ দূত।

কৈ : মন্ত্রী শানবনি হায়সি, দূত হাযরুনু।

থোৗব : মাবুদি ঐ য়াওহনগ, লীলা হৌবসে।

খুনু : ঋষ্যমূখ চীংদ রাম লক্ষ্মন স্নুগ্রীবগ উনরে, সীতা উদ্ধাবদা অগুম্ন তেংবা থবাই ফাওব পাম্মদনা পীজগ হায়রে য়োং-শঙমগি লান্মী হূপ্ন। তৌবদদি কিস্কি-ন্ধ্যাগি নিংথৌথুভম্ন অমদি মাগি মুপী উমা বালী নিংথৌদগি মুল্লগ হজিনহনবিয়ু হায়রে নিংথৌ কমদাবব স্নুগ্রীবনা।

রারী মথাদি মরুপ অরাং তুইন রাম শারগ লক্ষ্মন শাব ঐগ রারী শাবদে তাবিসি।

(খুদক্ত মফি হোং লীরুং তেন্দোং পায়)

রাম শাব (লীরুং তেন্দোং পায়): কয়ম্লো ঈনাও লক্ষ্মন মতৈমা সীতা কন্নবগিদমক, অতোনব জাংত পোকপ য়োং-স্নুগ্রীবগ ইতাও শান্নরুরে, মীন ঐবু থীন ভাংনরগত্র খত্তদে।

লক্ষ্মন : পাংলিতৈদি হয়িংদদস্নু হায়ভনৈ হায় অশিবশিংন করিস্নু

করিস্ত কায়দে য়াম্মুং কিস্কিন্ধ্যা লৈব কসি ভঙ্গলনি, মী কনানস্মু লকুরোই। হুই, হৌদোং, য়োংনচিংব তাংতে নব শাশিংবু তাইবং মীন ভুংদ লুন তৌনহৌনব ফনবু ঘরে।

রাম : মরূপ শানকুরবনিনা মরূপকি য়েকুব বালী নিংথৌ হাংলগ নিংথৌ খুভম মুনব তারিদো, ফরিব্রা ফঙ্গব্রা খঙদ্রে।

লক্ষ্ম : সুগ্রীবন লাল্লবস্মু চুম্মবস্মু মরূপ ওইকুরবনিন চুম্মি হায়ন লৌ, য়েকুব বালী হাৎপ করিস্মু কায়দে য়াম্মুং।

রাম : চাউখৎলব ঐখোয়গি নীংব থুংনব পাম্বীশিংবি, শা-চেক লাইবক থীব জঙ্গল মচা ঈশিং মচাশিংদি শিফৈনা খংদি করি হায়বগে লক্ষ্মন ?

লক্ষ্মন : শিশনু ঐখোয়দি হিংনবা য়াবে য়াম্মুং।

রাম : অদুদি সুগ্রীবং কৌরে', মচিনমনাং খংনৌ ইস্লিনসি। মখোয়নীন খংনবিগি নৈন লোম্না তেন্ন তম হাংকে। ঐবু পাংলে, হুরন লম্মায় চোত্নি হায়নখিদ্রা ?

লক্ষ্মন : কবিগি হায়নকুদগে, পাঙ্গলদ তেনস্মু হৈবদ অবাংব থাক্কি ডিগ্রী, সার্টিফিকেট পায়বিরিব য়াম্মুংবু, ফিশাব হৈতব, চাক থোংলগ চাদব বালী নিংথৌবু কিরম্নি হায়ব ঙমগদ্রাও ?

রাম : অদুস্তনিকো, নিংথৌ মচা অচৌ-অশাং মচা ঐগোয়ন শা তানব চৎপদ ফাদৌরিব হাংতৌরিব ঙাশাদুদা পাংদে হায়খিদনব মাংজৌনন তাক্লব্রা ?

লক্ষ্মন : তারুদে য়াম্বুং — করিমতা চিংনবিন্ন। ইতৈমবেম্মা উদ্ধ রগিদমক তৌরিব থবক পুম্ব অফবনি অচুম্বনে। ঐ তাদ স্বুগ্রীব বৌক্তরুগে ?

রাম : ভাইখো লক্ষ্মন, ইয় ম্বগ ইতাওম্বু শাম্নররে মতম থর কিস্কিন্ধ্যাদম্বু ময়াম্ব বালীন লান চংখিনগৈগ নিংথৌ ওইরুরে হায় - , তাদ কৌন্নু ত'মো নত্রগ য়াম্বুং স্বুগ্রীব মকৌশম্ভ অযোধ্যা মচা ব্যবহার ফজে হায়নবয়েং শংমশিন।

লক্ষ্মন : ফনি, ও ! তা হনুমান, মাননীয় মন্ত্রী। তাবিরিব্র'ও য়াম্বুং স্বুগ্রীবহ্ শোমদ ভংহাক্ত ঐখোয় য়াম্বুনে উন্ননাংই হায়বিয়ো ?

(স্বুগ্রীব চেল্লকই নুংশা মপি হোন রামগি খোঁউদা কুন হঙ্গংলি মখুং লোম্ন)

স্বুগ্রীব : করি সনায়াথং ?

রাম : ইতাও স্বুগ্রীব, নয়াম্ব বালী হাংলগে, নঙ খংনব হৌ। ঐ তুংদে লোম্ন তেন অথৌব অমনা লোইথোক্কে।

স্বুগ্রী : ইতাও ইবুংঙো, কুইনদি লাক্কহনবিনু ঐখোয় তাদসে ঐঙোন্দে য়াম্ন হেন্ন কল্লিকো ?

রাম : থঙেঙ ইতাও, তাঙ্গা য়েংলগ খুংকাপ অমদ হেক্ত লোইনি। কিগনু চংলু ইতাও, স্নথোঙদা লাল্লাও লাও, লান্সিংনরু।

স্বগ্রীব (খুকম্ম )ঃ কৃপানি ইত্তাও ইমুংঙো (তল্লপ বিন চৎখি স্বগ্রীব )

লক্ষ্মন : যেংঙোই য়াম্ন স্বগ্রীব, ঐখোয় উ মরুমদ থুপচিন্দুনা লৈগে, করিমত্তা কিল্লু ।

স্বগ্রীব : কিষ্করাই ( নিক্তি নিকই ) রারৌবদি য়দে কাউবি-রোইদবদি, ঐঙোন্দগি বালী নিংথৌন য়য়া হেন্না কল্লি ।

রাম : খঙেঙ ইত্তাও, কুইহল্লোই । (খর চংগ্রগ উকমদ রাম লক্ষ্মন লৈখি স্বগ্রীবন লাওখি )

স্বগ্রীব : কনা লৈ মঙোঙ ভাকপশা? কিষ্কিন্ধাগি নিংথৌ তাংবন্দ ফম্লম্বা স্বগ্রীব লান্দারক্লে, লান্সিংলরে তেম্মচো নবুংঙোদা। ঐবু নিংথৌ ওইহনব পাম্ন য় ওরগ ঐগি মিচং চংলো, হয়েং ঐন সিংহাসন্দ ফম্মগ নফম চাউহন্নি। জৈ জৈ নিংথৌ খুভম হজিল্লীংব স্বগ্রীব ফমদাবগি জৈ !

বালী (হোন লাওরকই ) : কনানো হা! মরোল অন্থম দিখিজয় ওম্ব বালী নিংথৌগি থোঙ্গান্দ নোংজু হঙোই খোংল-রিবা? নপিন নোং ওই হৈথনীংদ্রবদি নথরাই মাংনীং-দ্রবদি চেঞ্জহৌ বালী নিংথৌ থোরক্লিরেঙ?

স্ব : ( কিরম্বদৈ, ফন ফন চোং য়োংগুম শাজেন তৌই )

বা ( থোরক মঙকপৈন ষেং ) : কদায়দ য়োংনাও মচানো, হৌ হৌ চোংলিবা? হৈ, স্বগ্রীব! নঙ অহুক পাংদবন ঐ লৈরিঙৈ নিংথৌ ওইনীংলিব্রা? কনান ইনসিল্লি

অপঙবা ঃ নংবু ংম্ব নয়াম্বদ লান শীংলিব নঙবু নথরাই থ নীংলরা ?

সুগ্রীব : মাইপ কুব হন্ন হন্ন হোংনব অহিংবৈ মখৌ ।

বালী ঃ লা'ও চেংশিল্লকউ নয়াম্ব হাংলগ নিংথৌ ওইনীংবা নমা নতৈমা মশক খঙদব য়োং !

(বালীস্থ হৌ হৌ চোংই, য়োংগি মখোং খোংনৈ— ধমকা তৌনৈ তাঙ্গা য়েংনৈ )

সুগ্রীব ঃ তাচৌদি মচন মনাওনুপী মশক খঙবা য়োংলা হৌদোংলা ? চোংশিল্লি খোংনৈ, চিকনৈ ঙহাক অমুক হন্দোক্লে সুগ্রীব মতুংদ য়েংই, মখুং খংলি )

বালী : য়েক্লবগ লাম্বা তৌনরিঙৈ, নতুং হন্ন য়েংব্রাও পুকচাওব হন্দক্তি নথরাই লৌরগে নঙ, নতৌ য়েংলিব বালীনে ঐ, নুপী অঙাংন কপকনি হাযতুন তৌবিদবনি ।

(চোংশিল্লগ চীক্লরে, কোন্নরে, খরো মারো ওনমিন্নরে, বালীগি মবুক্ত সুগ্রীব জ্ঞানমাং ফমথরে, য়ৈব ঙমদন লেকথরে বালীন নোক্লগ ইস্থূরে। (লাকনরিঙৈ রাম্ন তেন ভম্মগ তোকই )

বালী : ভাব তারব্রা সুগ্রীব ? নতীক চায় চাদে থন্দন নফম চাউনীংগনো লোংন তুনিংদ্রবদি, মুংঙাইব্রা ?

(পোংলগা চংখি)

রাম লক্ষন হনুমান চংলগ লাইকন্নে, মশা নোইবি,

ঔশিং য়ৈরি, হৌগংলকই ফিংন হনুমানদা এক্তক তৌ।

সুগ্রীব : হন্দাক্তা নহাক্কি পাঙ্গল থংহনগে কে।

হনুমান : ঐদি বালী নঙে নিংথৌতোক ইবুংঙো।

সুগ্রীব : ওহ! ঐহাক রাস্তক্রমাল্লে। ইতাও ইবুংঙো ঐন হায়জবতুনি, যাম্ব নিংথৌ বালীসি য়াম্ন কল্লে মাই মমৈদন রাবন নিংথৌবু পুল্লগ থোঙ্গা ওইহন সমুদ্র মপান্দ, মথক্ত তোংথা ৬ লাই নীংব নিপানে।

রাম : বারৌমু ইতাও, নশক মাগ্নমনগ্রতুন নচীনাও ঐ তেন কাপ্প ঙমহৌদ্রে। হন্দকমক্ত থেংনখো, নশক থঙনব নঙক্না লৈ অঙাংব পবেং অম শিখো।

লক্ষ্মন : চংলু হনুমান, লৈ অঙাংব পরেং অমত্ত লেংউ।

(হনুমান চংখি, সুগ্রীব মশাগি অশোকপ মফমদ নাল্লি লোই)

সুগ্রীব : হন্দকমক্ত থেংনজখো হায়ব (থল্লি), ইকাও ইবুংঙো, হন্দক্তি থর ঙল্লপ মমব হৌবকপদ-কো নত্তে বারৌ বিবাদ যাদে, ঐখোয় তাদসে কনবক্তাংনি।

রাম : কল্লমগনি, অতুগা ঐগি তেন্দি ফন কল্লবসু লৈতবন ঙাকপ ঙম্মোই। অতুন কৌথোকউবা, ঐখোয় উজাউ অসিগি মকুমদ থুপ লৈগে, করিমত্ত কিগনু। (লৈপবেং শি হনুমান্ন পুবকপ)

সু : জৈ, রামজী প্রভুগি জৈ! (সুগ্রীব চংখি, অতেন হনখি, সুথোঙ মনাক্ত) সুথোঙ ঙাকপা কনা লৈ?

অমুক হন্না লান শীঙলরে, নিংথৌ খুভম পাম্ম সুগ্রীবন, হায়তুন তমজরু। জৈ জৈ, নিংথৌ ওইরগদব সুগ্রীবাগী জৈ! ( ছুাই লৈ )

বালী ( ফাক ২ নোক ): নিংথৌ ওইনীংব সুগ্রীবনিনে তারা। করিগনো মঙন ঙসি ঐবু লান চৎখিনু হায়রতুন খাম্মিবনা? সুগ্রীববু বালীন কিগদ্রাও?

তারা: নম'ইবু ঙাকপিমি ইনিংথৌ, ঙবাংদ রাম্বতুন মাইথীব ক খিব সুগ্রীবন ঙসি অমুক অকিব খঙদন লানশীঙল-বিবসি মতু দা কনাগুম্ব মতিক লৈব অথৌবন ইন্সিল-লকপ ওইরিনি!

বালী: কনা মতিক লৈব মীফঙন মীগি মচিনমনাওবু খংনবব ইন্সিল্লনি?

তারা: ননাই ঐন কিস্কিন্ধ্যাগি রারেম ঙাংবিশিংদৈ তাজবদি অযোধ্যাগি নিংথৌমচা অনী রাম লক্ষ্মন সীতা মাং-গিব থিরি, সীতা চুখিবন রাবন লঙ্কাগি। সুগ্রীবন চিংব য়োং শওমগি তেঙ্গোল মতেং লৌরগ লঙ্কাদ লান্দানব থৌরাং ওইরম্ব য়াই। রামচন্দ্রদি ধর্ম্ম লৈব লাইগি অবতারনি হায়রনৈ, মতিক মহৈদ মপা লৈতব।

বালী: ধর্ম্ম লৈব মহাক্ত করিগি ইচিন্নাও রেংথীনব তেম্বংনব অমদ মীচং চংশিনলিবা? করিম্বু লৈতব রাবনদগি

সীতা মুন্নব সুগ্রীব পাংদব অমদি মাগি কেংঙ্গালবু লাংবাংহন্দোব। ঐগোন্দ হায়রণদি নোংমদ রাবনবু ফাবগ সীতা কনব ঙমগদোবদ! ওস্তোক্লস্‌ তাইওল্লগা হে তাইবং। ফরে ওইনীংব ওইজনস্‌, ইরাল লৈতব ঐবুদি ধর্ম্ম লৈব লায়গি অবতারনি হায়নব রামচন্দ্রন করিগি য়েংথীভম থোক্কদগে? করিমত চিংনন্‌ সতী তবা, সুগ্রীবসি লম হেন্দোরি, রারকংহোদব য়াদে মহাং চারিডে।

তারা: ঐগিদি থামজরিবনি ইনিংথৌ, মঙ-হানগ মুংচাইতবগ ইচা অঙ্গদনগ পিক্লিবগ, ইতিক্তি নক্চদ অথোব। (সুকথন লৈ)

বালী: কারমত চিংনন্‌ সতী, ধর্ম্ম কায়দব বালীনি, ধর্ম্ম লৈব মীরাই রামগ করিমত য়েংথীভম থোক্কে!

তারা: মঙ্গল ওইবিরকউ। (খুরুম্মগ লৈহোই)

বালী: অঙাংচু লাপ্ল কেংইথোকহনগন্নুহে। (চৎখি)

(থর চৎলগ সুগ্রীববু কোইন য়েং থিরগ)

কদায়? কদায়দ লৈরে বালীদ লানশীডব সুগ্রীব হায়ব অপঙব মীন ইল্লিল্লগ য়াবদো?

সুগ্রীব: প্রজান য়াব সুগ্রীব সিদ লৈরে। (মফি শেল্লৈ চোং-শিল্লৈ খোৎনৈ চিংক্লু কাওনৈ নম্নবদ থরো থরো ওন্নে।) উরুমদ তেন শিঙচুন রাম লৈরি। নম্নরকপদ সুগ্রীব মথক্ক বালীন ফম লৈ)

বালী : কদায়দৈ খোনানো সুগ্রীব নঙন বালী ঐবু শীঙন-নকরবা ?

( খুদক্তু রাম্ন তেল কাপ্পদা বালীদ পান লৈমাইদা হায়-থখি ।) কদায়দৈ তেন্নো ঐঙোন্দা পাল্লিবসে, আঃ ··· আ ··· ··· বিষ্ণু বিষ্ণু !

সুগ্রীব (হৌগৎলগ) : জৈ জৈ, সুগ্রীবগি জৈ ! কিস্কিন্ধ্যাগি নিংথৌ ওইরগদব সুগ্রীবৈ জৈ !

বালী : বালীবু নঙন ওস্নাও শাগৈগি মৈতাল অশিব নঙদি সেঠ্যল কাষ্ঠ পুম্নমকপু মাংহন্নব পোকপা চাক চগ্রীংনি । আ : — আঃ !

(রাম লক্ষ্মন হনুমান থোরকই । তারাসু, কপ্তূন চেম্থোরকই ।)

তারা : ঐদি মাঙলে, ঐদি মাঙলে ! কিস্কিন্ধ্যাগি মবুংঙো তুরে । নচা অপিকপ অঙ্গদদি কনাদ শিন্নবিরম্মে ইনিংথৌ ? হৈমা ! কদায়দৈ তেন্নো মচানমনাও থৎনবদ কনান কাপ্প তেন্নো ?

রাম : সতী, রাম ঐন মরূপ সুগ্রীব কন্নব কাপ্পবনি । মরূপকি মতেং পাংগে রাশকলুহ্না ।

তারা : করি ধর্ম্মনো, হে রঘুপতি লায়গি অবতার ধর্ম্মগি মীচং রাম মচিমমনাও থৎনরিবৈ, তুংদৈ লোম্ন ওমথীরব তেনসি কাপ্পিবদি করিগি খোনামকনো ? সীতা মাংখিবৈ মহুৎ য়োঃ মো ঐন শিঙব য়াগত্রা ?

রাম : চৈয়ু সন্তী তরা, নঙন চৈনীংব মওঃদ থীন চেয়ু ঐহাক ল'মুরে।

তারা : সীতা উদ্ধার তৌব ঙম্মিরবস্তু রাবনগি মথুংইত, ঐন খায়ন মৈচ'কন রারিব অস্ত্রম্ম অমুক সীতাগ কায়নতুন অরাব ঈপাক্ত লুপ্পিয়ু।

বালী : করিগিনো হে র'ম, ধর্ম্মাবতার নঙন ইর'ল লৈতব ঐঙোন্দ অরে নব তেন কাপ হাংতোকপিনীবা?

রাম : চুম্মি ঐ ল নখ্রে বালী নিংথৌ। নহাক স্বুংাদেবগি মচ'নি, নঙগি মতম শুরহুনস্থু তৌবনি। স্বর্গদ নুংঙ্ঙ ইন লৈরুরদোবনি।

বালী : ইচা অপিকপ অঙ্গদবু ননাইগুম্ম লুনা তৌবিয়ু প্রভু?

রাম : স্বগ্রীবন নিংথৌ ওইরগ অঙ্গদন যুবরজ ওইরনি। মাগি য়াইফনব ঐন শিনগনি। হয়ে, মপে ক্ত লমনস্থু খুমহন্নি।

তারা নন ই ঐগিদি করি ইর'লন হে রাম লুখ্রাবী ওইহন-বীবগে?

রাম : নফম তারোই লাঞ্জদবী নঙদি, ইতাও স্বুগ্রীবগি ওইদ ফম কিস্কিন্ধ্যাগি পর্মেনেন্ট মহারানী ওইথখিনি। ইতাওগি ইবেম্মা উমান অনীশুবী রানী।

বালী : নখোঙ থম্মালহু অমুক্ত হে রাম! (ফি খাজিল্লে। মপান্দ দিরেক্টর ব্রারীমখা লীথখি)

খুম্নু দিরেক্টর : বালী নিংথৌ স্বর্গ কাখ্রে, সংকার লে ইখ্রে।

কিষ্কিন্ধাগি সিংহাসন্দা সুগ্রীব ফমখ্রে নিংথৌ ওইন, সতা তারান মহারানী: উমান সেকেন্দ রানী, অঙ্গদন যুবরাজ।

নোংজুথা ওইবক্রে, মাল্যবান চীংথক্তু রাম লক্ষ্মন খাংপোক মন্নুংদা নোংহাংব রান ডায়রি। সুগ্রীব নিংথৌন নুপী অঙং পেলহন কোনুংদ হয় ও কুইম্ম মথল মথেল শানরি। নোংজুথা লোইখ্রগ, শরৎ ঋতু নোংহাংগা ফাওরক্রে, অদুবু সীতা থিবগি রা কাউখ্রে সুগ্রীবদো। হুজিক মীংয়েং তবিসি কিষ্কিন্ধাগ কোনুংদ মহারাজ সুগ্রীবগি রায়েন থোরম।

( চংখি )

কোনুংদ সুগ্রীব সিংহাসন্দ ফম্মি মনাক্তু হনুমান মন্ত্রী ফাইল পায় রাকংনি।

হনুমান : করিনো ইনিংথৌ মন্ত্রি ওইবসিদি নুংঙাইদোবই নিংলম্মি, ইমাই চোপকে, মীরা তাগে খল্লব ওইবম্মে।

সুগ্রীব : নৌরিগুন তৌবনি মন্ত্রী হনুমান, খর কুইরগ হৈনরকখিনি মাইকনব ইকাইখঙদবসিদি। লৈবাক্লগ লায়রব লৈবাক ওইরে, মহৈ হৈব, খুৎশা হৈবসু রাংলে য়োং শওম প্রজাশিংন। নোংমৈ খর ফরক্কনি, থাংব কনবদ তম্নিরগ লোইরে প্রজাশিংদ। করিনো মকোক রাই চিল্লিববো ? প্রজাশিংগি অনৌব রাকৎ করি করিনো ?

হনুমান : বুদ্ধ ধর্ম চংপ, রামান্দি ধর্ম্ম চংপ য়োং শওম প্রজা

ফাওব মবুক থন্দরদে, নিংথম ফি রাংপাদে থাডথেন পোক্লাওবি পায়ন মুম্নরে লাকুরে হানরে শুনরে। থবক শূব কাংবুন অরামন মতিক চাদে ররেন্ন স্ত্রী ইক চথরি।

সুগ্রীব : স্ত্রাইক হায়বদি কবিনো হা? মন্ত্রী?

হনু : চাবদি লেপ্পব থবক শূবদি লেপ্পবু স্ত্রাইক কৌই ইনিংথো অঙাং নত্তৌব নিংঙাই।

সুগ্রীব : করম্ন লোইলমদে রাইরুব খুংলাইনো অহুদে!

(মথদাং মেং চিন্তা তৌরিঙ, তারা উমা খংনরকপ চৈনরবপ মখেল তায়- মনা থাক্তং তানৈ)

উমা : মহারানীনি হায়হুনস্ত্র মী অতৈগি মরল, মতম নেং-খায়হুন পানব য়ারোই!

তারা : খুংশাসি খুবী খুনাওবী খাযবনি উমা, নতিক নপা চাদন নিংটাই তৌনু অফংব খরন পেনব তম্মু নবাই-বক্তুম ফমনাথ্রে।

উমা : য়ূমদাগী কয় নাই হায়বতু তৌবিরব্রাও? হুজিক কিস্কি-ন্ধ্যাদ নিংথৌ ওইরিব নিপাসি কনানো? ঐসে মঙ্গোন্দা ইহান হান্ন লূহোংফান্দ ফম লৈ হুবখিবী মুপীহুনে।

তারা : অহু ওইরবস্ত নিংথৌ খুভমদি অঙ্গদ পাবুংগিকৈনে. পামে-নেন্ট মহারানীনে ঐদি। পারেল পুরোন্দে চংনরক মতুং ইন ঐন মহারানী, নঙন ইখা থংব সেকেণ্ড রানী। ঐন হায়ব নঙ ইনব তাব, পোং অনা য়েন্নবদ ঐন

অপাঙ্গ খলহৌরগ ঐগি খন্দোকখাক্কু নঙন লৌজ-
হৌব ত'ব :

সুগ্রী : করিনো করিনো ? লাওনরিবী অনীহ্ কৌশিল্লকউ মন্ত্রী, ওয়োকপ লইবকনিদ সত্তা ! নিংথৌ কয়া রানী ২০০/৫০০ লেনব য়াওই খংনন হায়ব ত'দে।

হনু : ইবেম্মা অনামক থংন লাওনদো শরুক, ইনিংথৌদ বিচার তৌহনবিরো লেংসির্নবিরকও।

তারা (মাং থা শাওন চংলক) : তা হনুমান মন্ত্রী, ল পন লৈবিরু, অয়োনব রারী খর শগে।

( খুরুম্মগ থোকখি হনুমন )

সুগ্রীব : করিনো করিনো নচিন্ননাওন খংনরিব লাওরিব ? নৈব'ক্ক স্নুক রানহুন চাব রাংপসি, লৈনব যুম খুংদবগি, ইস্ত্রাইক হায়ব্রা করিনো চণ্ণরি, থবক শূনদনা চার তুম্ম ষষ্ঠী পুজা শোন ইঁড়া ইঁডা কপ্পবি, মৌশবী নখোয়নান অঙ্গাংশা কপ্পিবদি করিগিনো ?

তারা : লালুপকি নুমিং য়েন্নব য়াম্ন চোপ্পি মসি নুপীসি।

উমা : চোপপিবসি ঐরা ইচেমা ? নুমিং ৭ নিনা শাব চয়োল ঐঙোম্দা ছুম্নীদ, চয়োল ৫ না শাব থা ঐঙোন্দ চয়ো'ন অনীদ !

তারা : নরাইবক্কুম ফবনি খল্লু। শাওরক্কনু চোপনা।

উমা : কুমশি নোংজুপ্থাসি ঐগি ওইনি ইচেম্মন, হায়বিগিদ্রা ?

তারা : হায়গি. নো জুপ্থা খোঙ চোংপ হল্ল ইমুংল মৈনাক মৈনাইংব। মঙ্গোন্দ নোংহাংথা পাঁ বগে ত্তোরম্ম।

উমা : নোংজুপ্থা লোইরমদাইসিদ ঐঙোন্দ ওইজরো শরৎ ঋতু নোংহাংথা মহারানী মাপি ওইরগে কায়য়ে। সিবু কনানা শা ওনীং ওইদগে ? (কপ্পি)

তারা : নঙনা কপশিন্নরিবত্থদি নপি অইংবনি উমা। ঐন কুমশি ইমীৎ অনীদৈ শিন্থখিব পি চফু অনীহৃদি জি জি শোন শাব মনিল কাবনি। ইংহৌরব হকচাং শাগংইনব ভাব,

সুগ্রীব : কপকন্নু উমা, কুমশিদি নচেম মহারানীন হায়রিবমখৈ ইনব ভায়, থাংব তম্মু।

উমা : ননাইবু ইপামদা থিনবিবো, রানী ওইব তঞ্জরে।

তারা : থিন্দ্রবস্থ নখোঙ পাল্লি হেক চংখো, কালেন চংলক্লগ লাকউ। (সুগ্রীবগি মনাক্ত কেথরুই মনঙ্গলদ মমাই থম ) (বালী শারস্বন লোম শাওই)

উমা : ঐনা হজরিবসি ঐগি নিপা ইনিংথোদনি।

তারা : নিংথৌ হায়বসি য়োংনুবী, নথন্দগি শেঙ্গাও খুনাং চাবব ওইব য়াদে প্রজা পূম্বগি মপানি, মতৈনি থঙল্লু।

হনুমান : রারোবিম্নু ননাই মন্ত্রী চংজরক্লে, তঙ্গাইকদবন

সুগ্রীব : করিনো মন্ত্রী, করম্ব শাবাও লানবাও ?

হনু : লেংলক্লে থোঙ্গান্দ মনাও ইবুংঙো লক্ষ্মন, নোংজুপ্থা

লোইরে হায়জগিবৈ।

সু: লক্ষ্মন হায়বদি ?

হনু: শ্রিরামচন্দ্রগি মনাও ইবুংঙো, সীতা মাংখিব থিনব থোদাং কাউবিরব্রা ?

সু: সীতা মাংখিব! (খল্লি, নি শিংলি) ওহ, চুপ্পা সীতা মাংব ফংনব থিগে হায়নখিমানে, চুম্মি-নৈ।

লক্ষ্মন (শাওন চংলক): সুগ্রীব নিংথৌ!

সুগ্রীব (হৌগৎ, মখুৎ লোন্না) প্রভু, রামচন্দ্রগি মনাও ইবুংঙো।

লক্ষ্মন: নঙগি নিংথৌ খুভমসি নপাঙ্গলনরা ?

সু: নচ্চদে, নয়াম্বুংগি থৌজাল।

লক্ষ্মন: য়াম্বুংনে নারক নৈবা য়োং নঙ্গোন্দ করিগি থৌজাল ?

সু: ইবেম্মা সীতা খিব য়াওনব।

লক্ষ্ম: থিরুরব্রা ? নিংথৌ য়েঙ্গাং মথেল মথেল চাবদ কাউরেনে নঙ ?

সু: নোংজুথা লোইফাংতরুন, চিফেৎ চিফেৎ—

ল: নঙবু মপান থোক্রুবাও ? নৈমশিঙশিংগি কা মনুংদ লিকোল শানতুন ঙাক নৈরবাও ? কিস্কিন্ধ্যা পুম্নমক নোং হাঙলে, কোনুংসিদদি ইমুংদ নোং য়ুব্রাও ?

সু: রারৌবিমু মনাও ইবুংঙো, ননাই এখোয় হয়েং (মখুৎ থেক) হংচিৎতগি থিব হৌজরগে।

ল: হয়েং হংচিৎ ঙায়ব য়াদে ঙসিমক থিব হৌরো নত্রগ নহাল নয়াম্বুংগ লোয়নখিব তেন্দো কয়া থৌবগে হায়ব

নড়ুস্নু নগাও যে ও।

সুগ্রীব : (ফুক হৌগং) ননাই ঐ হৌজরগে ?

লক্ষ্মন : অহুদ চংমিন্নর্বগি লাকও !

সুগ্রীব : হানবিবম্মা, ননাই এ লাগী খোম্নগ লাকচবগে, মসি সেনাপতিসু ওইরো, লানগি পুংজাউ থৌদ্রু, লাম্নী শুম্ন কৌখংলো।

(হনুমান সালাম তৌরগা চংখি)

ল : ঐহাক খোদান্দ কম ডায়রমগেকো ?

তারা : লেংস্নু লেংসন্দ্রে।

উমা : কারমতস্নু ফান্দ্রে, হৈবোং অমুনবদি লৈবিনি।

ল : (মশক য়েংলদ) নুংডাইরবব কোনুংদ ঐ ফম.দ্র, করিমতচ দে ত্রতস্নু তৌরি। (চংখি)

উমা : কল্লক পেল্লি, নোংজুথা লোইখ্রে, শরত ঋতুম লান্দ লেংখিদোরে। (চংখি)

তারা : সীতা থিবাসনু মখোয় কাকা অয়ুক নুংখিলদদা থিবিদোব নল্রা ?

সুগ্রীব : লাম্মী ময়ামদি অয়ুক নুংথিল নুংদাং থাক্কন লিব চংহনগান, ঐখোয় মকোক ওইব থর দি নুংদাং নুংদাং

তারা : চোয়নে, নুংদাং নুংদাংদি কোনুংদ হনবিবকপ নৈদে।

স্নু : হল্লকনি, অহুদি ঐ চংলুখিগে, উমাগ থংনগনু। মাদি চহি য়ামদ্রিবনিন জ্ঞান থর রাংলি।

তারা : করিনো মী পীকপ তৌবনি, ঐঙোন্দ মাম থা তরুক মনবনে মিংগৌভম য়ানদহুন। (নোকফেং)

স্থ : হোয়নে, অহুনিনি নঙন হেন্ন তদেক তদেক উরিবা। অহুদ ঐ চংলুখিগে।

তারা : মঙ্গল ওইবিরকউ। (মকোক খুম্ম খুরুমই)

স্থ (লেপ্তুন ঙহাকয়েং): জঙ্গল কয়া কাওহুন চংলুনি, করি করি উহৈ অপাম্ব তপকনি?

তারা : নোঙ্গাংহৈ অমুনব মথজাই ভাংশং— স্থক য়াম্মা!

সুগ্রীব : কোমলাদি? (খর চংসিন য়েংই) লফোইস্থ কজব ফংব রাই।

তারা : মুন্দবদি চানীংদে।

স্থ : হৈতুপ কজব জাংতি?

তারা : হৈখাগ হৈতুপ অফকপগদি নঙ য়াম্নংগি ফিরোই য়ৌ-দ্রিফাওদংদি হেনখিব তায়। (কপাশিন্ন)

স্থ : যাত্রা তৌরমদাইদা নমাংতে পি?
(লক্ষ্মন ফিংন চংলক, সুগ্রীবগি মখুদাং পায় পুথি।)

ল : নুমিংশি আঃ য়ৌগ্রেনহৈ। (ময়া খিগৎ তারানা য়েং লৈহৌই। বালীশাব শাওরপ চংলকই মতুংদৈ)

বালীশাব : তারাশাবি, লীলাবতী (শাওন)! আইজ বেক! নমীংতু নতুংদ।

তারা : লীলা থুগাইররিব নঙবু কনানো? (য়েংথোরকই)

বালীশা : নপুরোইব ওইরম্ব বালীশাব।

ত'রা : বালী-শিংগে. নঙগি লীলা শরুক লোইংগে।

বালীশা অহ্ ওইরবসু ঐ, নঙন খঙ্গব কাওমচা ওইন রা ঙংব য়'ই নুপা।

তরা : অহ্রু সনথীংত কাওমচা ওইনদি চংলকপু হয়রব মতম চাংদ, দিরেক্টরন শ ওরকর্ণ য়'ই।

খুনু (ফিংন লাক) : করিনো করিনো করি রাথোক্লো ?

কাওবি : দিরেক্টর সহেব ! ত্রেতা যুগতা রামায়ণগি ত'রা শাবী মহাক্না সুগ্রীবশান ফৈজাওদ য়েংখিব মর্মীংকি মীংয়েংহ্ ত্রেতাগি মীংয়েং নত্তে, কলিয়ুগকি হুবান মাংয়েংনি, সেম, সেম ! মহ্‌দসু নঙন সুগ্রীব ফৈজ ওদ তারাশাবীন মমাই ঙাংসিন উমাগি মমংদ লকুখিব, ঐ মুন উহৌই, ত্রেতা যুগকি লীলা নত্তে, কলি যুগ হোরে হায়রহন বালী শারম্ব তোক কাওমচা ওইন চৈব থোরকপনি। উহৌদ্রা ডিরেক্টর সাহেব, সাক্ষী ওইবিয়ু।

(এক্টর অতেম্বু থোরক্লগ য়েংলৈ)

লীলা : মিষ্টর কাওমচা থাদৈ. ডাইরেক্টর ইজ নোট ডিক্টেটর, মান হায়রিবমথৈ ইন্দোব নত্তে, এক্টর খুদিংমক লীলা নুংঙাইব হেন্নব ইমপ্রোভাইজ তৌবা য়াই রিদিন এ সারটেন লিমিট, "ওঝান তম্বিবদি খিংত, ঐন হৈজবন অয়াম্বা" হায়নদ্রাও ?

কাওমচা : কুল ওইনদি চুম্মি, করেক্ট, আই এগ্রি, বট য়ু

হেড ক্রোস্ত দি সাকল, সীতাংদ পেঙ্কোক্লন্ন হায়রন লম্মাগ্ন খারম লৈই সম্বনে। বেণা য়ুককি এক্সিং সাংবন দিরেক্টরন পিবহু কল যগটি ক্ষিলিং, ইমোসন মচু মীংয়েং সকচান বকংহং ওভেরলপ তৌখ্রে! লেদি ওফ ইজিমোবেলস, থন্নুং মোংকন ময় নানদৌ, কাউগনু, ইদেন গাদেনদা এদাম অমস্নং ইভপু তাম্নোকখিবহু নঙগি নমীংতুগুম্বন হৈরাঙ মিত ঝুবদ।

লীলা : অ ই এম ভেরি সোরী, মিষ্টর কাওমচা ইয়ু স্পিক লাইক এ স্কুল কাফ, স্কুলগি যম্নাও মচ গুম রা ওাংই ভাম্না কাওমচা, ওস্তোক্ল তনখ্রে। দিরেক্টর সাহেব, হ্বাট ডোন্টয়ু, সট হিজ মাউথ? মচানসি মেন্দ্রিব করিগিনো?

খুনু : ঐ ভকই শকহেনবি, লীলা মতাংসিবু ত্রেতা যুগকি রামায়ন্দ কলিকাণ্ড হায়রব মতাং অম থেংচিনব য়াত্রা হায়রন।

কাও : উত্তরকাণ্ড, কলিকান্দ থিংবিনব লৈতে। দিরেক্টর সাহেব, তারাশাবিন অশাই সুগ্রীবদ ওভরেকটিং তৌখিবহু য়াবা-নীংব্রাও? হ্বাট ইজ ইয়োর ওপিনিয়ন সার?

খুনু : ঐন ফন তাকখিনি, অহিংব অহিংবী আরটিসনিন স্তেজদ মনীং তমথি, ফিলমদদি কট হায়ব য়াই দিরেক্টরন।

কাও : লমহেল্লবদি ষ্টেজদৈ তাম্নোকপ নথৌ?

খুন্নু: রূপী এক্ট্রেস তাংবনিম লীলা মা ওবীদি তম্বেনপ
রাদব পামেনেরকী মহারানী, তার গুম্বা। করে, রামা-
য়নগী কান্দ খুপচিন কলিকান্দ হৌরসি।
(লীলাবতী য়োংগী মেক-অপ থম হেন্দ বেগ তম পা
মমই মমাং থৈথোক মূমদ হুম্নব লেং শব
লেইরে। বালী শারঙ্গ কাওনচাগি ফিচাং শেন্দল
রমশারঙ্গ থৌবস্সু, লাম্প্লি তাম্বরিব সুগ্রীব শারঙ্গ
ফেজাও ওনপ্রে কলিযুগকি ফিজেন্দ।)

খুন্নু: অমত হন্দেকপিরো কলিযুগগি লীলাবতী। অমদি মাত
শাব কাওমচা, থম্নন মৈশা লাংবিরো।
(ফৈজাওন রিংস মকুমদ মমাই পিন্দোক য়েংনম্নগ
থংহন হন্দোকখি, খুন্নু মশাস্সু ছুটকি মগুন সইন
তৌরম্মগ চংখি, থৌবস্সু মতুং ইন চংখি।

কাওমচা: রামায়ন লীলা লোইরে লীলাবতী, চাকশঙ্গদ চুমস্সুরে
(লীলা থর চংখিব তাদন)
কদায়দনো চাকশঙদ হায়রগা?

লীলা: ঙা শেম্নম্মু, ঙহাক্তনি হোটেলদ চা অমত্তং—
কাও: কনাগ থকমিন্নব?
লীলা: সুগ্রীব নিংথৌগ।
কা: রামায়ন লোয়রকাও?
লী: সুগ্রীব শাখিব ফৈজাওগ।

কা: ঐগি অশ ওবাদো ?

লী: শিরব বাল্টিনচুগি অশাও রাঙাংনা মেথু চুক্রে আহংবে মম ইদু।

কা: চুখিশনু নথো করি লৈ ?

লী: লৈথোকউগে তৌনে ইশুংলংগি মর্মাংথুপতো।

কা: ঐন য়াদে। ঐবু কনানো নহাক্কি ?

লী: এক্সপ্রিমেণ্টেল হাওবেন্দ, চংয়েংগি নেকপা ইপুরোইব। অশেংব নত্তে কাওমচা, করিয়েতে।

কাও: মৈতৈ নিপাদি নুপীন ঙম্ব য়ানদে।

লীলা: ঙমগে হায়দে, চা অমত্তং থকমিন্নরুগে হায়বনে। ঐবু মাগি ফুরিংখ ওদ হাপ পুথ্রদ্রা চা থকমিন্নরগা? (শাওদুন লৈবউ) মপান্দদি নঙন ঙম্ব শাও, মনুংদদি নুপান হায়রিমখৈ নিপান ইন্দোবনে।

কাও: খোইদো য়াম্না শাওগংতৌরি, ঐ তল্লে খায়নরসি।

লীলা: কদায় য়াদগে, থা ৬ হায়নখিবচু শুদ্রি।

কাও: লাইরিক হৈতবীরা নঙবো, নপুরোইবঙৌবি ?

লীলা: সেক্রোলোজিগি এম, এস সিনি, রিশার্চ তৌরিবি স্কোলার অম। য়ুস্থানবগি চাংয়েংসিদি নোক্কুন ঙাক লৈব য়াদে, শাওনীংব কপ্লিংর থর থাংব তাবনে, য়ুস্থান অনৌবাও ?

কাও: ঙাইখো নঙন রিশার্চ তৌরিবসি চপ চাব করি হিরমদনো ? সুগ্রীব-শাবগ চা থকমিন্নব য়াওদব য়াদব্রাও ?

লীলা : যাম্দ, নুংশি লৌপুনগী মরমদনি ।

কাও : ঐমাণৌবু পাল্লনাসিদ কোম্মগৈ ?

লীলা : চৎলক্লুং কোমগিনন্নু. অমুক চিল্লকখিনি ।

কাও : কৈফাওন পুনব হৌকনগেরাও ?

লীলা : চৌথ লাই, থা তরুক বাংলি । নবুক ওপ্প ইনা
তুগাক্ত লৈনরাখা খঙনজাউ ।

( চংখ্রমমোন হৌবম )

কাও : ঐ চনে, শাওগাংই । তাম্নাশাবি মাগি মীৎয়েংনা
কাওন যাম্দ, ইখোঙনে নেংলব লৈবাকসি, মান শং
চংখবগ কাসা লগ ইগি খে ডনেংফম্ম শং লোইথাক-
খিনগুন পাখংনা ঐ, কোকচাওবা কায়, খংপেক !

লীলা (লাম্ন য়েংলম্মদ) : নত্তে, নসে নন ঙগি সুকাহুন হেন-
দোকনু হায়ব্রাও ? (মথদাং থাঙ্গৎলুই) ঐবু লুহোং-
খোংদাংবদ, মীবাম কিনব এনৌ সোসায়েল ফংসনদা
য়াওব য়াববোইদ্রা পদা মমুংদ পংলুরাও, গাইখুন
হাপ চং ওমচাকনৌবাও ?

কাও : নঙদি খঙেডাই লীলা ওইবী, ঐন নঙবু কয়াম নুংশিজব

লীলা : থেঙ্ক য়ু দার্লিং, মতুইদমক নঙবু ঐন খল্লিবনে এক
দি মোডেল ওফ এ লিবিং হাজবেন্দ ঐগি চাংয়েংগিদমক ।
(মকোক মমাই নানবি, পাম্বোমদ নম্বি, কাওবমচান
উইথৈ )

মিনিট অরু দং নাইং ঙৈই শন পোগরম্ম, হায়নতং হায়কুরগ শং হল্লক্কে নু শিথোইবা? (লেপ্ন চংখ, মক্ত ইন)

কাও : এ কম্ন যাদেদে।

লী : ক, শন্নী মাং চংশিন থাশাক্তেন।

কাও : কনাগুম্ন লেপা অমনা তক্ত কাংলন হাং নবেন দাংসিন। নঙবু বিচারপ থৌশাদ, কবম ইরোন

লী : কিগন্নু ঐ ফিন শাব লাইনা কও। (চংখ)

ভুমন্ন নংগি মনিঙন্ধ লেপহৌই )

কাও : ঐন মাবু ঙাওবমথে পাম্মিবাস, ন লাম্লি, ঐ পাচ্রিড ঐ লাল্লবনি। ঐঙাক মাগি মইত-চানব নাত্তু, অশাবান থাও ভংগি। থা তরুক সগি মীকুপ খুদিং অরম্নদ মাংকন্নিংদে। ইস, কয়া কুইরবনো এগি মীৎকি খাংমদা মহাক্ক মাংলকইব। মহাক্ক ঐবু হাব ফাষ্ট হাজ্ঞাবেন্দ ওইন খনবিব কান্দ ঐন হবাওখি : প্লাসগি চিঠিখেলা ফাওরেদনা। থা ফাদ্রি ঐ খনব ঙমদে, ঐঙোন্দে মাবু অতোপ্পা অমদ! য়ারোই মহু, কৈদোঙৈদ ওইব য়ারোই ঐন হি লিটৈ। মহাক ঐগ ওইন পোকপনি, ঐগি ওইন শিথিদোবনি। মসি ঐগি লেংদ্রব রারেপনি। ( ঙাওরপ মুরুম মুরুম শোল্লি )

থৌব (লিক্লাইপু লাক) : করিনো মুরুম মুরুমহুবো? শংগোল ঙহাক্ত তোংসে? মেম সাহেবতি গ্লাস ২দং

কাও: চংলাকখি, নৈ পথোরক্কে।

থোৱ: কৰিগে অহানদ মতম ফজরবসিদ চংখাকহংখ্রবা?

কাও: ঙিং পা অনঙাল। (চংখি)

থোৱ: ইতিহাসতা থোকখিবা অচৌকপ থোৱাক, অচৌবা নুংশাহবা, অফবা ফজবা পুম্নমক মীৎন কুপ্লন থোকখিবা ঙাক্কু।

কাওব: মতুংদি চুম্মি।

থোম: য়াঙশঙনা নোংম মীৎন কুপ্প অমদ, নতেম ফজবীদু ঐন লৌব ভায় হায়ন রারেপ, শেল চন রান হোংন লুহোংখি ললঙ্কার নুমিৎত। (থকই)

কাওব: করম্ম কৈদৌউ খায়নখি?

অৱাং: লুহোংলতুং অনী চাক্কোব নুমিত্তু, মনীথোঙ মযাদ মখোয়গি, পাংঙ অমগ কপমিন্ন লৈরম্মে ফজনীলো মমাংতৈ মপি বুপ বুপ লৈমাইদ ভাইন। মতু হেক উখব মিংকপ্তু খ য়ংনংগ রাশকখি।

কাওব: কয়া কুইরগ খায়নাখ? (থকই)

অৱাং: নুমিৎতুদ যুমদ হন্নগ, অহিংদ রা লোইনরগ নোংফুং ঙানবদ ময়ূদ থিনবিবি।

কাওব: ঐনি মতুম তৌরোই, হাংতোক্কনি।

থোৱ: হাংপমক্তি হাকমন্দ্রাও?

কাও: ঐগি ওইরম্বি মাবু মীগিদ লৈখিব উব, ইমীংসি তাং-হনগনি হাংপ ঙমঞ্জবস্থ। (ঙাওরে)

থৌব : হোয়, হাংপদি লায়রে মতংসে। ঐগোয কেমিষ্ট্রিগি লেবোরেটারীদ হ্ যাম্ম লৈ, খুদক্ক নত্রগ নোংম নিনীদ মকুপ খবন লোইহনদ য়াব।

কাও : মকুপ খরদং ঐংদ্রোন্দ পাযুব তাংথোব লুপা (কযানো লোইনোট চবুন ফুারংখাওদে পা)। লেবোরেটরী এসিষ্টেন্ট নগ্রাও ? নখুংত্তা শো পাযবিবান ?

থৌব : ইনাওন হাংনৌংলিবাদ কনা ? চা খডুংদে, কফি খডুদে মহী অমদ মবীক খিংতং, লোইরৈ মীহ্ খেণ্ডলবদ হুম্নীদ। পামখ্রেদ শেল, হন্দক মরকসি।

কাও : শেলহ্ পায়শিল্লু, মীশক কোম্ন তাক্কে। হুজিক খিংত পীয়্ চংসি।

(থোবন শেল পায়শিল্লি খরন হনবিরে, লীক্লীন চিংব খর চায়থায়রম চংমিন্নখ্রে।

কৈজাওন মাং থা লীলা হল্লকই)

কৈজাও : তাকাওবি, বালীশাব শাওগনবাও ? চাক থোংলিব্রাও ? তারাশাবী থিনজরক্লে, মাংদ্রে, কনাগতবু কাইন্দে, কন্নিমত্তা চিংনবিনো। (কোইন য়েংলগ) লৈবু লৈতমানে, ওকথিদ্রেদ কনাগি মুপীন সেবা তৌনীংদগে য়ুমশঙ কৈঙাক, চাকথোং-কৌঙ ভনব নিপাবো ? নিপা পুম্নমক চেম্ত্বহনগনো, ঐথোয়দি য়াওদেকো লৈকাই কোইগনব নথোয়গী কাংলুপ্ত।

(লীলান মতৌ য়েং নোকফেং তৌ লৈ)

চে'প্পি হায়গে হায়জো ঐখোয়দি নুংশিভব নুপীন হ'য়ব ইনব ক'ংলুপ্ত য়াওজনিয়ে। য়ুম য়ৌবিরে য়ৈখ.য় থিঙ্গায়ব য়াওদন, ঐস্থু হঙ্গখিব য়ারেকো?

লীলা: থেঙ্ক য়ু, য়াজরে।

ফৈ: ঐবু ঙচক ফমথখো, চা কফি অরৈব থর থকমিন্নখিসি হায়হন খ ঙ্গিদ্রেকো?

লীলা: মতম থেঙ্গলবনিন খামজররোই।

ফৈ: অমহ লাক্লি ফওব ইংন্দ লৈব, চাকইশিং থে'ংব থাকপন তেংবাংজরমথো ৱারী ঙহাক শাখিসি ক'স্থু হায়বিররে ইদা?

লীলা: হ'য়জররোই, অদোম্স্, মান সিদ লৈরম্ব উবদ চিংনখিব য়াই মবুক ফত্তবনিন।

ফৈ: ম'গি মবুক্তর্ ডোক্তর অমদ পুবিরগ ফজন শেং-দোকপিব শৃদোকপিব য়াদ্রা?

লীলা: ডোক্তরহবু চিংন মখোয়নী খৎনরক্লবদি ঐন খাম্ব ঙমজরোইদব।

ফৈ: ঐগি পালি লাক্কদবসি মে জুন

লীলা: শরৎ ঋতু চংলকপদ থা ৫ ঙায়বিখিব তায় মরম ওক্ল।

ফৈ: নুমিংথাদ পরপ পরপ হৌবিরো হায়হন খুরুম্বদি কায়দে, মরম ওকপ অহুম চিংলিকো?

লীলা: খাইন য়াব, পুকচেল ফাব ওখাক ঙম্ব, মী ময়ুমদ থেঙ্গন

লৈথোক্তববু মরম ওকপ কৌই।

ফৈ : অহৃদি থেঙদ্রিংঙদ হঙ্গহৌরগে ?

লী : ফনি। ( নোকফেং তৌনা )

চায়রম্ন পেং চৈ লেইশিল্লি, মফি মরে'ম লীপাগি থর হোংদোকই, চক থেংনব লাংবগি থবক চিনব মতৌ তৌবি। ঙাওরপা তৌরব লাকপ, অমদি ল'কপি কৌব লাকই।

লাকপ : থবক্তি চিন্ন উই — মরম ওক্ল — মানবাসে ?

ল'কপি : রা অমগু হংজগে হায়ববু ত'ব শংবিগদ্রা ?

লীলা : (থৌওইনা য়েংদ পোং অম থম্মুরগ, গ্লাস অম তৈথেক থোরক্লগ ) : করিনো হংবিনীংবহৃ হেক্ত।

লাকপ : ঐখোয়নীবু শক থঙবিরা ? কাউরব্রা ?

লীলা : করিগুম্ন হিরম অমদ পুক্লিংসি লুপশিল্লবদি হিরম অইতহৃ অকাউবগি মিরুমদ লৈখি।

লাকপ : চুম্মি কাউফৈ, পোকপি থাকপিরকপ মমা মপ'বু কাউথোক্তন কনাবু কাউদগে ? নত্তে, অরুব থবক অমদ পুক্লিং লুপকে তাওখৎলোই হায়রবদি —চুম্মিব !

হৈ ! ঐখোয়গি ইচা অশেংব্রাও ? (লোম্ন)

লীলামা : ইচা নত্রবদি অতিয়াদে তারকপ থরানমৈচাকখাক্লাও

লীলা : ঐদি ষ্টেজদ ঙানবি থরান মৈরানে !

লাকপ : পাংথি কোমখিগি লমৈ থানবি নত্রবা ?

লাকপি : মীন হায়নবদি বিলাতি হুই অমোম।

লীলা : মনীং থুংদবশিংন মীবু থদবগি ঙমখৈ নইদে, লকুনীংব মখৈ লকনজসন্ন, অনীংবহ্ন পাংথক্কব তনব ন্নুপানি ঐদি, স্নলত না বেডিয়া।

লাকপ : মিগি রাদি কবিস্ন নৈত থাউংব অহিংবু থাদোব য়াই থাশি কৌব য়াই নগ্রগা কোম্নিরস্নু।

লাকপি : থাজ-য়েঙ্গব মতম লিংথ্রনি কাবেই ন্নুপীমচা য়ূমদ হল্লসি, নঙ ডাওমল্লে বিলাতী নিংগ্রোল।

লীলা : কান্নরোই হল্লো, তাইবং মীগি অরুব লেনচং শাক্কং অমা থিরিবিনি ঐ, খুরৌ থাংলন্নু ঐঙেন্দা

লাকপ : য়েল্লাং কেঙেই থিবদগিনি অহৈড কুঞ্জমলবু ইকোপ পাংত কৈন চাখিবহ্ন।

লাকপি : থিরগ ফংদোব কেড্রোইহ্নন নঙবু কৈগি খরাংত তাহল্লবদি করি কান্নদোব্রি।

লীলা : মীয় মতি ফনব পোংপু ফংলবদি ঐ অম মংজব লৌবুক্কী থরোই অহাম্ব কায়গুম্বনি।

লাকপি : ঐগি ইচান থরোই অহাম্ব ওন কায়ব ! ঐ মাংজরে ঐ মাংজরে। ( ডাওন চংখি )

লাকপ : কায়বু কায়দ্রবদি থরোইন মী-চিকপ শরু ফংই হায়নবনিকো। ঙাইখোনহৈ, মাংব য়াদেনে থরোই-মা নঙদি। (তান্নখি)

(মথন্দ ঙায়রে লীলা, ইশিং খর ইমুংদৈ লৌক্করগ থকই। ঙহৌ ঙাহৌ চংলম্বদৈ—

লীলা. হুজিক ফাওব হল্লক্লনই, নিপা হয়ব জংসিন নুপী ঐখোয়বু উশিংতবসি তোকপ য়াদ্রবভাংলনে! নুপীদ নিপান পাম্মি মরুব শ্রদ্ধা, ভক্তি, সেবা, নিপা মখেয়দ নুপা ঐখোয়নদি করিগি পাম্মাই অরুব শাজং, ফজব পুকচেল, অশেংব নুংশিব?

(ক ওবি লাকই ভাওরি ফৈরি, মথুংতা পায়রকই ওবেঙ স্ক'স লিক্লী অম, ফুরিংখাওদ পাউদর য়োম্ন চে।)

কাও: হল্লক্লসনু খঙনি স্থক থেংলব ফাওব, নুপী নখোয়বু পর্দ্দা মনুংদ থম্বদি ফত্তব নত্তে।

লীলা: মহুই হায়রুরবদি নিপাদি কুরাও হংদ তরে।

কাওব: নুপীদৈ নুপান কনবনে খুহুপ মরী শেংপি,

লীলা: নুপীসু হুজিক্কি শারী অশাংব শেংলে, নিপাবু অকনব শাহনবদি থবক অৱাব শূহন্নবনে। মথৱাই য়াওন নুপীন নোম্মগে হায়ন নোম্মবদি নিপান মতুং ইন ভম্পোং নত্তে।

কাওব: নিপা হায়সিদি তরাগি মপুনে, য়াম্মগ লেম্নব। নুপীগিদি অমদৈ হেন্দ্রগ সতী, য়ামদ্রগ লেমনব।

লীলা: মহু পঙলিদৈ ৱানি। শিঙব হেঙ্গংনব, পুন্সিসি পেন্ন মহাও তংনব ঐদি নিপা ৫ অম ৬ অমদ য়ুম নায়গে খল্লি।

কাওব: ঐগি নুপিদি মমঙ অনী শুহল্লোই, অমদৈ হেনগে তৌন্নকপদ থোক হাংতোকনি।

লীলা : ঐন নঙবু মতম থর ইপুরোয়ব ওইন চাং য়েংলিবসি নঙন হাংপিনবদ তারে হিংচাব ? ঐবু য়াম্ন মুংশিগদব মান থল্লবনে, হিংচাব শাদো ওইরবদি খায়নরমি।

কাওব : ঐঙোদো নথরাই পুরগ নয়ুমদ কনখিব য়ারোই।

লীলা : করিগি মীগাংপা ? করিগি ?

কাওব : মরমদি ঐ নঙবু য়াম্ন নুংশি, মী অমত্তন নঙবু নুংশিব ঐ য়েংব ঙম্মোই। ঐগ ওইরিঙৈ, মীখুং চল্লিঙৈ হাংতোকহৌনি। কয়েং মপোকসু ঐন লোনি নঙবুদি।

লীলা : কাওমচা থৌদেব নঙ, য়াম্ন চাউখৎত্রিব নহানি। ওস্নোক্ত তনখ্রেদ সত্য, নুংশিমনবদে মীগি ওইথিনি কল্লকপগি মুপীবু হাংতোকনি হায়বসিবু অঙকপ রাখল নত্রাও ?

কাওব : ঙকপ ফনব মরম তাকপিগে ঈশিং থর থর হাপ গ্লাস অনী পুরকউ ওবেঞ্জ স্কাস থকমিন্নসি।

লীলা ঈমুং চংখি জবং জবং ঙাং কাওবন ফুরিংনাওদে কদু হাপচিন্নব শেম শাদৈ।

লীলা : লাপ্নরিঙৈ মুংশিনরবনি হায়রবন লৌন লৈনক্ত মক্তরুগ হিংচাব ওইরম্ব অঙকপনিহে লানগল্লব তাইবং মী !
(ঈশিং থর থর হাপ গ্লাস অনি পুরকই)

কাওব : করিমত ঙকউন্নু, নুংশিমনবদে থম্ব থোইবী শিমিন্নখিবনি, রোমিও জুলিয়েটস্নু মশা মশাবু হাংচ হিংচাব ঙমখিবহু মুংশিমনবদে। ওথেল্লোন দেসদেমোনা হাংখিবহু

মুংশিমনবদৈ লাল্লে হায়ব খঙলব মঙমদ মশামকপু হাংতাকপ ঙমখি মুংশি মগুংলাংগি।

(ওরেঞ্জ স্ক'স হৈ খর খর, লীলান উত্রিদৈদ মাগি গ্লাসত, পাউদর খর চেদৈ হৈখি।)

লীলা: ইস: ঐ ওন্থোকপ অরানব থবক তৌরুরে। কাওবি ভায় নঙবু ঐন চাংয়েংগি ইপুরোইব ওইন খল্লুবসি ইন্থোক্লা অরানব বাখল ওইরম্মে। (চিন্তাদ লৈ)

কাও: করিমত লাক্দ, নঙবু খ্বাইদৈ হেন্না মুংশিব মিপানি।

লীলা: হিংচাব ওয়রম্মিদুদি—?

কাও: মদুদি হৌনবনি, কাক্লা মুংশিবশিংদ—

লীলা: হং! ঐ নঙোন্দ লৈব ঙম্মরোই, ইমানি খাইনরসি।

কাও: থা তরুক য়ামত্রবদ ওত্রিমথৈ ইমামী খায়নব য়াদে—খায়নখি মতুং ইন্না। (থকই)

লীলা: হিংচাবনি হায়ব খঙলবকাও কৈদৌবৈ থা তরুক ওনব ঙায়দৌরিব?

কাও: থা তরুকসি মমুংদ নঙবু হাংহৌব ঙম্মবদি ঐদগি ওইরম্মগ নঙ শিত্রেদন। থকউনে?

লীলা: নঙগি নাপলমুগিদমক ঐহাক শিদোকপ! (থকই)

কাও: শিদৌবনি সন্তী ওইন, নিপা য়াম্ব চোপ্প হিংদৌশরুক।

লীলা: ঐ শিব ঙম্মোই নিপা অমত্তগি ওই। থায়নরে নঙগ ঐগ ঙসিদৈ, চৎত্রো কাওমচা মাপঙ্গাউ।

(অমুক থকই লীলা, লোইন থকই)

কাও : ফরে খায়নবসি লীলাবতী, মুংশিবী, বিদায়। হয়েং মপোক্ত অমুক লৌন নৈনসিকো, মতম কুইন লাই-গুরুগি সেবা তৌ। ঐ সিদ কুইন নৈব ফজে, লাম্র চেনখ্রগে: (মকি মরোল খব য়োম্মই) মীন ঐ্ চিংনখিনি। মুংশিদকো পাম্মইদকো লীলা ইবেম্মা নপা নৈতন ফজবি ঐগি কুইদব নাপল ইরেম্লে।

লীলা : অজিক ঐন থকখিব গ্লাসতুদ নঙুন হু হাপখিব্রা ও?

কাও : পোটাসিয়ম সাইয়েনাইদ— খিৎতং য়াওব্রে নঙ বুইররোই নকোক চাওব্রাও ?

লীলা : হোয়ন ঐ নৈকনো অম তৌইরে। (চাওশিন্নে) অয়া ইমা! নম হেল্লুবগি বারক বাতেম ফংলে ইমা! নচাবু চাকশিযু।

কাও : ঐ চংলে লীলা! নঙন রাব ঐ য়েংনীংদে। মীহাৎপ ঐ চেনখ্রগে। কাওবিন, হু পীজখ্রে। মান মুংশিজবি লীলাংতাদ, মীহাৎপ কাওবি খম্বনজাউ চেনখ্রে। কাপোয়া কনা কনালো ?

(কেপ লাওরগ চংখ্রে লীলান চক য়েং নৈহোই খোব লাকই ফিংলপ)

খোব, কৈদৌরে লীলা করিগিনো লাংখিব লাওনখিব ?

লীলা : ঐবু হু পীজহুন হাৎলম্মগ কাওবি চেনখ্রে। ইমানী থায়নরে হায়রম্মগ।

খোব : কদায় হুদে। নঙদি কৈম্বু তৌব্রাও ?

লীলা লীক্লীদ হাপ্লম্ব ওরেঙ স্কাসকা ঐন থকপ্লে, মান চেনপ্লে ঐবু শিরনি তাক্লম।

থৌব হ্, নত্তে, ঐন পীথিব সোদিবাকাবনি। সাইয়েনাইদ পায় নঙবু হাংংক হায়রম্মি।

লীলা : ঐবু মান হাংনিংলিবদি করিগিনি হায় ?

থৌব : লমিং চুমদে, ফৈজাওদ নবুক য়াই হায়। মহাক্তি নঙ শিরনি থন চেনপ্লবজাংনি।

লীলা : তাইবং মী মীগী মনুংশি অঙকপ হায়হনি। মাদি ঐবু স্নুংশিমন্দুন মাগিদ ওইনব হাংনীংলম্ব শেংলে। অঙকপ পুকচেল !

থৌব খঙনদব হায়বসি কয়াদ লুপ্লবানা ? নঙনা মাবু অকব নিপা স্নুংশিহৈবনি হায়হুন চাংয়েংগিদমক শাবি মাঙ ওইন খল্লুব শায় অতুগাদি মাদি মাগিদ য়েংব হিংচাব ওইরম্মে। ঙক্রপ্রাও তাইবঙ মাগি পুকচেল !

লীলা : ঙাইখো চা থকখিসি, থরাই থাহন্দবগি।

থৌব : থেঙক য়ু, খঙদে, মীহাংপহ্ কদায়দ লোংলমদগে ? ফৈজাও মরাইবক ফৈদ !

লীলা : থা মঙা লেমলি ফৈজাওগি তারিথ লাক্লিঃ তাংথৌববু মাঙপি এক্তিং পুবিনীংব্রাও ?

থৌব : ঐবু য়াগদ্রাও সনা ইবেম্মা ? (মশল উংলি)

( হা হা হা .... .... নোকমিন্নৈ )

# চাইরেং মাঙ্গী

২/২

থাঙ্গচিং, লোক্তাক মপান লাইরু থংপাক ভমর, অপুক মোয়া চেলা ভবোং অম ইন খন্তু শম্বা কম্বু থক ফম্মি। মনাক্তু অমুক কম অকেপেপ ফাল অমদ চৈস্রা চৈরপ শেংলচা হারা তৌরি।

খুন্নু : ৱা কোইথোক্লন্নু, নঙন পাম্বদো মচং ঙাক্কা হায়রো। নত্রগ কাঙলচা নঙন য়েক থম্মি হায়রিবদো হৌদো-রকভ মাগ ভাংনগে?

চৈস্রা : ঙরাং নহাক থেঙন তুমখি, মকোক্তু খর বেরা লৈরে। হৌদোক্লীরদ্রি পুং ৯ তারগ হৌদোকপিগে। ঐন ঐখোয় ঐগাদ পামজরিবসি শাথীব অরানব অম তৌরুবৈ প্রায়শ্চিৎ অমত্তং তৌবিয়ু হায়বনে।

খুন্নু : ঐবু বেদ শাস্ত্র হৈব ব্রাহ্মন ওইরবোই নিংত্রাও ইংলিস স্কুলগি ছাত্রনে বি, এ, ফেল।

চৈ : হৈত্রবস্তু হৈব মালহন পূজা তৌব, মন্ত্র খর শোঞ্জিল্লব মাবু খর থাজহল্লগ লোইরে, মবুক্লিং মুংঙাইতব ফনব।

খুন্নু : মাবু কয়া য়াম্ন শাথীব পাপ লংজক্লরবগে?

চৈ : থাইন পরশুরাম্ন মমা হাংলুরগ পাপ কোক্লব করি

করি তীর্থদনো চংলূই হয়গুম তৌবদায় ।

খুনু : পরশুর'ম কুণ্ডদ লুপ্পুরগ কোকপ য়াই, মহুদি অ'সাম লোমদ লৈরাম্ন ।

চৈ : লোক্তকি মশা অমবু পরশুর'ম কুণ্ড ওইহনব য়া'বে ত্রাও ? অহুগ অতৈ মতৌ মান্ন শরগ, লীলাদ তৌবগুম

খুনু : অহবুদি হুনিয়'সি লীলা ঙাক্লনি, করম্ব অঙম অ'থৌ, করম্ব মাইব, প ণ্ডি, ইঞ্জিনিয়ার ব্রাহ্মন মথৌ মথৌ চুম্ন ফজন তৌনবগে ?

ফরে নংগি সন্না'ও মচাহুই, ঙাইখো কা'ওমচা থীদৈ-বহুবু, লীলাবতীদৈ নঙন লৈরগ লোইজব ভারবাও ? হরাওবিগে হায়বনি ।

চৈ : ঙরাংদৈ ঐগি ওইরে, মহাক লীলাগ থারনরম্মে ।

খুনু : আই সি !

(মনুংদৈ কাওবি ঙাওরি ঙাওরি হৌগংলক থোরকই ।)

কাওবি : ঐবু অমুক্ত কনবিয়ো, ঐবু ফাগে লাক্রে অশিলৈবা ঙ্গি ময়া শিংজং মমীং য়েরুম ময়াম্ন, শরু মপুন শরুমপুন্ন শাব মোংভমদৈ লাম্মী ঙাক্তন ঐবু কোয়শিল্লে । থোঙসি লোনশিল্লো মখোয়হু থোরকহনগনো ।

চৈস্রা + খুনুন মাবু ফারগ ফক্তা হিপহল্লি ।

চৈ : ঐগ্যা ভুত প্রেত ময়াম ইমুংদ লৈরে হায়রে অমুক্ত মন্ত্র শোনহুন তাম্মোকপিয়ু

খুনু : ঐ তাম্মোকে, নিংথিন ফম লৈয়ু

হরে রাম, হনুমান থাবিরকউ ভূতপ্রেতশিংবু তান্তোক-হনবিয়ু, হরে কৃষ্ণ হৈবুংঙো ননাই গরুড় থাবিরকউ ভয়াক ওবিগি মন্ত্রি সেক্রেটারি মেজর !

চেনখ্রে মনিংথে দ লোইন করিমগা কিগনু। মমাং-থোংদ হনুমান হারকুলিসনা ডাকলে, মনাংথোংদ গরুড় অমদি ফেনতামনা শেন্নরি।

কাওবি : ঐগা শর্মা, ঐবু অকুপ্তদি থ জব হাংপ হায়ব পাপ্পুদে কে কুব গৌরাং পূজা-হেজা খর তৌবিয়ুব— ঐবু নুংশা হেনব নুংঙাইরে, অহিং তুমদ মঙাক্লুব লাইন য়ম্ন তানরে। ওরেম্বগি ঐ—

খুন্নু : ঐন তৌবিনি লেইন ফহম্নি। য়েংও চৈস্রা, নঙ পোংচ খর লাংউ : য়েরুম ৭ খয়োম লাক্লুব সলাই তরের্ণাক, ফিরান মচু মচুগি ৭, খোইক থংগ্লৈ ৭। সন মচ তাংকি মথি ফিবেততে চখেম অমমদং, মরু কোকথোক্নগ তৈবিনব। উপাল ৭ তৈ উশা অকাব ৭ যজ্ঞগি মৈ হৌনব মতুদ তারকপ মৈতাল উংন মশা-পূম্ব মুশিল মুনব তৈগদবনি।

কাওবি : ইরু কোক্লগ সন্থী তৈব ! কোকসনু কয়া কুইন উং মৈতাল তৈহুন লৈগদগে ?

খুন্নু : কুইরোই, অয়ুক অমগ নুংথিল অমতগনি।

চৈস্রা : কদায়দ চামথোকপ ইরুজহনব ঐগ্যা ?

খুন্নু : মমা হাংলুবগি পাপ কোকপ পরশুরাম কুণ্ডদা লুপ্লুব

তাবে নুপী হুৎলূবন।

চৈ: আসম তোপ চংত্রবে অহানদে?

খুনু: শিবসাগরগী সকমচুসিদ লুপংগী মলুংদা ইবীন অতোংউ ইন চিংলম্ থমংখোংদ পলক লুপ্পগ থাদে কপ দাগি।

চৈ: নিপা হাংলুব ওইরবদি? কদায়দ লুপ্প তারে ঐগা?

খুনু: মপা মপু হাংপ ইম্ফালদি। অচৌ অশাং অঙম অহৌ পুম্নমকন লুপনব ইম্ফাল তুরেল মহাবলি য়েংয়াম হিদেন্দ লুপ্পুব তারে।

চৈ: কদায়দ করম্বদ লুপ্পন ফদগে তামো?

কাও: থোইবীন ইন চিংলম্ থমংখোংদ লুপচগে।

খুনু: য়াম্ন ফরে। ইরু মাইথক্সব লোই কাররুগ ঙানপ্পা শারেংলা অম থোং চাক চানব তারে ঐথোয়হুম নুংদাংদ।

চৈ: অয়ূক নুংথিলদি চন্না হেনব তারেনে? য়েঙ্কাংগিদি শরেং থোংব অম ঙানপ অতেকপ অম হৈকক য়েল্লি ইরোনব অমগ—

(থৌব অমদি কৈফজাও পুলিশ ইউনিফোর্মদা ওফিসার শা, মতুংদ লাকপ লাকপি ফিংলপ ইন্নরকই।)

পুলিশ ২মক: খবরদার, অমত্ত চেনব য়াদে

চৈ: করিগিনো? কনাবু থিবিবগে পুলিশ সাহেবশিং?

(চৈত্রা, খুনু অমদি কাওমচা মগুৎ থাঙ্গৎ লৈ।)

কৈ—পু: মরাল লৈব মী ফাব লাকপনি।

লাকপি: চুম্নগি মরালস্থু নত্তে নুপী অঙাংদ মথৌন উংপ রাইনব

কনব কাওমচা হায়ব মীহাৎপ অসি ফাবিয়ু সার।

চৈত্রা : মীহাৎপ হায়বদে !

থো-পু : নহাক চৈত্রা হায়বি পুলিস কনস্তেবলছ নত্রাও ?

( চৈত্রা সলাম তৌই )

চৈত্রা : মানি সার।

থো-পু : পুলিশ নডন করিগিনো মরাল লৈব ডাকু কাওমচাবু চংজফম পীরগ নয়ুমদ লোৎলম্মিব ?

চৈত্রা : পুলিশ ওইরবস্থু সার, লৈশাবী অমনিন নহা পাখণ্ড অমবু ইথরাইন তারবদি য়ুমদ য়োকপ মাই সার।

ফৈ-পু : নডন কন নথরাই তান য়োকচরম্মবস্থু মরাল লৈব মীবুদি আইনন ফাদব য়াদে।

( কাওববু মখুৎ পুন্নি )

লাকপ : ইবুংঙো, ন্নপীন খোইদাব শকাহনব !

নংবু কাওমচা হায়ব ঐগি মচানুপী লীলাবতীবু লাকচনখিব পুৎররাক্ত নপ্রাও ?

কাও : মানি ইমান ইবুংঙো।

লাকপা : ঐগি ইচাহ কনাদ য়োস্কোক্লম্মে ? পীরো ছজিকমক ?

লাকপি : লুপা কয়াদ য়োস্কোক্লম্বগে ? নত্রগা নডন চানিংঙাই লৈতহুন মাংহুন মশাহু চাখোকখ্রবা ? কদায় পীরো ? ছজিকমক, নত্রবদি নডবুস্থু ঐন ছজিক থানাগি মমাংসিদ নউন খোক্লগ খোংউপ তুননি থডগু।

কাও : মমীৎ চুমদে হায়হুন নচা নুপীহু ইনে, ঐগ থায়নজখ্র।

লাকপি : করম্ব মেজিস্ট্রেটকি মমাংদ থায়নখি ? কৈরোই লৈকাই সক্ষী লৈরাও ? কনা কনা থঙ্‌হৌই ?

কাও : মহাক্দ মণ্ডোন্দ হংবিয়ু, মশাক্ত ঐবু থাযনবিরকপনি।

লাকপ : কযাদ মচিন পৈশ্রব নিঙোল মরানোনে সে ! য়েংবিয়ু সারশিং, হকোপ পাক্তে কারকপ কাওমচাগি মচ অপৎসি থানাগি উপুদ মৈ ঊরুগ চুমহন্দব যাদ্রবনি। নুপী অঙাদ রাইব কনব লমশল অসিবু ফানব লেক-চরকপ অমুদোনস্থু নোংয়াইস্থু সার অনীমক্ত চেনখিদনব শেন্নবিযু। নুপী, মমা শাবি নঙন শেল য়াম্না তিংন রাইরকপ মেজিস্ট্রেটতু কৌরু, খুদক অসিদ ১ফম অসিমক্ত মীহাৎপসিবু ফাঁসী তৌনব ওর্দার পীহনগে।

লাকপী : নঙ চেল্লমগনু নুপী হাৎপ অথোব, লাকপী ঐগি ইরনন নঙবু বয়া থীন লাক্রব ঙস্ত্রগ হন্নবহু ঙসি থঙহনগে।

(ফন্দুন চংখি)

খুনু : রাদি রাগীবিব য়াদে কাক, কেটক মেজিস্ট্রেটপু মফমাসদ লাকপিযু হাযত্নন নেকপ য়াব্রনে ?

লাকপ : ঐরো মেজিস্ট্রেট হায়বসি মীন শাবনে। মী অযাম্ব মতিকচান অরানন পীরগ নেকপ য়ানবদ কোর্ট'ত করিগি নেকপ য়ারোই ? নত্তে, কোর্টপু মেজিস্ট্রেটপু উশিং থোওইদবগি রা নচ্চদো। মীদি লাইমক নত্তবনিন য়েঙ্গা, অহাওব চাব পাম্মি, ফিবোল অফব শেংপ

ইনব পাম্মি, পূমুমক শেলন লৈব কম ঙাক্লি।

খুনু : হোই কাকা অহুবুদ্দি, জজ ওইব বিচারপতি ওইব কয়াস্নু ক্না মতপ অমন চীন লৈপ্লেন হায়ব ভায়।

(তুম্বাকোক মাং থা মেজিস্ট্রেট কুরেসি, লাকপি, অমদি উকীল শাবি লীলা মশকলোং লাকই)

তুম্বা : মেজিস্ট্রেট লেংলক্লে, কোর্টতি য়াওবক্কে এজলাস অমত্ত পুথোকপিরকউ।

(চৈস্রান চৌক্রি অম থায়। ময়াম্ন সলাম তৌব য়াও, নমস্তে তৌব য়াও)

কুরেসি : করি য়াদোক্লিনো তাধন লৈবু থাঙদ কৌথবিরিবা? বিচার ওইন আইনগি মতুং ইন তৌবদি য়াদ্রে, কৈনো য়ায়েন তৌগেকো?

লাকপ : ইকাইখুম্নবা মেজিস্ট্রেট সাহেব, কাওনচা হায়ব ডাকু-শিন ইচানুপী পিশক্ক চেন পুবিখ্রগ মাংহনখ্রে।

লাকপি : মবুক হোগায়গুন য়েংলম্মু য়োর অনর, মান চাথে কাখ্রে হায়নৈ। ইবেম্মা উকীল ইন্দোনাগ কেশাস অমুক্তা নিংখিন?

লীলা-উকীল : য়োর ওনর! মচা মাখিহন ঙাওরবী সনবীসিগি মচী শা লমহেনব কাওমচাসিদ অমুক্ত য়াইজগে?

কুরে : য়ানি শমন চথসি।

লালা : কাওমচা নগুন মীগি মচানুপী লীলাবতীবু চেনখ্রগ কদায়দ লংথোকউরে?

কাও : ঐন লংথোক্লম্ব নত্তে, মান ঐবু খায়নবি লংথোক-
পিবকপনি।

লীলা : সাক্ষী প্রমান পীব ঙমগত্রা ?

কাও : ইমানী খায়নব শেংনববু সাক্ষী কৈদৌগব্‌না হায়তুন
থংজহৌদ্র।

লীলা : খায়নবসি নশান য়াবকা ? চেসিদ সহি অমত্ততৌ।
(তৌহল্লি) নঙন মাবু হাংলম্বা ? হাংকে লাকুম্বা ?

কাও : (খুমদে মমাই লুকথ লৈ)

লীলা মীনদি নঙন হাংলম্মে, নত্রগ হাংকে হোংনরম্মে হায়নৈ।
অশেংব খুম্মু। নঙবু নরোল থোক্লুও ? সাইন্সকি
লেবোরেটারীদা লীনগি হূ হূবাল্লগ নঙন মুংশিজব
মুপীহুদ পীজি নত্রগ পীজগে তৌই হায়বসি অচুম্বা
নত্রাও ? নঙবু শাবাও মীবাও ? মুংশিব খঙদব
হিংচাব হায়তুরাও ?

কাও : (পুলিশন থাদোকই ঙাওব মায় ঙাং) নত্তে নত্তে
এদভোকেট ইবেম্মা ঐহাক মুংশিব খঙদব হিংচাব নত্তে।
ওইব য়াই ঐগি ইরাল। মুংশিমনবদে খম্নজাউব।
তাবিয়ু মামম্নু ইমেম্নু, খুড়া মেজিস্ট্রেট অমদি মুংশিরব
মরূপ মপাং পূম্ব। ঐন লীলাবতীবু মুংশিজবদি,
থোকইব মুমিংসিন সাক্ষি, অহাংব অভিয়াগুন ঙমথ
নাইদে। রোমিও জুলিয়েটন মুংশিনখিবহু ঐঙাক্কি
হেল্লোই, নত্তে, তেংন মুংশিজত্রবন হায়জরিব।

চেসদেমে নাবু অতুইউ মীম্ ওংথেংগোন মুংশিখিবংনস্য ঐডোন্দি হেনব ঙস্মে ই, মনবদি য়ই, নরংদি মরল লৈতন দেসদেমোনাবু হাংলুরে শংলব কন্দ ওংথক্লেন মথন্দবু চুবীন থিন্দং নুংশিবা মগি লংন খুমুব হাং- তোবখি। ঐস্সু মহু ঙক্কি, (চুরী পংোক ংইহনব শেম শই, চৈতন ফাই. অইস্স মতেং পাং চুপী মুল্লি) সাখী ওইবিহৌ লেংলি পম্লব, অহিংব শা উচেক মী ঙ্কমক ঐ হিংচাবহু হংতোক্কে য়ে বিমু কদয় ঐগি চুবি।

চৈত্রা : য়েংর অনর, ঙসিগি কেশ অসি য়ৈংথোকপিয়ু ঐগি নিপা কংখং হায়বসি ঙরং অহিংদৈ মঙলাক্লব্রা, হিদক চারুবব্রা করিনো খোঙ্গুন ইতা তাদে। চয়েন অমগুং ঙাক্লবু লাইয়েংহঞ্জখিগে ঙমিন্দ থাবিয়ু! থানাদানৱ্র কোটতা নুমিং ৭ নাংি মতুংদ পুখৎচরক্কে।

কুরেসি : চুস্মি মাংরল খর রাংন ঊই। চয়োল অমৈ মতুংদ পুখংলকউ। জংমিন য়রে। ময়াম কায়নরসি। (চৎনখি ময়াম, ঙক্কুন লৈ কাও অঙংওবগুম মমীং লংখৎ)

লীলা : চৈত্রা, নংগি নিপা হায়থিগুম তোই, নখোয়নী কৈদৌ- ঙৈদৈ ?

চৈত্রা : ঙরাং নুংদাং চেলহোং হোংখ্রে, বাক্তোনকা তৌরকপ নংখিদ্রে রারোম্নু।

লীলা : মতম কুইন পানমিন্নোকো। অদুগ তৌবদদি মুংশি লীপুন হায়বসে মল্লব পৈয়া শুম চাবন পুনবগুম্বনে তৎকনগ্রবা, বাই বাই! (মথুং হায়রিন)

কাও : হৈ কনানো? লীলাবতীরাসিবো? ঙ ইখো লীলা! (মনাক চংই)

লীলা : করিনো? কাওমচা নঙ ঐঙেন্দ কৌরক্কনু।


কাও : নঙ শিদেদন নমীং য়াম্বি?

(লীলান মখজাইদ খুবাক্কু থারম্মগ চংখি, তঙক তঙক কাওমচা লেপ লৈহৌই। চৈশ্রান চেন্সিন মখজাইহুদ নানবি।)

লোইরব

# থাজবন লাটৈ

| | | | |
|---|---|---|---|
| ১। | ডাকঘর | (সম্পূর্ণ নাটক) | অভিনয়— ৬০ |
| ২। | ইজ্জৎবি | নুপী | ৪১ |
| ৩। | শাকুর | পাগড়ু মচা | ২৫ |
| ৪। | ডামেমা | ডাকুরের মচানুপী | ২০ |
| ৫। | ইধর-উধর | | |
| ৬। | বেড় | | |
| ৭। | হিন্দ | | |
| ৮। | মিস নেমলেস | | ১৮ |




E = Entry Exit　　D = Door
R = Resting place　　S = Stool
P = Platform　　B = Boat
C = Cave　　F = Ferry Stand

# থাজবল লাম্নৈ

(১বা শরুক)

মতম নোং ঙাল্লমলাই, Rদ লাঙ্গখন সেগাসম খল ঙাকাংব নাখোকই। ক ঙ্গন চি ? য়াংদম লোক্কই, হাকচ্চ হে পা.। ফাল অমদ গাল্লিব পেদোন থাটৈনৈহু লৈশিন ক ঙন মনুংদ কাঙ হোইহাক ফাম। মতুংদ ইহাৎ হুই.দপা কজান্দ কঙ তেক্সোল অম বেন্দ পাটি খোঙ পাইশিল্লকই। পোদেম্ন কান্নরগোই রাখল খৌ হৌপিনি তপ্ন, কাম্বল মনুঙদ কাঙ ময়াম হোইজিল্লি, থ জিল্লি মপান্দ পোদোম্ন অমদি উত্নপ্ন।

ঙারুংব : হৈ কনানো ? কাঙ-লা ? (শেং থা) অযো। (ফম্মি) খঙনা, ঈ হুরানবশা ! (হৌগংলগ পোদোন লৌরু) প্লেন্দ কাপ্ন নোংমৈন কাপথগে লৈমায়দ। (কাম্বন মনুঙদ খর ফায়, বেন্দ খোং থোমজিল্লকই। ইস ! পল্টন অমা কাপথুরিঙৈ ফৌজ অম থোমজিল্লকইনা। ফৈ, ফৈ ! (মপান্দ থোকই, কাম্বল হাইদোক, কাঙ হোইজিল্লী কাম্বন মনুঙদ )

থৌজিল্লু অথৌবশা নজাতিগিদমক, নথরায় হিংনবইদমক অঙম্ব পাম্বৈন ঈ চুপ্প তায়।

(কাম্বন মরী লৌথ, তপন নমথৈ খুং ছুম্ব, লোংউপ তানবগুম)

ভারুংব : ইগ্নায় হিংনব ঐস্নু কৌমুদি গদা খঙদে, এতে ম বোম খঙদে শিভিন্নব তাই। লায়না বয়া শন্দে কপ কাউ নখে য়ন কাঙ্গন তাউইল্লি, কাঙন তে বাদ, ফি তাউইল্লি, চাক তাইইল্লি, ওবান চিঙৌ কলইল্লি, সেগ্গো থুমজা ব্লেক মার্কেট অতুদৈ অমোংপা প্রূমক! নৈয়গ নগ্রগ রাকোক অম প য়রগ) নতিক চাব নরান খঙইল্লে প্রজিক্তি করি খুল্লিংডাই নৈ? খুমদ্রেকো তত্নদি (বাক বাক থ রগ হাংলি, ক বাটি নল্লগ মল মতৌ উং কাঙ্গলস্নু তাশিল্লি। মেন খাঙনরগ মথক্তু তুম্মি,)

(তুমদ্রিঙদ) ঙসি কয় দ নুংঙাইগ্রব নুমিংনো! তুস্ন য়াহন্দব মাগি ঈ চপ্প য়েক্লবব্ লম্মন খুস্ন নুমিংনি। লানঙম নুমিং অসি কাওদনব মতিকচাব করি থৌরম পাঙব তাই? (ভাইহাক খল্লগ) অসিবশিংসিব্ মেন খ ঙন ঙ ইহ ক তুস্ন (তুমখি)।

[ঈশিংদ ঈবে ইতুন লাকই : ইধর-উধর, মিষ্টর বেঙ্ক অমদি ডোক্তর হিন্দ। P গি অরোইবদ যন্ত্র থারগ য়েংবদ করিগুস্ন খর নৈবগি ইঙ্গিং তৌনৈ, অহুমতু মঙক নোমনৈ। ইধর-উধর মমাইদ ব্রাঙন, বেঙ অমদি হিন্দ অনীগি খঙাই নাকল অনীমক হামুক্ত ইমু মুই। ইধব-উধরন ঈশিং শুমদোক S তা কাখংলগ ফম্মি রান, বেঙ অমদি হিন্দ S কি মরুমদ লোৎতুন নৈ]

ইশ্বর : ও ঃ অহন, থমংখোং লাকপ। [illegible] ডাক্তর।

ডাক্তর : (মাংৎ লোই [illegible], [illegible]) [illegible] [illegible] [illegible] চাংশংনা মতুং [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible]-[illegible] [illegible]-[illegible]? [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible]? ([illegible] [illegible])

ইশ্বর : ঐগ লোয়নরকপনী [illegible] ফাব যাওগে [illegible] [illegible] [illegible] হায়রভ লাকপনী। কাথংলকউ।

ডাক্তর : লউ কাখংলকউ। ([illegible] [illegible]) [illegible] [illegible] করি লোংলি যে হল্লু। ([illegible] পাবং লোন্নগ মথুং থাঙ্গং "হরিবোল, হরিবোল!" লাউই। মশা মাক মরোল চেক তৌরগ [illegible]। ইশ্বর উংলগি থুরিংখাউদ নোটবুক অমি ফংই, ফাওরোক্রগ পাবং অম পাইনবদ]

ইশ্বর : হূব মুনব থঙদে, কারগুম্ব পাইম্বন লৌশিনব কাইম্র।

ডাক্তর : মসি ঐন মুল্লে, নঙ কাম্রজো। (চক [illegible]। ডাক্তরদ) করিনো নঙ ফুরিংখাউদৈদসে ? (পায়রগ)

ফিদ : ডা কাপ্রব নোংমৈ হীদাক্লি।

ডাক্তর : সে নঙ লৌজো কাম্রজো। ঐগী থমংখোংসিদদি কাপ্প য়াদে। হিংন ফাগদব ডাবাই য়াওরি। চংলু হি মচাসিদ তোংউ চংলু। (চংথ) নঙগিসি দ করি য়াওরি ? (বেঙদ)

বেড : চাক লানগনব চাকথাউ য়াওরি। (নুংক উংনী)

ডা : মতু পাম্মে নডগী অহুম ওইরে। হি মনাক্কু নৈরু চৎলু। ইশ্বর উপরবু কৈ দোব লাকপনো?

ইশ্বর : অনীস য়েনব লাকপনা, ঈশান লক্ষ্ম, ডা ফারা নৈবনী, হোডুন নৈরো।

ডাক্তর : মমাক মুই, মনুক চাওই, মমিং চুমনে নৈনিংদে।

ইশ্বর : কেম্ম লোহৌরে কান্ননী।

ডা : থ চদে।

ই : পোৎ কাডুলব মতমনে।

ডা : মাংদি লোং চু। মবুক পাল্লি তন্ত্র।

ই : ডাদ পীজব কান্নরোইদ্রাও?

ডা : ডাগী চিজাক! মশাদ হংগে।

ই : হংবদি য়াদে।

ডা : চৎলো কান্নদে নমথাক।

ই : নোটবুক পীরো।

ডা : হাসপিটালদ পাখোল অমত্তং চৎলুগেরা?

ই : কৈদোব চৎলুদগে? তন্দ্রাও?

ডা : নোং ডাক্তরবু মচিন পানব মবুক চাওব অনী পুরগ পাৎসিদ হুয়ানব লাকপদে ঐন থাদোকপীব, নপোং নরল মুনবিদবে মহুৎ।

ই : হাসপাটালদ করি থবক?

ঙা : ঐন ঙরাং তাইবঙপানগী চাক কি তাংহনব, হূরান চিন্থী, শেঙ্গা থুমজা, অমোংপ মরুম পুম্নমক কোকপ হিংচাবীহ্ন হাংলে। শিরতুং লেনথি থর ভৌহল্লু।

ই : করি কান্নদোরিব ?

ঙা : হিংচাবীহ্ন অমুক হিংলক্লনব, হিংলবসু মচা পোক্কনব কারিয়ে ভৌহনব তাব—অচাংথাউথিং।

ই : কয়া বাং চাওনী ?

ঙা : পীকপ চাওব অরাইবনী, ঈ অহিংব চুপ্প কনবনে শাথি-রিবদি।

ই : লাকপবু মখোয়ন শাওরিবদি করিগিনী হায়গে ? থমংখোংসিবু মখোয় মপা মপুগী স্বত্বনী হায়ব্রাও ?

ঙা : মপা মপুগী স্বত ওইরবসু ঐবু তাস্তোকপগী মখো লৈতে। ঐগীসু রারী পেনা তাজমনবে। তাইবঙপানগী য়াইফনব মুংঙায়হনব ঙম ঙারাই ফাদোরিবনে।

ই : ঙারাই ফাদোরিব : থমংখোংসিদে ?

ঙা : অং। লাকও হিদ থিনবিগে।

( হিদ ভোংহল্লগ অহুমহ্ন থিন্দোকখি )

[শারি ফজন শেংলগ ইঙ্গিংবি খোরকই, বেগতগী মিংশেল য়েংই, হাপচিল্লি মমাই নাল্লগ, P দ কাখৎ ইন থাব মমাংঙৈগী রা নীংশিংই।]

ইঙ্গিংবী : নোংজুথা ওইরকপদ ঝম, ঝম, রা, রা, পুত্রি, খোঙবান, পাৎ ভুরেল, ঈশিংন পুম্নং লম্পাক্ক ফাও ইন চিংবদ

ঙাথা ঙাচিং লোংথজিং ফানরগ এগী ইন্দ ঙাক্রা ঙমু স্থম চাওবৈ ঙাংতু ক্রিদ্রিং কিজ্রিং, চোংকপদ মৈরাম্ম কল্লক্ত য়েংনবহুদি সন্ত্য, নীংদোলসি হুং দাং হুংদাং চোংই, চোংথোক চন্দ্র কিজ খুংন কেন তাম্ন ফবং গোগা থোং তুংগাল মপুংন হপ চল্লগ হাক্রা ঙমুহুন তুমন তেংখিবহুদি লাইন খড়লী তু চুংদমথৈ নুংছায়, কংগী শেংপ চাব নীংথুংদবশিংগী লালহৌ খেল্লাও অমত্ত নাকাংদ চংদিদে।

নু ঙাইনীদ লৈশাবী দবল ওইরিবৈ পাংত ইঙ্গিংব!

(ইন শোল্লি ঙা লক্তে)

ঙা: (হিং হোল্লক থুংলরে) নু ঙাইহদুনি তাইবঙন নীঙনরিব। নুংশীগী নুংঙ ইব। মানু নাংবদ মবু ফংনব তন্নবদ নু ঙাইহল্লবহ লাইনী। ঙা লকপ্রা হাঞ্জ বি?

ইঙ্গিং: কনান লকচক্লগবনো চহি য়াম্মসিদ।

ঙারুং চাহন নত্তে কজেংতুননি। থমংথাসিগী ঙা মচানদি কিনরনি।

ইঙ্গিং: ঙা মচা কানদে, টাউন্দ ঙাজাও ফাক্লগে থোরক্লবনি। (P দৈ কুমথৈ খর চংলগ) এবু থাম্বিনব কনামত্ত লৈত্রেকো।

ঙারুং: থাম্মরোই, শাথিরব ফিভমগী মথাপোন নুংঙইব ফংনদ্রবা তাইবঙ মীন অয়াম্বনী। নীংথা তম্ব অপাম্ব থবক্তি চৎপদ খাইদৈ হিংনাংদব মীহু এ অমনী।

ইঙ্গিং : মীন হায়বদ ইন, মীপী সেবাদ ভৌরম্বী অমদ ননিং তমজরো, নুংঙ'য়জরো থাদোকপদ হৈনগত্র শংগালদো ? ঐ সন সগোলদি নাঙকো !

ঙাক্লং : সন শংগাল নত্তবগী থংদ কইবনী। অরেপ্প নু ঙায়-দোব খিয়ো ! চুমথং মখোং পীগেবা, লাইম্ম থানবি ফাগেবা, লাই নীংগেরা .... নত্রগ ঐগ সুম ঙারাই ফানব হোংনসির ? মতম কুইন চৎতৌব নুংঙাইব থীংয়া।

ইঙ্গিংবী : অংরপ্প, লেংদব নুংঙাইব, চীংজাউ পাংচাউদ হংউব তায়। (খল্লরগ চৎখি)

(ঙাক্লংবন নিপা ইন পায়রগ Pদ। কাখৎ ছুন্নি, চিংখৎলি তম্ন করিমত্ত লক্তে।)

ঙাক্লং : শেল ফংনব থবক্ত নোম্ব, ঙা ফানব ইন ছুনব ঈশ্বর ফংনব ধ্যান তৌব, ফজব অনৌব খুৎশেম থোক্লব কলা সাহিত্যদ খুৎ থাব।

(ইন অমুক মাইকৈ অমদ ছুন্নি চিংখৎলি, ঙা অম ফাবৈ মতৌ, লৌথৎলগ ছ ল্ল)

ঙা : ঙা অম লক্তে লৌশিল্লো, সে। পোইলা তারিখনি তলব ফংলে চারসে থক্লসে ঙাওরসে! কয়া কুইন নুংঙাইদৌরি ? লাই অম য়েক্তে, শৈরেং অম ফোংলে, পেন্দে। অমুক য়েকপ তায়, অমুক ইব তায়, নক্তবদি পেন্দে হিংব নুংঙাইতে। হিংব হায়বসি থবক নোম্বনি,

নোম্ন তল্লিব স শিনিংলিবনি। করিনো নোম্নদ নুং-
ঙাইব থবকপো ?

(শারুংব রাইফল পো শাদ'নব থোবকপদ)

শারু : নোম্নদ নু ঙ'য়ব থব রু অপাম্ন শা ফানব ত'নবনি।

ঙ'রুং : তানবতু ফংলগ নুংঙাই লোইরে'দা ?

শা : চাদস্তু রেবত্ন নু ঙাইব মচিঞ্জাক থংদপাস্তু নু ঙাই পুতুন
চংপস্তু নু ঙাই।

ঙা : পাম্নম্বদে পাম্নত্তুতুন য়াম্ন খায়নৈদা।

শা : খায়নগ্রগ অংতাপ্ল অগমুক ফাব তাংব।

ঙা : ফার থাং লু ফার থংদোক্ল, কার কান্নরি অঙাংন
শান্নবগু।।

শা : শান্নব শায়ব স নুংঙাই, নুংঙাইনব ফিংগে হায়ন্নবদি
শান্নব তয়। শান্নতুন ফিংসে, হিংতুন শান্নংস।

(ংংফন—হাইত্তুম চংথ D রোংদ)

ঙা : (লাওখি) কয়গনব পোংন শান্নবদি কুইন নুংঙাইতবনে।

(ঙা মকু মানব, ফ্লারং অকপ, স্কট অঙোব লিং
(চত্থোরকই ঙ'মেমা ফিংলপ)

ঙামেমা : করিনো কায়রিবো ? ইরাও ?

ঙা · (ফিজেং লাকচেং উবদ মমীং উইশিন ঙক) : পুন্সিগি
হি কারগ ল্ল য়ুগল্লি, ভাইবঙ পানগি পোং পুম্ন কুইন
চংতে, মশক ওনগলল্লি।

ঙা : ঐখোয় হিবু য়ুরত্রাও ? কনান থুগাইব্রিবনো?

ঙাকুং : খর খর যুবক্লে। ওইব য়াই নঙন, নবুংন নল্লগ নমান থুগাইব।

ঙামে : ঐদি থুগাইদ্রেনা ?

ঙাকুং : পারোন পূবোন হাক্চংগি শিজিন্নবকইব হি, পুন্সিগি ফিজেৎ চাকচা, শাজং লিচৎ, চৎনরোল ইকাই মখুম থাদোকুরকইবাসি পুন্সিগি হি যুবক্লব নল্লাও ?

ঙামে : ওহ :, অদু ওইরে। (ইকাইবন মমাই খুম ওমুংদ চেনশিনখি, ঙবোং ইল্লুই, মমাই ফনেক অমনব জোন জোন শেৎলুই )

ঙাকুং : মমাস্থু মহাকতৌন কি মতুপ, ফিদেক অমন ইকাই খুম্নরম্মি, হুজিক্কি চৈারওব মশিংন য়াম নল্লংহুদদি ফিজোন কিশান ইকাই থাংনখ্রে। চাহ য়াম্ম য়ম্মগ ইকাইব খঙদ্রিবসি ঐ ইথদ ঙায়রে।

ইমানব কয়ান চিঠীখেলাদে ফাওরকপন, টিক্‌দৈ তোংলকপন, হুমাং মমন নল্লগ নমথাক লৌনমগী মমম্ন পেনদব কয়া খম ইকায়খুম্নবি। ঐদি মায় পান্দ্রে, ঙারাই ইবুংঙো, নঙন কুবিদ্রবদি ঐন হিংবগী কান্নব নৈদ্রে। কনান সুমিৎ থাবু কনান মৈ ঈশিংবু লাইনী হায়ত্তুন খুরুম্নৈ। ঐন থাজবদি খঙদব উদব কৌবদ খুমদব নঙন লাইনী। নহাক্কি ঈশিং মনুংদ নল্লগ লৈরোননুংদ লৈবনী, মরম অদুন কৌব তাদবনি, নশক উদবনী। উদব নঙবু উনব থীব, কৌব তাদব নঙবু

খুমহন্নব লাক্লুবন ঐগী পুন্সিগী নুংঙায়বনি। ঐ খড়িউ ইবুংঙো নহাক থমংখোঙসিদ লৈ, নোংমদি শোয়দন ঐঙোন্দ চনবীরনি।'

মুর্পীমচা ঙমেমা! নমান্ন নবুংস্থু নীংখা তন্ন নুংঙায়ব হিখ্রে। লাওনে ঈন খর চিংও—

(R দা কাখং মখোঙ মখুং S তা হাম্মগ মুরুম মুরুম শেন পদ্মাসন্দ ফম মমিং উইশিন ধ্যান তৌখি। ঙমেমা ইন্নফি অম লেংহুম নাই মমাই যনেক অম তাখং কৌন শেং খ্বাংদ তুঙ্গাল চি, লোং অম পান্ন খোনব খোরকই জগোয় শাথেক্ক, B মনাঙ অমদি S তা অমুক অনীরক খেন্দুনা য়েডিঙ, ঙা ফাদে, Background music তৌদ্রিন পী। শাওনীংব মতৌদ লোং নংথে রকই, P দা কাখং ঈন থাই, শোনজুন য়েডিঙ লক্কে করিমও, ঈন অমুক থাই, শাওজুন মখ্বাং মেং লৈ।)

ইশৈ মতেক ১ শাওরংনন শকই:—

ঈনবু চিংলে থরোই অহাম
লোংবু খোল্লে লোং খজিং
পাংত খোংদ লৈখোম লৈনাং
তীম্ফা কাকফৈ তুমিং কাঙ
কয়া কুইন খাঙখিদগে
লাইবক থীবশিংবো?

ওহ ..... ঙারাই নঙবু কদাই লৈগে
হে শকহেনব, হে ওইনম্ব ?
নশকস্নু উদে, নরোনস্নু ত দে,
ফজৈদি হয়নকো পান্মী।
কযা কুইন খাংখিদগে
লাইবক থীবশিংবো ?

(ডেক্তর হিন্দ ঙাফি শেং makeup তৌ ইরে ইদুন লাকই তপ্ন তপ্ন Down stage left ত ঙামেম খংই, ঙকই, অহৌদ নিপা ইন লাম্মগ হুল্লি। লক্তে, থৈদোক-লগ হনখি।)

করি ঙা ওইরিদগে হুজিক্কিহৌবো ? ইস ফজখ্রেদ, তু থ্যাও চুংইদ। (ঙক্তুন লৈ)

E দৈ ইঙ্গিংবী লাকই মীতৈ ফনেক ইন্নফিন কে

ইঙ্গিং : ঙা ফাব্রা নুপীমচা ? নঙগী ফিজোনহৌবো ?

ঙামে : কাদে ব্রা অম হংগে ইমা : ঙারাই হায়দু করম হায়ন তৌবগে ? মশক খঙব্রাও ?

ইঙ্গিং : মশক্তি খঙদে, কাগে হায়হুন ইমাস্নু থৈদেন্দ, লমজাওদ কোয়থি থীক্লবনে।

ঙা : খঙদি খঙদন করম ফাদৌরিবা ?

ইঙ্গিং : মশক উবদ পুক্লিং শুম্মংপ, নীংদোল ভীঙ তীঙ চোংলব য়ায় পায়ব, শোয়দ্রে ঙারাইনী হায় নঙ বাবা সাব লাকপন।

ঙা : মহ ঙসি : হয়েং উরে ঈশিংদ, কাবদি ঙমহৈদ্রে।

ইঙ্গিং : মশক্ কমদৌ ? ঙা মনব্রা, শা মা-ব্রা, মী মানব্রা ? কয়া রাং চ'ওই ?

ঙা : হয়ভম খঙদে, য়াম্না ফাজ য়াম্ন পাম্মি।

ইঙ্গিং : হৈ মতম্ম ওইরম তোক্রনী। করিনা সিদ বাসা সাবন ওইরিবনিদি ? ঙদি কাগে হায়দন।

ঙা : ঙ রাই ন লিবনে ?

ইঙ্গিং : খঙ্গ যাদ ও ঙাওথিহন তোক্করনী। মথোং খর হাম্ম চ'দবগ। (মনক্ক) ওহ, ত বিরিব্রও, থমংখোং লাক-পাও ? ঙসিগী করিমত্ত চদ্রিবাও ?

লাকপ : ঐবু উইকনবাও ? ঐগী চাক হাপপ্রাও ?

ইঙ্গিং : চানব নবি নৈহৌই ঙামেমা ?

ঙা : কঙ্গোংগ থংদ ইগ প নগ থোংব উয়ান্দ খর য়াওহৌই। চাবগী রা লায়রি, বাবা, ঙারাই হায়বহু করি মানবগে ? ঙারা শারা মীরা ?

লা : করিগুম্ব শক্তম লৌরগ থোরকপ য়াই। ম নি নত্তে খঙদৌবদি পূক্লিং শুম্মৎন ফজব, ঙকুপাম্ব, য়েংবদ তু থ্যাও চুং নুংঙায়ব। মহাক শোয়দ্রে। নমা ইঙ্গিংবৌদি ঙা ফারক্তে।

ইঙ্গিং : ফারক্তে।

লাক : নঙন শেংথিব কিশাংহুদি ? শারী ?

ইঙ্গিং : শেংতেন ঐদি ঙাবন ওইরিনী। করিনো খিঙং হাক্সি

কোক ঙ'ওদনব। চংলু নুপীমচা নঙ ব'বাসি করি করিনো খর পীজরু ঈবাকুদৌ শরুক চরু মকা ওইন য়ানব ফন কান্নবিপোংনে খঙঙ্‌।

ঙা : ঐ ইন চিংলিসিদি?

ইঙ্গিং : ঐ অমুক চিংগে। (চিংখি)

(ঙামেমন মখুৎ শম ঙ ওবি ঙ'ওরিবত্থ পুশিনখি)

ঙাকুং : নঙবু নুপীমচা, ঙ'র ই উরুবব্র'ও?

ঙা : উহোরে, ইনয়াদ মোংলব।

(ইঙ্গিংবি P দ কাখং নিপা ইন হুনবদ ইধর-উধর চংলকপগ মপা চা ইন্নুংদ চংখি।)

ইঙ্গিং : ঙারাই ইবুংঙো, অমুক্তদি কুবিয়ুসে। (হুল্লি)

ইধর : হৈমা! ঐদি ঙা নত্তেয়ে (লাওই)

ইঙ্গিং : লেঙনু অত্থদি। নুপীমচা খুৎলাই পুরকউ।

ঙামে : (থাং পায়) কনানো ইমা? শত্থংলা?

ইঙ্গিং : হোদোং মাল্লি, ফাসি। (উতুপন নব্রগ লোঙ পায় ধমকা তৌ মমা মচা তপ্ন চংশিল্লি)

ইধর : হোদোংস্থ নত্তে,শত্থংস্থ নত্তে থরাইদদি কল্ল্‌ ঐ মীনি,

লাকপ : (থোরক্ল য়েং) কনানো হাংত্রিবাও?

ইধর : লাকপ, থরায়দদি কল্লো। ইধর-উধর

লাকপ : ঙাইখো লাম্মিশা! (তপন চংশিন মমাই হাংদোক) ইধর উধর করিগি লাকপ?

ইথর: নহাক্না হাৎপ হীংচাবী শিরভুং লেন্থিগী থাকুবত্রু

লা: ডোক্তরন করি হায়? ৷ অনৌন্থু শেন্নত্থুন লৈ

ইথর: ঐদু স্নুক থাম্ভদন লানগী অনৌন কাপ্পুপ চপ?

লা: নহক মনুংদু থবৈম মচা অম থাল্লগ চৎপ য়াব্রাও? হৌচ বিগী থুন থন্নু দু কাহৎলম্মী কিবাদনী।

ইথর: মী পূম্নমকসি থন্নুংদ দুগী তেঙ্গালী কারব ভাক্তাও?

লা: উঁম, সহৰদ লাকপশিংন খর হেন্ন মুই।

ইথর: করিগী?

লা: মফ লানব, অফাওব চাব পাম্বগী। ডোক্তরন করি হায়রকই?

ই: চাক খুদং হিংচাবী মরুম হাৎলব হীদাক চেল্লি, অদু থর দুখ, থর মাংখি, থর দুরান্নখি হাসপাটল য়োবদ ভাঙ কোম্নদে।

লা: অদুনদি অহৌংবৈ ইথৌরাং লাইনসি ফব নাইৎরোই চৎলো ইথর, থৌন্দোক্কে লাকও (চিই)

ইথর: ভা অচৌব ফাব হৈব মী লৈয় পীগে?

লা: পামদ্দ, ভা ফাব হৈব মীদা দুবস্নু হৈরম্নী।

(চৎল পুথোকখি, মমা মচান লোক্তুন য়েংহোই) (Up stage দ শাক্কংব মিস মেমলেসকি ( English girl ) মখুৎ পুনব থোরী পায়, হিদ ভোংমিন্ন ইশৈ হরাওন শক হোল্লকই মুমিদাংবাই।)

ইশৈ :—

ওহ ব বা, ওহ ম মা,
হয়াওবে ২হ ভাং মা।
মচা কুইন থিরবংংদ, লৈখাং চান থা লতুং
কাবক্লে ভাস ভাংবম, ভারকগী অথোইবী
যেংল য়েংল পুক্লুংহ্, শাযব শায়র ওইনাম্ন
সিবু থোইন হয়াওব, কবি লৈনী হিবদ ?
ওহ বাবা, ওহ মামা !
হবাওবোহৈ ভামেমা।

(হিজুন F যৌবব কান্দ শাকুংবন কাখৎনী, মমা মচান ধুপ থ উমৈন ওক্লুব ভাই। নেমলেমন বোযন যেংলগ)

নেম : হ্বাট নোনসেন্স ইজ ওল দিস ? (শাওব মংৎ)

ভামে : করি হায়রিনো তাচৌ ?

শাক্লুং : ওকথ্রে, ফজথ্রে মুংভাযথ্রব লমনী হায়বিব।

ভামে : মমাইদি ইশু শুগংলি।

শাক্লুং : (কেঙবিবনী নথোয নগাংদ। লাকও কাখৎলো, সিংনাইদবি নভগী মকোন ওইবদৌবনে। মোংোন নোকও ভাংরমা। নভবু লাৎ থম্নদৌখনে।

ভামৈ : (কাখৎলগ) আই রাজ কিদনেপ্ত এট গনপোইন্ট, আই দোন্ট লাইক দিস।

(মমা মচান ওক্লপ R দ কমথহল্লি। মথুৎ পুনবহু

থাদোকপী )

ইঙ্গিং : করি লাখিবনো ঐপামচা ? শাওবিরা ?

শা.কুং : ঐনু য়াম্ন নুংশি হায়রিবনি। অদাও অ.ু.ম ম ফুদি মবুক য়াম্ন লা.ম্ম।

ইঙ্গং : নুপীমচা করি কারি চানব নৈ — অদাওব ?

ভামে : অদাওব পীজদি হায়রবাদ ঈশা. কম্নো গ ৱাইখু কংশোয়গ পীজব ভা.র।

(মমা মচ চংথি, শাকুংবন মকোক ০া ল্ল নেম-লেসন মভুক হাই মখুংন কম্লোক, মখনাং পাংকুওদ শাওই, খুনীংন থিল্লকই, মথোঙন কাওগে তৌই। শাকুন শাও, মনঙ্গৈন্দ নোংমৈ নৌখোক কাপাক তোশৈন্ন মখুং থাঙ্গং লেপই। মখুং থাদহল্লি, পায়ব য়াই। মমায় নানব য়াই, কমহাল্লি। নোংনৈ পোাথ।

(শাং অমুব, চক্ষু অমনওদ হাপ্প পোং পঙংব পুরকই, মমাংদ থম্মী, মমা মচান লেম্ন, লাপ্প য়েং নৈ। শাকুংবন ১ ভা চং মখুং হা.ম্ম, মাবুস্নু কৌরগ হাম্নব ইঙ্গং তৌই, ঈশা থাবিরগ হাদহাল্লি। শাকুংবন ফম্মান্নরগ কাম্বাং লৌহুন চায়, ৱাইখু মথোঙ ১ পায়খংলগ মুন্ন য়েংই, মনম নম্মি, শুগংলী। থমগে তৌই। (শাকুংবন নোংমৈ পায়রগ) "চাও চাদব য়াদে হিংনব" ধমক। তৌবদ কিবন তপ্প তপ্প থিঙং চায়, শান্নহুন য়েংই, ওইনম্ন মাতৌদৈ, য়োংখি।

অমুক লৌবগ গ্রৌ গ্রৌ শায়, হাওন চায় মহীকাও থাজৎতুন থকই। অমৈস্সু লৌ চায় মমৈদ লেকই। শাকুংন "ঙ.ক্র, লেক্কনু খিংৎং চার হিংব ঙম্মু" লেকপ তোকই, মখুং হাম্দোকই।

শাকুং : মসিনী ইমা ভাবাই হায়বহ্নি। বাব।দি কদায় চংখি?

ইজিং : চংখোকখি লাক্লনী।

শাকুং : মসিগী ভাসিবু করম্ব ভায়োক চফুদ য়োক্লগে?

ইজিং : (C দা থিল্লগ) ময়াই থংব ভায়োক চফুদ থম্মু, বাবা লাক্লগ য়েংনসি, মানী নত্তে কায়ব।

নেমলেস কোয়ন য়েঙ্ঙি, মখুং পাযরগ শাকুংবন "C" দ পুসিন চংখি, ভাইহাক য়েংহল্লগ। (music: ওহ, বাবা, ওহ মমাগী টিউন্দ)

ভামে : মসিবু ভারাই হায়বহ্নি ওইরমগদ্রা? থাজদে ঐদি।

ইজিং : ঐস্সু করা থাজদে। বাবাদ কংলগ থঙনী।

(শাকুং নোংমৈ পোবগ থোরকই) শোহ্নি লোল্লস্ররা?

শাকুং : লোল্লস্মে। (D দ চংখি) মুপীমচা, সাবন খুদৈ পীরো, ইক্লচক্লগে।

(ভামেমা মতুং ইনখি। ইজিংবী হঙ্গং হন্দা চং রাখল তৌই। মমথরক্লে অমুক (হেন্ন)

ইজিং : থায়মদি থমংখোংসিদ ইন চিংবদ মরোল লোক্কব ভাজাও য়েংবৈ পেন্দব কাখি হায়নব ভার। ঐস্সু কজগ্রব চাওগ্রব অগত্তদি কানীংগ্রেদ।

নীপাইন নংবুগ থৌরী কোঙ্গোয় পানব পুখং P দ বাখং হল্লি ময়াক [illegible]দ।

(পুল্ল, ইশংঙ্গুম শণই—)

ওহ শাব [illegible] লুংশিব উপাং মংলাংচাদু [illegible]রকুম, থ[illegible]ন ম[illegible]দি পাম্মবও, নডবু কেদৌগে শক[illegible]নব, নশ নৌ থরায় হব ওডনব, লৈবাক মামংদ লেন্নডনব, তইবগুদ অমুক্তম মগুফাওনরে গব? (ইন শোল্লি লক্তে। থৌরি মতেন কোঙ্গোয় য়াওবহ [illegible] খক চিংনাকই। খংই, লুংগায় মতৌ উংলি, ম[illegible] [illegible], জগেয়নী মতৌদ ঙা শাব বেঙগ মখোয়নী [illegible]। অমন অমুক ঙম অমন অমুক ঙম, মায়দ [illegible] বন [illegible]ম ফ[illegible]ব, [illegible]কদ পুখংলে। মচাপু[illegible]।

([illegible], থোবক্লন যে[illegible]ল ফমহল্লি K দ)

[illegible] কখংলগ মা[illegible]শাব [illegible]বড উকই।

বেং: [illegible] ব [illegible]ব, আপ[illegible] কি ক[illegible]ছেন? আমিতো ম ছ [illegible]ই। ঈশিং শুমং[illegible]কই)

ইঙ্গিং: [illegible]গুড থয়াল স হেব, ফমুংদ বৈঠো।

([illegible]শল্লগ ফমহল্লি R দ)

ঙামে: ক[illegible] হায়রিবনো ইমা?

ইঙ্গিং: ঐখোয়ন নহালমখৈ ফাগে লুম্মকইব ঙ রাই হ য়বদো মসিনী অশেংব। ঈশিংদ ফন চেংথিহদনব লাও মখোংদ থৌরান পুল্লো। মবুক লাংমে করি করিনো

খর পীজো হায়রিবনী। করি পীজসিগে ?

ঙামে : ঙা ওইরগদি কংগ চেংকুপক, সম্থি খরগ তোং পীজৰ ভারেদন।

মখোভত্থু থৌরী মাবু ফারকপন পুল্লি, R মখোভুদ মতোন অম ফাজিন। ভকপন কোয়ন য়েংই বেঙুন মমা মচাদ, ইঙ্গিংবিন উত্থুপ অম থিরগ R দ থম্মী।

ইঙ্গিং : তম্ব ভমদে, খুৎলাইদি লাংশিনব চুম্মি।

ঙাবে : ঙা অহাওব ওইরবদি শেম্মগ মকক মকক য়েংনবদ কন য়াম্ন শিংপ য়াই।

বেঙ : আমাকে কি মেরে ফেলবেন সুন্দরী ? আমিত মানুষ, মাছ নোহোয়।

ঙামে : করি হায়রিবনো ইমা ?

ইঙ্গিং : হেরাঃ নঙগী নমীং হংলিবনী, তাকপিদ্রগ লোইরে। মবুক লাম্মত্থুন মমিং মনা ইথক থক্লে, করিনো খর পীজসি পুরকউ।

ঙামে : ঙাদি তিম্থোক য়াম পাম্নী, লক্দ কাব থীরুগে।

(চংখি)

ইঙ্গিং : হে ঙারাই ইবুংঙো থম্বাল সাহেব মানব, নমিং য়াম্নীনু ইচাক ইরল কুবিরম্মু। মতম কুইন নঙবু নীংজরকইবনী, থংলেন মাঙ্গ পাম্মুব, নীংজবত্থুদ থরায় লুপ্পি, থাজগনবী মুজানি, নমুং লেল্লগ মাঙখিগমুকো থরায়গী মপু।

(ম.ক.ক .নিনি, মশা.ৰ নপী ংৌই)

বেঙ : আমাকে কি ভগবতী কালী মায়ের সামনে বলিদান দিবেন নর বলি ! তা কখনও হবেনা, না না না। (চেনগে কৌবদ)

ইঙ্গিং : (উতপ থাঙ্গং) নমাদি লৈরেই, নকোক থুগ য়না ডম্মগ চেল্লু।

বেঙ : আমি কি কবুতর, আমিকি ছাগল যে কাটিয়া বলিদান করিবেন ? তা কখনও হতে পারেনা মা ! মাপ করিবেন মা। (কপ্পি)

ইঙ্গিং : নমা কৌহুন কান্নরোই, তুমিন কম লৈয়ু নথার মং-নীংদবদি. নবুক লাম্বহু ফনব অহাও অথুম পীজদোক্লিদন, কৈদোন কপ্পি ?

(হৈকক, হৈবি, পানহুম, পুংদোন অশঙবগুম্ম খর চেগায়দ হাপ পুরকই ঙামেমন, অনীহুই মতৌ ঙবদ)

ঙামে : কৈ.ৰ রে ইমা ? করি হ য়রিবনো ?

ইঙ্গিং : ঐদু মাগী নুপীরা মমারা অমা মাল্লি য়াম্ন নুংশি হায়-হুন কাপ্পর।

ঙা : ওহ, মবুক্তি ইহৌ হোৰ, য়াম্ন শেংব ঙারাইনীদন। (পোংশিংহু মম ঙদ থম, ইঙ্গিংবিন শেম্লগ খোক্লগ ইনবি। হরাও হরাও হাওন চায় )

ইঙ্গিং : চাও শাংইব মশক মতৌন পুক্কিং হুরিব, নঙ বাবান হায়ব ঙারাইহু সি নত্তন করি ওইদগে ?

ঙা : বাবা হল্লক্তি কাওবদি, ঙায়েকশঙদ নমশন থম্ব ভারেনে

তোঙান তোঙান !

ইঙ্গিং: চৎলু য়েংথঙব শগ্নহ্ তনান তনান খর শেংদোক্লু ।
(ঙামেম C দা চংদি । বেডন, কদি করিগো ইল্লকপ-
শিংহ্ হাওন চদি ।)

ইঙ্গিং: (কেন ক্লুংশিন পাজ পাজ) ঙাব ই ইবুংগো !
ঐখোযগী লৌ ইংখোল ঠকা তৌবদ, ব্রশোক্লুবদ,
জুরারদস্থ মাঙখিবশিংহ্ হজ্জিনহনবিব, খোংসিদ ঙায় ম্ল
চংহনবিব অসিদনী । ইহে, অম ব্রাংহৌরে ঐখে ম্ল
নিপা মীরোল কয়া হুক্রবসে অশিদি মরললদি লৈহন-
বিরবস্থ মীরোলদি হান্নগুম তাহনবিদব, নত্রবদি ঐন
ঙারাই নঙবু নীংজরিবসে শাওরকপ য় ই ।

বেঙ: কি চমৎকার ! আমি কিছু বুঝিতে পারিনা ।

ইঙ্গিং: হো হো, অহুম হায়ন তৌসি হায়ব । ইহ: ব্রাংদিব
চাওরিবদি । লাকও লাকও পোংথাজরবো ।

ঙামে: (Cদৈ থোরক) ইমা, হিদান্দো বোরা অহনবক থবি,
শিং নান্ন শেংদোক্লম্মবনি । মাবু করি হাযরিবগে ?

ইঙ্গিং: ঐন ঐখোয় ইমুংসি অমুক্ত নুংঙায়হল্লু হায়ববু হরাও
হরাও য়ারে, পারিনা হায়রে ।

ঙামে: নুংঙাইরেদ অহুদে । (২ হু C দা চংখি) কবম্নো !
ঐগীদি লাইবকসিবু মরীংন শাবীরকপদ মপাল খোপ-
লক্লবজাংলা ! হু তনবদি য়াদে ।

(P দ কাখং ইন চিংই, থাক্লুই — শোল্লি) লোংখজিং নঙবু কাগে চিবব ইন নঞ্জে। ঐস কাগে তান্নরিবদি ইপুন্সি চুপ্পফ'ও নুঙাইহনব ঙস্ব ঙারাইবনে। (লং-থোকখি) মসন কান্নপোং নঞ্জে। (থৌরি কোঙ্গোম্ন ছল্লি, নুপা ঈন জল্লি। রাখল তৌরম্বদে ইশৈ ঙংখি)

ফজব হায়হুবু লৈবরা
য়েংবৈ পেনব নাইদব
পুক্নিং ডুঙ্গুং হবাওব
পাশ্মিদকো সত্য!
অচুম্ব হায়হুবু কৰিনো
খঙল খঙল খঙনীংব
পুন্সি চুপ্প নুঙাইব
নঙবু কদায়দ লৈবগে?

ঙা মাম শেং লীং তাক্লর হিন্দ থোককই। কোঙ্গোইহু পায়হুম য়েংই, ঙকই। মখাদ জুকচিন য়েংই, নুংঙাইন, থৌরী লোম উবদ হর'ওই, ঙকই, সাজেন তৌই অহুদে চিংই। অমহু থাংই, চিংনৈ জগোইদোম। মমৈদ ঙাগেমন চিংখল্লী S তা কাখং-হল্লি। জগোরগী মতৌহু চিংথোক চিংশিন থাদোক থাজিন। মমৈদ R দ কমহল্লি, মফি মরোল জমদোকপি শেম্বী শাবি।

হিন্দ : আপ ক্যা চাহতে হো ? মতলব ক্যা হৈ সুন্দরি ?
(মশম নানবী)

ভামে : অহুবুবাও ? ভারাই ইবুংঙো, ঐন নঙবু নীংজরকইবসে মতম কুইববনে। নঙন চানবিহুন লাবপ.স ই.স্তাক্ত মুংঙাইজরে। নহানমুক নশক হাইফেং উংগিরম্মগ ম্বাই মাংখিবহুদৈ ঐ থরায় চাক লৈবকইবনে।

হিন্দ : কুছ মালুম নহি, থরায় চাক ক্যাহৈ।

ভামে : ঐদিংমী খ্বায়দৌন পেন্দব পুম্নমক থুংহনবিয়ু হায়জবোই। ঐখোয় বাবাসে পঙবদৈ য়াম্ন নংলে হায়ব, লৌ ফিংগোল মরল মথুম মমথাক তৌরগ মীন মাঙহনবিগ্রে, মহু দি হজিনহনবিয়ো হায়জরিব। লোইরে মহুন অত্তে কবিমঙ পামজদে, অহুগ ভাইখো, নাল্লগ থনম্মি, চিংনহুন হল্লক মখোঙ নাম থৌরীন পুল্লি)

হিন্দ : ক্যা করতে হো ? হমকো ক্যা ঘোড়া কা মাফি মালুম হোতে হৈ ? (মখোং ফিত্রিং ফিত্রাং কাওই)

ভামে : খোক খোক খোক। (মখোং পুল্লি )

হিন্দ : নীহে হে হে .... হে ..... হে।

ভামে : ( মচিন চুপ্প ) হচ হচ হচ য়েংওই নঙন চান-থক্কব পুখিরকে মরম ওক্ত লৈরম্মু। (ইমুংদ চং লালু ১দি চু মতেক লৌক্কই, ভজুন হিন্দনা কোইন য়েংলৈ ) সে সে, সি চাওসে, (পীবদ লৌরগ কীন চায়) য়েংও অহুবুরাও। ঐ অসাই নঙোন্দ হায়গদব থর চিখহৌরে

তায়ব। ঐখোয় ইমাগা, ইতুংগন নীজবস্থ পুংচনবা-রম্মো অহুন চোইরে, ভাবাই ইবুংগো য়েংবা ম ভাইবা,

(কেন্থন চৈশ)

হিন্দ : মেরা সমজমে কুছ নহি আতা বহিন! মৈ ক্যা করুং মুঝে কোই পাকড়তে হো ?

ভামে : অহবুরো ? ঐগী দি অপাঙ্গ নীগদব ইকাইজে। অহুম করিগুম্ব নন্ডন লাইনীন খন্ডবিরম্বস্থ য়াই। খন্ডন খন্ডন খন্ডশিন্নদবস্থ য়াইকো। ইবুঙ্কি শেংলোক্তব য়াদবনীব হায়ব ঐ অমদি ঐগী লৈজব খিবিক নখোঙ থম্বালদ কংচগ্রবনে, য়েংবৈ পেমব নাইদব ইবুংঙো।

ইঙ্গিং : হৈমা, নুপীমচা কনানোহৃদে ?

ভামে : ভারাই অশেংব, য়েংল য়েংল য়েংনীংলিবদি, ঐন কারে,

হিন্দ : (চংশিন্দুন মুন্ন য়েং) কুছ মালুম নহি মাতাজি, বহিন ক্যা কত্তে হৈ, ক্যা কলতে হৈ। হমকো সোরদিজিয়ে।

ইঙ্গিং : করি হায়রিবনো নুপীমচা ?

ভামে : রারোবীব য়াদে ইমা, নচানুপীসি য়ায় নুংশিপ্রে শাও-বিনু হায়রিবনে।

ইঙ্গিং : ওহ, অহুই ওইরে, করি শাওরুদগে ইরাসিদে নখায়ন পায়রবযো। শেংপ চাবদ, মুহাল কৈবান্দ করিমত নীংব থুংত্রব ঐখোয়ন, ওমজব লম্বিদ নীংখা ওয় নুং-ভাইনব লাক্লবৈ মথৌ ভাবনে।

ঙামে : ঙারাই অশেংবশিদি ইমা ঐখোয় ইমুংগী ঙাংয়াক চফুদ হেক্ত থাদরগনা ?

ইজিং : নঙ বাবাগী মমিংপু অমুক্ত খলহনখিসি। নঙ নঙ নমিত্তুদ নংগীসিন অশেংবনী উরি, নবু'ন অমদ উ.র, ঐন অমদ শোয়দ্রে হায়রহন।

ঙামে : কান্নপোং নত্তে ইমা, বাবা লাক্তি্ৈঙদ ইমুংদ পোং-চাহন্নুগে। (থোবিন চিংহুন Dদা পুশিল্ল) (খুদক অতুদ লাকপ চংলকই E দা)

লাকপ : করিনো নুপীমচা, কনাবুনো ইমুংদা হোইজিল্লিবনু- হা ইজিংবি ? থনুংদ থাউমৈ থানব্রাও ? (অনীহ গনায় লৈংখাকহল্ল।

ইজিং : নুপীমচান ফারকপ ঙারাইনী হায়রে।

লাকপ : ঙারাই শংত্রিক য়েং লৈ) খোংদৈ কাব ?

ইজিং : উম। নুপামচাস্থ অদ কারক্ত? কদায়দ য়ো ইব অতুম ?

ইজিং : ঙায়োকশঙ্গুদ থম্মী।

লাকপ : নীপামচা কদায় লৈ (কৌন)

শাক্ত : বাজি, ঐন কারকপহুদি অশেংব ঙারাইনী য়েংবীরগ থঙনী। (লোধোকপ চংখি) পুরকে।

ঙামে : ঐগীসিন থরাইদৈ শেংবনী বাবা, য়েংবৈ পেনব মাইদব। মুম য়েংবিয়ু, ইমাইগীহুদৈস্থ ঐগীসিন হেনবজাংমী।

লাকপ : মমাই হায়বদে। নমাইস্থ অম কারবরাও ?

ইঙ্গিং : ঐন কারিবসিন থ্বাইদৈ শেংবজাংনি, চাউশাংইব, করিনো পুক্লিং শুকংপ জাংনী হেক উবদ —। পুথোকচরক্কে মীচং নাইদন মীংয়েং তাবিয়ু।

(মখোঙ তান্দ থা লাকপ চংশিল্লি মথে য়নী মন ক্ত, য়েংত য়েংই, ওইদ অমুক মতুংদ অমুক কলাপ নীকই, খিরুম তৌই। খর হন্দোক্ত য়েংলৈ সংত্রিক।)

হিন্দ : বাপুজি মেরা কোই কসুর নহি, মাপ কিজিয়ে। হমকো সোরদিজিয়ে ! (মখুং লোয়ে)

লাকপ : করি হায়রিবনো নুপীমচা, নঙবু মাই মরোলসি খঙজব্রাও ?

ঙামে : খড়িঙ মবুক য়াম্ন শেংব মীনি ঐখোয় ইমুংসিনু নুং-ঙায়হন্নগে লাকপনী। মপা মাল্লি য়াম্ন নুংশি হায়হুন খরুমীবনী। ঙারাই অশেংব য়েংলীমখৈ য়েংনাংব হায়বদুদি মহাকমক্লি !

লাকপ : ঙবাই ইবুংঙো, নহানমখৈ ঐখোয়ন নঙবু কৌজব নীংজ-বসি তাবিরমদব করিগীনো ?

হিন্দ : কুছ মালুম নহি জি, ক্যা করুং ?

লাকও : করি হায়রিবনো ঙামেমা ?

ঙামে : নহানমখৈ লম কোইক্লরে, হন্দক্ত ঐন কৌব তাবদ লাকইবনী হায়রে।

লাকপ : উম : য়াম মরম ওকইবজাংনীনে। করে, ঙায়োকশঙদ থম্মুরো। নমাহু কৌরকও। (লুন পুশিনখি) করি

কবি খবপীজৌনইহ ?

(ইঙ্গিংবী বেঙপু মখুং পুল্লগ চিংপুরকই)

ইঙ্গিং : মখোয় ব'বান হায়ব ঙারই হয়বহ্ অসি নত্তন অ'ত্ত করি ওইদগে ? মুম রেংবিযু— চাউ শাংইব, ঙ'রাইনী হায়হন লাংপদ মতিক চাবনে ?

লাকপ : অং, ফজত্রসিবো ? চাউ শাংই, যেংববুদি মুংঙ'য়রম্ন য়াই নমিংত। মীংয়েং হয়বসি অঙকপনী অমত্ত তিংদেদ, কনাগুম্বনদি কদাইদৈ ইরোইনো রাশন কন্নীংই হায়নিসে। ঙারাই ইবুংঙো নঙবু নহালমখৈ কদ'য়দ লৈকবগে ? ঐখোয় ইমুংদ স্নুক কুইন অরাব নংলিবসে করিমত্ত উবিত্রাওা ?

বেঙ : মহাশয়, আমি আপনার কথা কিস্থু বুঝিতে পারিনা। আমার কোনো দোষ নাই, বৌদি কেন আমাকে ধরিতেছেন কিছু জানিনা। কি চমৎকার।

লাকপ : করি হায়রিবনো ইঙ্গিংবি ? খঙত্রাও ?

ইঙ্গিং : হেরা করিস্থ নত্তে, নহালমখৈ মাবু কৌব ভাদহন তৌবনী, হৌজিক্তি লৈত লায়র পুম্ব কোকহল্লগে হায়হন মহাক লাক্লে হায়য়ে। ওম্মোক্ল মবুক কপ্রব ঙারাইনে, মসি লাংত্তব য়াদবনে বাবা।

লাকপ : নথরাইন অদুক তারবদি লাংপ ভাই ইঙ্গিংবি, পুন্সিদ ঐন নঙবু শেংপ চাব য়ুম্বাল কৈবান করিগুম্ব মায়কৈদ

ননীং থুংহনব ঙমদে। নঙন অরা অনা পুম্ব কাওনব মাবু লাংনীংলবদি লাংলু। চংলো থমজিল্লুরো হৌ-জিক্তি ঙ য়োকশঙদ, নচ নীপা কৌথোরকউ ম গীহ্নগ। হয়েং ইধর উধরহ্ন কৌক্লরগ মরোল লেনহনব ঙ ই, ম দি মীরে ল য় মন ত বনী।

(মম ন পৃশিনখি, মচ নুপান পৃথোরকই )

শারুং : (মখুং পুনব থোরা পায়) বাবা নহালমখৈ ব্রান থিরুব ঙারৈমহ্ন মসীনি শোয়দ্রে। মীংয়েং তাবিয়ু, য়েংৈব পেনব নাইদবনী। ঐখোয় ইমুংগি ফিভমসি অমুক্তুং ফগংহনব তারবদি মসি লাংতব ইয়া য়াদ্রে।

লাকপ : উম, য়েংবদি ওথাক য়াই কয়া কুইন ফজদগদি খঙদে। (চেপ্তুন মায়গৈ খুদিং চংতুন য়েংই, মিঙনাইদবি ইকায়হুন নৈথোকই )

মিঙনাইদবী : হরাট এ ফুল টু ষ্টেয়ার লাইক এ মেদ মেন ! লাইক ফাদর লাইক সন।

লাকপ : করি হায়রিবনো নুপামচা নখোয়নীবু লোন খঙনব্রাও ?

শারুংব : খঙিঙ বাবা, বাবাবু থাগৎপা ব্রানী, মবুক ফদোব মচা মঙন হায়জরিবমথৈ য়াবিদোব অশিংব মী মাল্লি হায়রিবনী !

লাকপ : হা-হা-হা মাদি মশক্ত ফজব নত্তন মীতেক মীরৌস্থ য়াম্ল খঙডীবোইরে। ঙাইখো নখোয়নী লোন খঙনরবদি মঙোন্দ অমুক্ত হংঙু ঙারাই অশেংব্রা হায়হুন !

শারুং : (কিরম্বদৈ) ঙারাইজ সেং সেং. নংলি-নংত্তেজ, ঐঙোন্দ তাক্ক।

মিঙনা : আই হেব নেভর সিন এ ফুল লাইক য়ু, ফাই ফাট, ষ্টুপিদ !

লাকপ : করি হায়রিবনো ? হা নুপামচা ?

শারুং : মাগী অশেংবনী থাজদ্রগ তোকচৌ হায়রিব।

লাকপ : তোকলোই লাংকনী, অস্রক য়েংবদ নুংঙাইরিববু করিগী থাজরোইদগে ? নীপা, মাবু লাংলবদি লৈত লায়রব, ফিজেংনান্দব, য়েনশাং হাউতব পেন্দব ময়ামত্থু কাওব য়ারেনেকো ?

শারুং অঠুইদি বাবা, ইমা শিখিবদফাও কপ্পুব ঙম্বনী।

লাকপ : ফরে পুশিঙগ্রো, ঙায়োক চক্ষুদ য়োকউরো— মখুমদি খুম্নম্মু চোংথোকখিনীকো ? হয়েংদি ইধর-উধর কে বা মখোয় মখোয় মরোলত্থু ঙাংনহনব তাই।

(C দ পুশিল্লগ থম্মুই, লাকপন P দা কাথং ইন হুল্লি, চিংখংপদ লক্কে। মমা মচা মখোয় ৩ হবাঙন থোরকই, মপান ইন চিংব, পেন্দব উংপ হায়রপ য়েংল চংনখি। ইশৈ ঙংখিবম্মু য়াওই।

লাকপ : (মঙক্ত তকমান অমুব ৫ শিরি) ঙারাই ইবুংঙো অহাওব পীজব ঙম্নি হায়ত্থুন নশক খঙদব ইবুংঙো নঙবু নীংজ্রবনী, ইঙক্ত শিরিব মাইল মুঙ মঙাসি লৌশিনবিরো ইমা ইপান নীংথিন য়োকপিরক্তব লমজা ১, ইচৈ-ইশিং ভম্ব কংলক্তব ২, রান নোমজরগ ফমজব দোকান মচা

লাকপ : মীন শোংখিব হূবিববদে মুংপ ৩, লৌউবদে লৈজব হিংখাল লৌরাক রা শোক্লবদ থবক নোম্বদ মংখিব ৪, হু.জক থম খোংদ পাং চাজরিবসি লীন কাঙ, কৌদাং শহুঙন য়েথাইবিদুন ঙাঙাউ অমত্তু কাব কংজদ্রে, ইবুংঙো নঙন চানবিরবদি মুপী অঙাং অমদি ইমান্নব-শিংগী মখাংদ ইকাইবন হিংব ঙমজররোই, শিঙরনী থঙবিরো।

ইজিং : (খোরক্লগ ঙাইহাক য়েংই ) কৈদৌন শিক্লদগে, ঙারাই মানব অছম কারে, অমদি অংশংব ওইরমনীদন। রাবি-ক্লরনো, মুংঙায়রনীয়ে ঐখোয় ইমুঙ। করি কবিনো থর চাসি ঙাস মুংদাংগী ?

লাকপ : ঐগী শক্লক থাকইত্রাও ? ঙারাইশিংদুদ লোইন পীক্ল-থোকখ্রত্র হায়ববো।

ইজিং : করিগী থাক্লদগে পানগ রাইখুগ হাওন থোংব লৈয়ে। (চংমিন্নখি)

(ঙামেমন ধুপ থারে. লালটেম অম ১ থাম্লে। খুক্লম্মে, অহুগ ইশৈ ঙং চংখি D দা, লাকপ খোরক্লগ কোইন য়েংই।)

লাকপ : খোঙ মনীং মখাং লোনশিল্লু, উচি হৌদোঙ চংগনী লীন কাঙ তাম্বোকউ, শহুং শওম চংফদে। (খুকাপ্পি কাপ হরেং ২ হরাং ২ মুক্লম মুক্লম শোন, লাওরম্মগ R দা ঙবোংন ফিক্লক খুম তুমথখি। লালটেন মনাক

অশিম্ন. থাং-ছেন-না মনাক্তা থমজিল্লি। ঙাইহাক লৈবগা নংগোকি। অচিকপ অহিংগী মুর্ডিকেল ইফেক্ট পি। ফুরাংবৈ মতৌদ অবোনব শাক্তংত বেঙ ভমদি হিন্দ থোরকহ। পুনব থৌরি লোথক্ক, কোযন যেংই, লাবপগী মনাক্ত চং খুংলাই লৌথোকই, মগোযনী অমমম পায, হিত্থু বেদিদ থম্ম। মিংনাইদবিস্থ ভগ্ন থোরকই। কিন লাকই পুনব লৌ থাকপি, বেঙন থাঙ পায় থোঙজিন্ন লেপ্পি। মিংনাইদবিন ইন চিংই, লক্ত শোনবদ, মুপাইন ফল্লি কবিমত লক্কে, কোচি পানব থৌরী কোঙ্গোয় লংবদ কোক লাওব থেংনবদ ঙকই হরাওই। অনীহ্‌ কৌই ইকুপ্পব মকম ভাকই, বেঙন হিন্দবু কুপ্ম জাকই, বেঙন কোযন চংতন ঙাকই থাঙস্থ তাস্থ পায। হিন্দন ইকুপ্পগ যোংকি উপু কোংচিহ্‌ কোংলুই, অহগ কাখংলক চিং-খংমিন্নগ তৌবদ লাকপ য় ও ল্লি, শেনহুন ঙাইহাক লৈ, মমেদ কাখংলগ শো লৈথংলগ মথদ মং ঙা সনা অব ব গর কুম লন যোম্মগ পুখ। মশোন ভজমন হাং হাং হিদতু লগ চেনামম্নথ। মতমহুদ লক নাখোকই।

ঙাইহাক নৈরগ উচেক মচা চেং চেং পোংলে য়েনবা খোলে খরু খব ঙানখংলক্লে। ঙামেমা ইম্নফি মতুপ অমা ইন ধুপ থাবৈ, লৈ কংলৈ ঈশৈ ঙংঙি অয়ুাক।

মথুক্লিং মুংঙাইন ইঙ্গিংবি স্কার্ট শেং ব্লাউজ অঙকপ ফিং, ব্রেকফাষ্ট উহৈ থৱ চা কপ ২ উপাক্ত হাপ থোরকই (C) দ চখি। মচানুপীস্থ মিনি স্কার্ট শেং মোজাফুরিং অপাব কাবোগী লৗং ব্রেকফাষ্ট লাগু মঙ্গ। চা কপ অনী পুরগ থোরকই, মমান (C) দৈ থোরকপদ থেংনৈ।

ইঙ্গিং : নুপীমচা! ঙারাইশিংহু লোইন মাংখ্রে।

ঙাযেম : (অচাথক থাদরগ) হা! মাংখ্রে হায়ব! কমম? (C) দ চেনশিন য়েংই হি নৈতে, কপ্লি কপ্লি চিন্তাদ লৈ। মচানুপীস্থ কপলি কপলি থোরক কোইন য়েংহ)

ইঙ্গিং : হিস্থ নৈতে নুপীমচা বি তোংহন চেনখিব তাই। ওম্নোকপ লাইবাক্লদকো হে ঙাবাহ!

ঙাযেম : ঙরাং অঙিংদ মঙঙব মঙ পুঙাইরবদো, ঙসি নোংঙানবদ ঙায়রি উন তাকপগুম ঙ কথবে। করি লাইবকানাদিবো!

(মমা মচা কোম্ন হিক হিক কপমিন্নে। মমিং নোইরগ শারুংব ফিংলা থোরকই।)

শারুং : ঙারাই শ হবু মংরপ, হৈ করিনো লমা নচান কপমিন্নারবহুবু কারগীনো?

ইঙ্গিং : খোগোপ্ল নৈরমদ্রে, মাংখ্রে।

শারুং : হা? অওইত্রাও? (চৌরপ C দ চংখি)

লাকপ : (থঙহন চোংথং হৌপংলি) হা কৈদোরে হায়ব?

( ধমকা তৌই ) নীপা শাকুংবনি ? (কেবীটি ফিলেঙ্গু লৈ)

ভামে : চুরাং ফাব ভারাইশিংডু লোইন শাংখ্রে ঈশিংদ

লাকপ : (C দা) ভারাই অশেংব ওইব তারে, মাঙব ঙম্নবীন (ঈশিংদ তপ্ন কুম) খুং হুম্মগ কাগে।

শাকুং : (ফিংন খোরক) অমত্ত উত্রে বাবা, মাঙব য়ারেই থিব তাই। ঐখোয় হিদি (কোইন য়েংই) ?

ইজিং : হি তোংহন চেনখিব তাই, লৈব্রে।

লাকপ : (য়োংকি উপু থেংনব) হৈ অসিদি কৈনো ? লৈয়ে হৈ অঙাংশা, লাও নীপা।

(মপা মচা চিংখংলি ময়াম চংহন য়েংমিন্নৈ, উপু অংগব)

লাকপ : সনা লুপা মনিমুক্তা মখৈ পুখ্রগ অহাংব উপু লৈহৌ..... ঐদি মাংজরে, থমংখোং লাকপ, নঙ হিংহন কায়দ্র ঐবো, কর্ণগী দোলাই কাঋাগুম চিন্নবকান্দ কোত্রাং হো লৈমুংদ পুখব। মকুপ মপাং মরিমকা পুন্ন অং-মন্নাবু কোয়শিনখিব য়াধি ৯ পা চপ মান্নরে। ঐ হিংবৈ কান্নব্রে ইজিংবি —মুপীমচা ভামেমা: ইপা শিরগে শাকুংব।

শাকুংব : পাখংখিমু বাবা ইংথবিখো, মখোয় মাংখিব য়ারোই থিগনী ফংমব।

(ইশিংদ চোংথ ঈরোইহন চংখি)

লাকপ মচা চংখিব মায়কৈদ মখুং থন য়েং লৈ,

লাকপীন কেয়থি থৌরম্বদ ডানা অউপ্পকাও লোংথাক C দা চং অমুক য়েংখি, তামেমন লৈপরেং মনব থৌরীহু (চেইর কর য়েংপা) পায়রগ কোনহুন কপ্পি লোম, ইঙ্গিং-বিস্থ থৌরি লৈপরেং মনব মতং ১ পায় মঙক্ত কোন থোরকই, লাকপন চানব থক্কব থনম্বহুই মনাক্ত কম খিংতং থকই মপী তৈথোক, ইঙ্গিংবি অমাদ তমেমা সংত্রিক য়েংই ডক্ত।

লাকপ : তাইখো, নখোয় নমাইহুবু করিনো ঐগী মীংনরা ?

ইঙ্গিং : করিনো করিস্থ তৌদেনা !

লাকপ : অহুদি ঐ মিংন ওইব তারে, য়াওশঙ মাল্লরে। করি ফিজোম্মো নখোয়ন শেংলীবহুন ? ঐগী মিংনরা ? (তামেমন ইকায়হুন চেন্সিন ফি-মন শেংলুই)

ইঙ্গিং : হে, তারাইন শেংলু পিরম্বনী।

লাক : অহুদি মবুক্তি ফবজাংনিদন। খর কুইন লৈরম্মবদি কয়া কান্নগবা ! ওস্থোকপ লাইবক্লিদ। (উপু মনাক্ত চং য়েংই, কপ্পি, কোল্লি, ইঙ্গিংবি D দ চংখি মকি অমনব শেংলুই, চংগ্রগ)

হে উপূ অহিংবশিংন তৌব নমথাক-লোনম, হুয়ান চিঙ্গীদ নঙম্ন য়াওরবোইকো। করে, নখোয় ময়াম সুংঙাইবগী ডমখৈ লোম্মো, ঐন থরাম্মচাকপগী পনখৈ য়োয়ে। ঐ শিরগে পেল্লোকো হুয়ানব চিঙ্গীবশা নবুক মুরগ মরুপ শাব, হৈতন অহৈ শাব, থঙদন

অখঙব শাব, লীন, কাঙ, নখোয় মুংঙাইজহৌরো।

(মমা মচা মফি অমনব হোং থোংজিন্দ থোরক রেলৈ। নুংশা থিন মনাক্ত খান্নব চই)

অবেম্বদ শিদো শরুক থমংখেংগী ঙাশিংগী চিঙ্গাক ওইহৌবসনু ঐগী হকচাংসি হিংভম লৈত্রে য়েক্লবন লঙ্গোয় চনগ্রে।

শারুং: ওহ বাবা, শিবিরমখিনো! মীশক থঙ্ঙ হূর'নবশিংদো। (হি হোন্নগ লাকই)

লাক: হা? কনা কনা ওইরম্মে?

শারুং: (কংকান্দ কাখং) পুন্সিগী লংফৈদ লাকপ ঙাক্কি মখে'য়হু।

ঙারুং: পুন্সিগী লংফৈদ লাকপঙাক!

ইঙ্গিং: লংফৈ চংপশিং!

ঙা: লংফৈ চংপ!

শারুং: মখোয়না লাক্কদৌব লম্বী থঙঙে, ঙায়হূন লৈরগ লম্মন খুম্ব তাই।

ঙারুং: লম্মন খুম্ব! ঐ য়াওত্রবস্মু নখোয়মখে—

শারুং: বাবা শিবিথিব য়াদে, লম্মন খুম্ব য়াওবিব তায়।

ঙারুং: অসিবদৌন হিংব তাই লৈখো হায়রগ, হিংবৈ ময়াইহু কাদ্রে ঐঙোন্দ, (লেকথৈ, ময়াম্ন শোৗরগ কমহাল্লি) থাউ য়াওত্রব থাংমৈনী ঐ, ঐন থাজরম্ব নীংজরর্ম্ব পূম্ব লৈচিন নোংকাই ওনগ্রে তম্নরাই শারম।

মমা মচা : বাবা ! বাবা !

শারুং : শিবিখিনো বাবা, খোইদোরা শাম্নবিখো ! লম্মন খুমখিগে !

(মমিং মনা চেংরোং ২ ওল্লি, মমা মচ ন শোই পাখংনা কৌই)

মুথল চিংশিল্লি,


(অহানব মতাং লোইশিল্লে)

(মরুকলেপ )

# পুন্সি লংকৈ পোংথাশঙ

(২শুবা মতাং থাজ্বনা লান্নৈ চহি ১০ গী মতুংদ)

স্টেজ প্লান




$E_1$, $E_2$, $E_4$ = Entry & Exits ways

$E_3$ = into the house

R = Dead man's coffin

T▭ = Small Table

X = Small Chairs

= Cane Seats

অহিং অথেংবনী, ঙাক্লুংব কু মমুংদ নাংথোকই। অকিক খোংস্রোক খাকপ লাওব তাত্র। মপ্রম্বদৈ R + T, দা স্পোট লাইটন কাবক কাবক চালি। যমভুত, ফিমু শেং, শক মচেং পাত্র কু মনাক লেপই।

দূত : ঙাক্লুংব, তারিত্রা নঙবো? হৈ ঙাক্লুংব! ঙাওশিন্নবু হৌগংলকও লাও-ও! ব্রা থর ঙাংনেসি।

ঙাক্লুংব : হাও কনানো? ঐবু থিরিববু কম্নিগীনো?

(উপ্পদগী শন শাত্থন থোরকই) খোনত্থু খঙদ্রে, কনা ওইরিবনো?

দূত : কদায় খঙনী, নঙনু বৈতরনী তোরাম্বা কয় কে খৌরুবগে?

ঙাক্লু : তেংবা নমক্তি যৈ জকুপ্রি।

দূত : অত্থুদি কদায়দ খঙনী। বৈতরনীদ থেওরা লাল্লিব নীপাত্থু ঐনী। অশিবশিংবু অশি লৈবাক্তু হোনব থো।

ঙাক্লুং : হৈ, অত্থুদি (কি) সিদদি করি থবক্নী?

দূত : কিগনু ফম্মু, নত্তোন্দ ব্রা থর হংগে লাকপনী। (মোরাদ ঙাক্লুং ফম্মী, চৌকিদ দূতন)

ঙাক্লুং : তাকপাযু। (থর নীকই)

দূত : নঙবু হৌজিক শিরত্রা? চংইত্রা? শিরগ ঐগ চংলসি,

ঙসিদি ঙিন্থু থর বোম্মী, চংলগ ঙিং ঙিং ঙিংও, — শিত্রা শিদ, ঙিংত্রা হিংদ ব্লুক তৌহুন লৈব য়াংবাই।

ঙাক্লং চুম্মি তাকপিবিবহু, ভুভিকসিদি হিংবম্ম শিবস্থু যাঙৌ-রবা মতম্বী। ঐন থীম্থবিশি মবন্দি ঙ'রাই শাহুন নুট তৌরম্মে এগোয ইমুদ, নামন খুম্লমসন শিনীংদ্রব।

দত্ত : হা, ঙার'ই হায়বদি ? কদম্না ? কদাইদৈ ?

ঙাক্লং : ঐখোয় ইমুং ইচা নিপা ংগ নুপী ংগ মী মরীনী য়ুম্বান চাদে, অগাওব চাব ফংদে। অহাওব চ'ব ফ গত্র থঞ্জ ঐখোয মরীমক ঙারাই নিংই, চনী ১০ বোম মমাংদ।

দত্ত : চাক্ল চানব ঙা নীংব ! ঙ'রাই হ'যনহু কমদৌই লাগে ?

ঙাক্লং : মশক থঙদে, যেব গ পেনব নাইদন ফদব, ওচুম্ন পাম্বু ঙাব ইনী হাযন থ'ঙেঙ। নুপীন অম ফাবে, ইচানুপান অতোপ্পম ফাব। মান মান ফাবিন্দুন ঙাবাই অংশংবনা হাবনরে। হংসেং নোংঙ ল্লগ মরোন মুম্ন থঙবগ রারী শানহুল্লগ অংশংব নঙনী হাযহুন য়োক্লে ঙাবাই অঙম, মরোল তিম্নদব ঙাক্ল—।

দৃত : নোং ঙাঙ্গ কমদৌরে ? ঙারাই অহুমদো ?

ঙাক্লং : অমত্তু লৈবমক্সে, পাংতগী উপু অম লৌথংলগ শো ফাতোক মনুংদ য়াওব করি করিনো খোগোংপ হুগ্রগ চেনগ্রে, উপু অহাংবহু ছন্দোক্লমলে।

দৃত : উপুহু মখোয়ন লেংথম্ব, সনা লুপা হাপ্লা ?

ঙাক্লং : ঙারাইন ঐখোয়দ পিবিগ তৌরম্ব, মনিমুক্তা সনা লুপা হাপ্ল উপুনী হায়ন থ'জৈ।

দূত : থাজবি য়া, থাজব মাংহনবি লম্মন খুম্মিংইব ? মখোয়দু কদায়দ থেংনানি ?

ঙাকুং : মখোয়দু পুন্সিগী লংখোঙ লাকপ ডাক্তি। লংখোঙ পোকপ-শঙ্সিদ অমুক্ত লাকাখনী পোয়দনা।

দূত : অাশব শারব • ঙন মখোয়দ কঙম্ন লম্মন পু মু ?

ঙাকুং : পাঙল শিজিন্নদন অাশব মাম্ন লৈজরিবসি মখোয়দ পুন্নগ চাদিং শৌনব তুংখৎচরিবনী।

দূত : পাঙল ভুংখৎলিব, হুজিক তল্লিবসি কায়বং মখোয় লাক্লগ ময়ম ওকুবনীনে ?

ঙাকুং : মানৌ থোয়, মকোক মকোক্তু লৈথংলগ থাজৈদ।

দূত : মখোয় অভুমদু অমমম নৌ নবদি তোকে ? নগীদি কন্নদনো ?

ঙাকুং : এন নৌঙ্গরিবদি য়োংকী উপু অহাংবদনা।

দূত : কৈচোংথন্নগব ! যেংবি পেনব নাইদব লংত্রিক লংব— সনা লুপা— মনী লুং—! হা—হা হা ..!

ঙাকুং : বৈতদনী ভুবেল লানবগী খেবং ও ভাবু তৌজিক কযাদ চংপিবগে ?

দূত : শেন থুম-সনা-লুপান য়ারোই—। নঙন নঙন হিংলি-বৈঙদ তৌবম্ন থবকশিংদু অক কত্তগী মতুংইন্ন লানগদবনী। হা—হা হা···।

ঙাকুং : কম্নন অকব কম্নন কত্তব ?

দূত : নথোয়ন য়ান তৌব থবকচু অফবনী, ননিংতম্ন য়াদব

থবকশি ছুন ফত্তবনী। অহুদি মচু কুইথরনু, ঐ হংে—
অশিব মম্নায় ঙাইরম্মনী। (চৎথি)

ঙাকুং: নীংগা ভম্নব থরায়ন রাব থবক্ক অফব—! নীংখা তম্নবু ইফং কংাম্রবসিনী লুম্নিবদি! মীন নীংবৈ ইথীলদ তাওথ ঐবু ছুজিক কদায়দ লৈরিবনো? লুন নীংজকুব ঙারা৷ন মাংতাক্লুব ভোরম্ব, অরা-অনা পেন্দব কয়া থাংগুন লৈববু হিংলিব কৌগত্র শিম্নব কৌগদ্রাও? হিংন হিংন শিম্নব হিংশি কৌব তায়ে। (খুকুখুদক কুন কুদ চংখিব, না- খোকই; থঙলাও লাওরকই "শিথিরোইয়ে হিংখিনী")। E দৈ শাকুংব, E3 দৈ ইজিংবি ফিংন চেষ্টোরকই:

শাকুং:
ইজিং: করিনো করিনো? করি চুপ্রবগে?

শাকুং ছুজিক লাওবহুবু বাজিরাও?
ঙাকুং থঙদনে ঐবু লাওপ্রব্রাও?
ইজিং হুরানবদি লাক্লমদেকো?
ঙাকুং ঐবু হুবদি লাক্লম্মে।
ইজিং কনানো?
ঙাকুং বৈতরনী তুরেলদৈ হিহোনবহুন অশিরৈবাক্ক ঐবু চংলসি হায়রম্মে।
ইজিং কনান তাকতুন সিদ লোংলি হায়ব থঙিগুবনো?
শাকুং বাজিনা কৈদৌদৈ লাকে খুমখিব?
ঙাকুং ঙারাই শাবশিংদ লম্মন খুম্নকখিগে অহুগ লাকে হায়খি।

শাকুং : অচুদি বাজিগী কুশি থর মঙ্গং ভুজিন্ন থমত্রবনি য়ুম খঙিও হান্নহুম চোয়ন লাকপ তারে হৌরোমবহু।

ইঙ্গি : মঙ্গুদ ইন্সিরগ কৌবান চংকসি উদবৰ।

( অমী চংগ্ত্তন ইনশিনথি )

(নো চংল্লে, মৈ চানখৎলে, চংমখল কেন শেং ইন চং-লব মী ভাবন ওকই, ফঙহৌলে, য়ারা শংমিপ্পরি কোয়নন্ত চংলি। )

ভাষেমা : E4 দা য়েং লাকপীবু য়ানী। পোম্বাশচনী। মনা-মশাইচু, শা-ডা, শঙ্গোমন শাৰ অথুম-অহাও ফংলিমী। হৃ মু চাবি থকপিখিগে তায়রগ সোমদ (E2) চংদিয়ু। ফমগ্ৎগ বারী রুফাই সাখিসি হায়নগ চৌকিসিদ লেংশিলু।
কদি চ যবনো ? (তাশিন্নরগ) ও : ! থক্তব পাম্বিরগ মগল শুব ফংবিনী ফুরিংথাউগ মতিক চান। লেংশিন-বিয়ু, লে শিনবিয়ু। হৈ, বোই ! নম্বর 4 দা পুশিল্লু চংগ্ত্রবহু। মহী অফৰ পীয়ুহ।

ভাষেমা : (E1 দা য়েং) হেল্লো, লেংশিনবীয়কউ। ঙুমিং করা-নিনো পোম্বাবীৰ য়ানী। চৌকিদ লেংশিল্লু। দোতোলা, তিনতোলা, চারতোলা অপাম্বদ লৈবিৰ য়ানী। ঙুংদাংদ অপোয় ইশৈ য়েংবিৰ তাবিৰ য়ানী। হে, পোং খুদং-মক ফংবিনী—মানী শিদোৰ থৱায়নী।

ইঙ্গিং : (কেন ়শং E1দৈ থোক্লক) নুপিমচা ঙামেমা ঐ সিদ লৈগে, নঙ দোতালাদ কাখৎলু, নম্বর ১১দ অরুম হৌবা চোইরোল লোনব অমা লৈহৌরে। থক্কেদ হায়ব লৌক্লি ২ শুহৌরে ঙসি ম'ন থকখিব। বৈতবনী তুরেল কদ য়দ লৈ তাকউ, ঈরোইতুন শান্নগে হায়হৌই। মাগ ব্রারী ঙাইহাক্ত শারু। পীদি পীথকউরনু।

ঙ'মে : পংপিদ পীথক্কদবনী পেন্ন হিংজখিনব। ব্রা'রা শাবদি ঙম্মিবকো? নম্বর ১১ দা (চংখি E2 দা)

ইঙ্গিং : লেংশিল্লকও (E 4 দা য়েং) করিমঙ্গা হঙ্গোইবিনো, পুন্সিগী োব্ব'ান্দ লৈব পেথাশঙ হায়বহ্ সিনে। অঙম অহৌ, ডকু-ডাকাইতি, অচৌ-অশাং হুরান চিং, মরোং মীচেন মীজাং খুদিংমক থুংবীব য়'নী, চ'নীং হক্লীংব শুন ফংবিগনি। পুন্সিদ পেলহৌদব, নীংতুম-হৌদব থু'নব লাইবক য়েংবিরো!

লেংশিল্ল্। চিঠখেলা শান্নকম, জুরার শান্নকম জগোই ইশৈ লীলা য়েংফম লৈ, থীন্দন ইনাক থুনব পাম্বিরবসু লাইবক য়েংভম লৈ, তাকচগে, সিন্নসি চংল নুংঙাই। করি হায়বগে? তাকপিয়ো?

ওহ, হা-হা-হা কদায়দৈ নহা ওইজক্লগবনো ঐদি চহি য়ান্নপোৎনে। নহা ওইজরগে হায়তুন লাই নীংত্থেে চহি ১০ মুক্তি মমাংদ, নুংঙাইদৌব মতাং খিঙ্গ ঙায়রব কান্দ নোং ফুং ঙান্থোরক মংলান্দো অমম্বগী মতুং ইন

স্বাই মাংখিব। কয়াদি চাকথ্রে থরায়সে। অহুদে অহংগ খঙগুই ওইশিল্লবানে।

ইঙ্গিং : হাও! ঐখোয় নুপাবুরাও? থবক অতৈ মতম তৌদ্রে, শন্দ্রং তালংখক ফানব কৈবাং পাকই, লংঙ্গু শংজুন লৈ, করিমও চংথাক্লে। পোংফম পীজগে লকপিনু ঐগী ই.. ইনবিরকউ।

(সিকারি পোশাক্ত শারুংব নোংমৈ নঙ্গলদ পেংগ পুরকই —নোংমৈ থমজিল্লগ মেনেজরগী চৌকিদ ফমগ কুমাল পুথোক্লগ জমাং তৈরেংকই।)

শারুং : বোই! চান থক্লব অরেব খর পুরকও।

(পেট অচাপে হাপ্পা অমগ উ.শং গ্লাস অমগ হোটেলগী ইউনিফোম শেং বোইন পীরে মেজদ।)

বোই : মথক্ত নম্বর ১৩ দা। নুপী কয়াবু ইকাইহল্লুবা নীপা কয়াগী মঙক ফোইরুরব শিংথ্রব শকহৈনব, মীচেল অমগী ৱারী তাহোই, অনা লায়েংবিহোই।

শারুং : ঐগ ৱারী অমত্ত শাসি হায়রু। ঙাইখো নঙ নাপ হু উরব্রাও? ঙারাইকা মানব্রনহে?

বোই : ঙারাইমক্তি ওইরম্মী থাজদে। চাউ শাংই, ফিভমদি ফজে। মান মপুন্সিদ পাংথোক্লুরে হায়ব থৌনা থৌরম-শিংহু অথীংব অপনব লৈতন, ইকাই ইকি খঙদন লীবহুদি কয়াদি নুংঙাইথ্রে। মী ঙাওবজাংনী। (চংখি)

(শারুং করিনো খিৎতং চাবগ ঈশিং থক্লে, পুশিনহনখ্রে বোইন)

শারুং : ব্রয়ী লীব হৈদন লীবদি তাব নুংঙাই।

ইঙ্গ্লিং : হৈ বেই, নঙ চেল্লু, রুম নম্বর ১৫ দা ময়াকে ঙ্গোন কহুন পানা কৌরগ কপহেৎবনি মচিন মুব ভুইঙাও. গঞ্জ্রু কানার অম চেল্লগ লৈবিক। (মফি তাখং চেনখি) হৈ মঙদি থকপদ মতেং পাংবিরুকো? (নোকখি)

শারুং : ঙসি কাওবদ থুংলক্লিব মীশিংহু ঐখোয়ন পাম্মিব মীতাশিংহুদি য়াওদ্রেনে? মখোয়হুবু শিগ্রবজাংলা।

ইঙ্গ্লিং : নং কু থাক্লব লমশিংহুদদি অমানব অমত্তু উরক্তে?

শারু : মনবাদি খর য় ওই, অশেংবদি থেংনরক্তে। ডকুশিংগী লেৎফম জঙ্গল অমদ খঙনব খরন পুবিংগ চংখ্রে, মহুদম্মু য় ওদে। গ ডিদৈ থুংলব, হিদৈ থুংলব মী ৩০০/৪০০ মশক য়েংলকলে য়াওহৌদে। ঙসি নীনী জুন্নিসিদ খর থুংলনি হায়নহৌই, মখোয়হু মফি নাম্র উব, থ জহল্লগ হাংপ জেন্টলমেন ডাকুগীজাংনী।

ইঙ্গ্লিং : মখোয়গী চারাসি কুইন নৈহৌরনী, মুৎপ ঙম্মরোই কবোক দোন ইফ ফজনা হাংপ ব্রাব। ঐগী থরায়নদি মখোয়হু শোয়দন অমুক্তি হল্লকখিনী চুহিগী মহাও কওব ঙমদহুন। ঐখোয়নম্মু পাম্মুব খঙদন পীজখ্রেদো!

শারুং : কবোকহু মপানহুন ফজরিব, মমান থোং থোং লাও

শংত্রিক শং। হে ফজব, নখোয়গী শুম্বংপ ঙম্ব পাঙ্গল!
পঙহৌইদ তাইবংমী, ইশুং চল্লিঙদ কে মথোকহৌব,
খুদোংচারিঙদ পাক হেবহৌদব! (তক্লি শোল্লি) কপ্পু
কৌহনা কপ্পু অপঙবা! (মকোক্ত কিম্ন থাঁইঙ্গ)

ইঙ্গিং : ঙায়খো নিপামচা। য়েংউনহে!
(মপাগী খুং তিংথোরকই, অঙংব গোঙ্গেল তায়)
(ঙক্ত-য়েংলম্বদে শাকুংস্থু মপাগী মখুংতু মমা মচানা কায়)

শাক্সং : ঙাইবিগো বজি, খর থাঙব তাবনা মতম রাংলি

ইঙ্গিং (ঙংব তারগা) : থক্কব চানব খর পাকুব তম্ব।
(অনা চংহনা খুংতু ইন্সিল্লি)

শাকুং : বোই! থক্কবা পারো, থক্কব। গুলীস্থ খর য়াউরকউ।
(থাদোরকপ খুংতু ইনশিল্ল মমা মচা চংখি)
(লোংগি শেংপ, সার্ট অচম্বা লাংপ হিন্দ বেগ ১
পায়রগ লাকই, কেরবা ঙামেমন মাঙ থা, রা জবেং জবেং
ঙাংহন

ঙাঙ্গে : এখোয় পোখাশঙসিদি শিরমদাই য়োরব, উপায় অাত
অমত্ত লৈতবশিংদদি ৫না ১০ না থাঙনব অহুম য়াই।
পুকচেল শেংন নংউরিব লাইবক থীব থোদোক্তুদি
তাকপিব তায় ওইদব লোনম নমথাকপু নংত্রবদি
মতম খর শোংহনা চাবি থকপি য়না। লোয় চেন-
খিবদি ভোবাপু।

হিন্দ লোম্ন চেনব, লৌনব তৌহ্নন হিংব ডাকু নচ্চদে।
১০ নামুক লৈরবদি ঐগী নক্কব মরী মতান শেলথুম পুহ্নন লাক্লনী।

ঙ'মে: করম্ন খুদোংথীব নংবিকরবগে অমুক্ত তনি। ঐস্নু লাইবক থীবদৈ পোংথাশঙসিদ মীগী সেবা তৌব য় ওহ্নন লৈজরিবনে।

হিন্দ: তাইবঙ মীসিদি থাজব লুখ্রে। থাজবদৈ হাংখিব মশীং নাইদে।

ঙ'মে: অহ্নদি চুম্মী ঐঙোন্দস্নু পানখ্রবনে। অহ্নম্নদি ওইবগ থাজনদবস্নু য়াদবনে, ভুজিক ঐন অদোম্নু মীনৌনা শক খঙদে, থাজব ঙমলোই হায়রবদি পুকচেল অহ্নক শেংবিব অদোম চ ভম থকফম পোথ্থাফম কঙবীবোই-দৌরিবনি। কবি হায়বগে?

হিন্দ: অশেংবনী, তান চাদ্রব মতমদদি থাজনব হ য়বসি কান্নখ্রব লম্নি।

ঙ মে: অহ্নক কান্নখ্রব লনহ্ন ভুংগী য়েংদব তোল্লব মী মচা খরন হাংলম্নগ চেনবগী কাননব খিত্তংহ্ন শন্দোকপ য় ওরি।

হিন্দ: হাংলগ চেনব হিংচাব খরগী মথুংত তাকহ্নন ঐস্নু ভজিক অরাব নংলক পূকচেল চাওবি ইবেম্মগী সাই-গোন্দ চংজরক্লিব অসিনী। ইবেম্মগুম্নী লাইরেম্নী থেংনরমক্সবদি ঐখোয়গুম্ন অপঙব কয়া থাঙমুথক্ত মাঙখ্রদৌনী। ওহ। ঐ সিরুবদৈ হল্লক্লবনীকো! ঐ শিদ্রি

ঐ শিদ্রি, মীগী লম্মন তোনসিদোব নত্তে নীপানী ঐ !
(মতাং লোংপ ঙামেমন ফানব হোংনব)

ঙামে : করম্ন কৈদৌক্লবদৈ হিংচাবশিংগী মখুৎত অৱাব তাবি-ক্লবগে ? মহ্ অম্নক্ত তাজনাংই, ঐন সিদ পোংথা-শঙসিগী সেবারি ওইন লৈজরিবসিস্থ থাজহল্ল হাংপা মী মচা অমনা লংথোকপিরম্নদনী !

হিন্দ : অহূক নীংথিবী পুকচেল শেংবি ইবেম্মবু হৃন্দোক্লম্মি হায়রিব অমহ্ কয়া পঙৱ, কয়া চাওখংতব মী ওইরম-গবা খনবদ মম্মি ।

ঙামে : অহানবদদি মহাক্তুস্থ অহূম্ন হায়রম্মী ।

হিন্দ : ও ! মতাং য়াম্ন হৈরিবজাং ওইরে । তমথিরব মহ ক অদো ঐদোন অৱাব ইকায়ব নংব ওইসনু ।

ঙামে : হে ঈশ্বর ! অফব শাব হৈগ্রব মী মরক্ত হিংচাব য়াও-রম্মীবসিবু করি লীলানো ?

হিন্দ : মহূনী শক ইংবি, তাইবঙপান্দ খ্বাইদৈ খুদোংথিনিং-ঙায়-রেংওই, ঐস্থ অহূম্ন লাং অমদ চংলুরবনে । ওখাক ওমহংপ ঙম্বী অম, ইবেম্মদৈ মান থজিক্তংদি ফজ্জব ৱাংকদ্র, উক্তরে নোংম লাইবক খীনব ।

ঙামে : করিগী লাইবক থীরিব ?

হিন্দ : নোংম সন্ধ্যাদ মখোম্ন লৈকায়গী পাখঙ অমগ ঐগ নুপী-হুই মমাংদ ইতিক ইরল লৈব তানৈব থৌরম পরেং অম পাংখি ।

ঙমে: পাখঙহুম্ব নুপীহ প স্বজাংনীনে?

ইন্দ: পাম্বদ নত্তে ঐঙোন্দ মুল্লগ লৌনী হ য়বিব।

ঙমে: নুপীহনদি অদোমবুন হেন্ন নুংশিব তাবেনে?

ইন্দ: নুংশিববনি, নীপাঙুন নুংশিব যদে মবমচাদন সিনী।

ঙমে: নুংশিবগী মবম পীযু হ য়বিব, লৈনা-দৌন?

ইন্দ: মবম পাভম খঙম্রহুন নুপিঙুন ইম নীদ নত্তা নবাল
উংলো-নুংশিবগী প্রমান পীনবীরো সিদংী।

ঙমে: কবি প্রমান কমদৌন পানখিব?

ইন্দ লীপানা হ যব য় ই, ঐবু ইক য় পঙলুবহু নাংশিংবদ

ঙমে: ভাবেক য ওত্র ও?

ইন্দ নুপিহই মপা অমদি যুমলেন্নব মা কযমুা, ওুং
অঙাং অহল-লম্মন ঙমংহু বিক থল্লি। ম ঙ্গে লদ
নুপিহুনে ঐনে, নীপা অমহুনে থে ডিন্দ মপা ন প্রেম্প
তোখি মচানুপাদ।

ঙমে: লীলাহ বরম হায়না হৈখি?

ইন্দ: নুপাহই মপান মচানুপাদ ইন্সিল্লি, নুংশিব বরিনো
হংঙু। ইম নাদ হংলক্রে।

ঙমে: নীপা অহ করি হ য়না গুম্মকই?

ইন্দ: নাপাঙুন খুমখি, নুংদ শিবগ মপান্দ হিংবরু
নুংশিব থৈই। ঐঙোন্দ নুপীহন অর্থ করিনো
হংখি।

ঙামেমা : করি হায়ন খুঙ্গিখি ?

হিন্দ : নুংদ শিরগ মপান্দ হিংব হায়বদি কবিগুম্ন অঙাওবগী মতৌনি । মশাগী মঙান মুংথংলগ মুংশি জরিবা মুমিৎলৈদুই মঙান্ন থাহ গুম ঙানব । অতুদৈ নুপীহনা নুপাহদ হংখি, নুংদ শিরগ মপান্দ হিংব মশাগী মঙাল মুংথংপ হায়বহু খুদম ওইন পিবিব ঙমগদ্রা ?

ঙামেমা : নীপাদন খুদম করম্ন পীখি ?

হিন্দ : মথুত্ত পায়রকপ স্যুট কেশ মচাদ হাংদোক্লগ সনা-লুপা, লীক কোল, ফিরোল অতাংব মনুংদ য়াওরিবদ নুপীদদ উহল্লি, মশাদ য়াওরকপ শেল. ঘরি, কলম, খুদোপসু মনংদ হাপচিল্লগ মঙোন্দ কংলে । অদগ হায়রকই ঐ অ.উতো রিকসনী সো পীজরে থোবি-নীংব মায়কৈদ থোবিয়ু ।

ঙাম্মে : নপিদন করি হায়খি ?

হিন্দ নপীদন "মী কুংই গারী থোব য়াখিরোই তুমিন্ন ঙাইহাক লৈখো রিকসা" হায়রকপদা তিল্লিব মীয়ামদ জা লাওন নোকই, অদগ ঐঙোন্দ হংলকই "অদোম্ন পীবীদোৰা নংশি খুদোনদী ?" ঐন মঙোনদ খুদৈরা করিনো ফি হোংদোক্লব অমত্ত পিবিয়ু হায়বদ মপান লোংগিসি হুনদোরক ঐন

তামেমা : লোংগিদ্ হেংদোক্লগ কৈদৌরিব ?

হিন্দ : ঐগী হেন্নবেগত্তা য়াওব সনা, লুপা ১০০ চংপি মপুন মণীন্নং উংল্ল, ফুরিংকেট খোংগ্রাওদ য়াওব বেঙ্ক ড্রাফট, ট্রেভলরস চেকশু পুম্পা তাশিল্লগ মাবু পায়হল্লে, অহুদে কে স্তোংদ থাম্বিব কারদ য়াওরিবাসিশু য়েংলো হায়-হুন মখুদাং পায়হুনা চিং পুংথাক্লে : অহুগদি কার মনাক্ত যঙ্করা দঙ্করা গহুদে ৫ থক্ক নোংমৈ উংলগ কারে, ইমানীবু পুল্লপ কার মথক্ত লাপকংলে। মীয়ামহুন তান্নরক্তনব নোংমৈ অহুম্রক মতুংদ কাপ্লম্লগ কারহু মখোয়ন থোরে।

তামে : কদায় তাম্ন ?

হিন্দ : বৈত্তরনী তোব্বান্দ ঐবু থাদবিরম্মগ পঞ্চ পাণ্ডবক দ্রৌপদিগ মখোয় ভরুক্ত হিমালয়গী জঙ্গল মনুংদ ঐগী কাবহু লৈঙব ইঁরলমথ হাপ্লগ থৌজিনখ্রে।

তামে : ভুজিক্তি কৈদোব তারিব ?

হিন্দ : মুপিহুন ডাকু মঙাহ হাংতোক্লম্মগ লনথুমশিংহু খোম-জিন কারদ হাপলগ থৌহুন হল্লকখিনা। ঐ মাবু সিদ মুমিং ভরুক্লীদং ওয়্খিনী।

তামে : মুপীহুন ডাকু ৫দৈ নাম্বোরকনি হায়ব থাজদে। ৬নীদ লাক্তবদি ?

হিন্দ : নীনা ছ্যুগী মনুদ ঐবু কনব কাংবু খুংলাই পায়ব লাকনী। ৬নীদা লাক্তবদি ঐখোয়ন থীরুনী।

তামে : ৬নীদ লাকুনী হায়বহু করিদৈ থাজরিবনো ?

হিন্দ : মুপীহুন পীরকপ ইাঙ্গংনি। মহাক থাজহল্লদ হাংপ

হৈবিনী, মশাদ হিদাক খুংলাই মতিকচান য়াওখি। ওাইখো ইবেম্মবু পোখাশওসিদ থবক তৌবিরা মংত্রগ মপুরা ?

ওামে : ঐ সিদ সেন ও ওরিবনী। ঐগী মাংখিব মুপাহু থীরুনব। ঐ মপু নর্চ্চদে।

হিন্দ : শেলগী মখৌ তারগ শেল পুররুগ মী লারুনী নীপাহু থিরুনব লংজিল পীরবদি ঐগী মীশিংহুগ থীমিন্নরুগে। করম হায়ন মাওখিবনো ? মশক মওোন কমদোই ?

ওামে : অহুগীদি ফোটো লৈ, মশক খওব য়ারোই। হয়েংদি লুহাংব য়াই হায়ব ওসিগুমহুই অহিংদ ঐখোয়দ মহাক লেকই। ঐখোয়দ ভারুমদ নোংওান্নমদাইদ মথাক চেনখিবনে। মরম খওদব : অওাওবমু মান্দে।

হিন্দ : পামদহুন চেনখ্রিত্রা অহুদে ? ইকাইখিত্রা ?

ওামে : মান পান্নমদবদি খওদ, ঐনদি পাম্মী। ইকাইনব মরমদি থোইন লৈখিদে, ঐন মাখু লুন তৌবহুদ ইকাই-রিত্র খওদহুদি —।

হিন্দ: চাক্তা তনগ কংগত্রা ?

ওামে : চানীংবদ কংনী, থক্লীংবদ কংনী, লাকপিয় ঐ পোথা-কম তাকচগ। (চংখিন্নখি E2 দা)

হিন্দ : ওাইখো। ইচন, চেনখিব মুপাহু কংলগ কৈদোংগে থনবিগে ?

ভামে : হায়বদি ?

হিন্দ : মথুদাংদ হাতকোরা নংত্রগ মঙক লৈপরেং ?

ভামে : অহুদি কোম লাক্নি, অহানবদ ঐন হংনিংলিবদি মঙোন্দ, কৈদৌন তুমিন্ন চেনবগে ? অসিদনী।

হিন্দ : ওহ ! অহুই মতুংদ মথা চৎথব ! (E2 দা চংমিন্ন খি) (E 1, দৈ শাকুংব ভবোং ১ ইন, মকোক ইকা কা: কোইরেং য়েং, অঙাও অকৈ মান রাখল অমদ লুপ থোরকই, কোইন ভাইহাক চৎলুবগ T2 দা চিঙা ভৌ ফম্নগ তুমিন্ন ভাইহাক লৈ। অহুদ হৌগৎলগ ভাইহাক চৎলি

শাকুংব : মঙখি মোংম মঙ অম অহুঙৈ
চহি তরাগী মমাঙদ, খঙদে কৈদৌ:বনো !
হুজ্জিকপু কাওব ঙমত্রে মুংতিগী মঙলান্দু
অয়ুক মুংথীল মুংদাং, কৈদৌবৈনো !
শাখিরব লায়না, অিং ভুম্বকাও রাদব
লাইমাহু শন্দোকইব মহিক্কো, মহিক্কো
হাংহোৌগেদি হায়দন অপঙ ঐন
করিগী চিকহন্নুবগে থম্নোয়দ, থবং তৎনব !

(মেজদা মমায় থম চৌকিদা: কম্মি মবিং উইশিন। মতুং হয় কিন '—মুংশা মপি হোন ফিস নেমলেস চংলকই লোংকম থিহুন, মাবু উবদ শাকুংব ওভু মা ভাম মাংই। নেমলেসন মথুদোম্বিন মচিনবান্দ থম ছুম্বিন লৈনব ইঙ্গিং তৌই।

নেমলেস (চেল্লকপ মতুংহয়): ঐবু অমুক্তা কনবিয়ো, অমুক্তা কনবিয়ো। ঐবু কদায়দ লোংতগে ? (চৌকিদ শাকুংববু কমতন্নগ মকুমদ কুন্দুন লৈ।

শাকুংব: (হোৎলগা গেংলোমদ) হে! খোঙভাকপ, গেট শো লোনশিল্ল, মনীংমু মমাংমু, লৈপা অনোব অমত্ত চংহনব য়াদে। থঙত্রা ? ছজিকমক লোনশিল্ল।

(ভান তারক্লে) করিমত্ত পাখংকমু শকহেনবি ঐগী অতিথ ওইরবনীম ঐন নঙবু কনগনী, মরমদি নঙসি ঐন অহুটৈ লুন নীংজখিব অমগী শক য়ায় মায়ক্লে চহি খিত্তং লিরবম্বু

লাও য়েংবদ মীং পেনবি, করিগী মহুয়া লোংলি ?

(চিংথংলগ) চৌকিদ কম্মু, বারোল ভাকউ! কনা কনাব কৈদৌবৈ নঙবু তাম্নরকপগে ? নঙন করি লাম্নুরবগে ? পাখংকম্বু, মুংঙাইন কম্মু। হৈ কনা. লৈ ? চানব থকুব পুরকউহৈ।

নেয়লেস: (নংশা মপী হোন্দোক ছমাং তৈথোক কম্মগ) ঐবু সিদ ৫নী ১০ নীদং লোংচখিব বাগন্না ? লীপা শারগা

ইমুং মনুংগী কন্নিগুম থবক মীনাই শারগ নোমজগে ? য়াম্মুংবু য়ুম পামখিরবরা ?

শাকুং : (চকু ভারম্বৈদে) নৌ ১০ নীদ নত্তে, চহি ৩০/৪০ কাওব লোংতুন থগুদে কোগুন থগুদে লৈব য়ানী। মীনাই শাত্রম্ব মপু শাহুন্দ নোম্নীংব থবক নোম্ব য়াই, তন্দুন কম লৈরগ অহাওর চাগে থকে হায়বম্ব যাই। ঐ মীতা অমনী থডগ্, ঐবু পন্জিঙগাদি হায়রু, ইবুক কৈ কারহুন যীন ঐবু অপচ কোই। য়ুম প লত্রা হংবহুই পাউথুমদি : চহি ১০ বোম মমাঙদ নোংম নুংথিল অম ইবেম্ম হাইরগ মানবি ১ বুমদ চেনখিম-জরক্লে।

নোং ঙাল্লগা লুহোংব তারে থন্নরে। অহুদগী কজবিদো অহিংদ মাঙগ্রে। ওরাং কাওবা উত্রে ঐবু য়ুম পান্নব কৌগত্র পান্ত্রিব কৌগত্র হায়ত্তম থডদে। ইবেম্মদি কমদৌন ঐগী সিদ ? মৌ ভইরবরা লৈশাখিরা হুজিকপো ?

নেমলেস : থগুদে ঐস্মু ভামো মৌ হায়গত্রা। মরমদি ঐসে থরারন পামদব নীপা অমদ ইম্নেন থাজবিহুন লুহোংলে নহালদো। লুহোংলগা খিনবদ বর পাটি'হু ডাকু অগপ লান তৌনরে লম্বীদ, মীয়াম কারহুন চেন্নরে, ঐস্মু কোইরোং লোংলগ ইকি ক্লোংমোক ইশক ওম্মোক চেন্নব ওসি সিন থুংলম্নিবসিনী।

শাক্লং : ইপা-ইমাদি মুমদি কদায়দ ?

নেমলেস : ইমা ইপা মশক থঙলে, ইনে অকাওবি অমম য়োক-
পিরগ য়োনগে ভোয়স্ব, ঐন চেল্লকপনি। ইশক
ওঙ্হাক লিপা শারগ লৈব তারি। ইহে লৈনব মুস্
লৈজ্রনে, ঐগী কৌব মাব,

শাক্লং : মসি নয়ুম ওইব ঝাইয়ে, মাংবু মাংখিরোই হায়রবদি।

নেমলেস : হৈমা কৈদৌবে মাংদৌরিব ? ঐবু কদায়দ লৈহন-
বিদৌরিবনো, ইথন্তু লৈবদি কি-বো।

শাক্লং : কিদনব মী থয়ি, মুম কা অপাম্ব থলো। লাউ য়েংউসি
থায়ম মীয়োম লোনবি অম ঐন কা অমদ য়োকখি
হায়ব, মোংওালগ লুহোংগে থঙ, অহুগদি অহিংহুদ
মাংখ্রিবা।

নেমলেস : অহুই লুপিহু অঙাওবী ওইররি মচুংদ অমুক উম-
খিত্রবা ?

শাক্লং : উমখিত্রে, অঙাওবিশু মান্দে। মশক্তি মক য়ামন
মাইরে, মহাক্ত মাহা খিজংদি ওইগন্না।

নেমলেস : মীন শক থঙদনব ঐদি ইকোকসে কোকথোকনিংই,
কঙ্ক কোক্লুপ লৈগন্না ?

শাক্লং : কৈদৌমব কোক্তোরিব। য়েংও মীবু থঙহল্লোই হায়-
রদি মঙ, নকোক হাইরপ খুদ মো অনৌবি শা
লৈয়ো। অহুদি কুম্মনসু থঙলোই।

নেম : কনাগী মোবো হংনরবদি ? মীপাদি লৈন্দু লৈন্তন।

শারুং : ঐ মীপানীনহে।

নেম: ওহ ! হোয়নে চুমইনে, য়ায় তপ্প ইংবদুন ঐদি মুপীন শাব লুপা ওইরবোই নিংলুরে।

(চংমিন্নবি E 2 দ)

শারুং : লাও, অপাম্ব কক্তব কা অম থক্লো। য়েংও সিদৈ কাশীদ চংউন্নুকো। অসি লৈবাক্তগী মী কোইরককম্নি (থংলগ শারুংদ নপ্প),

নেম : মৈমা কিজৈ।

শারুং : কিগন্নু হুজিকপুদি, ঐখোয় বাজি তম্বায় অম হিংঙি। অশীবৈবাক হিনাও শাবদো লাকখিরোই।

পঞ্জাবি হাইরগ মায় শেং খেঙন ইন্নরকই ইঙিংবি মতুংদ। ইঙিংবিন সনা মরি নত্রগ লীক সনা খোহোর ও লোমগী পায়বগ য়েং য়েংহুন চংলকই।

ইঙিং : লীকসিবু কনাইনো ? সনা খোহোর কয়াগীনো ?

খেঙ : ঐগী মুপীগীনি। সনা খোহোর ওক্ত শাবনী। অশামন্দি লুপা লিশিং অম চামঙা। সনা খোহোরদ লুপা লিশিং ২নী, অশামন থারগ হুজিক্কি মমল লীশিং ১৪গা চাতরেংনি অদুবু অচিনব অমগীনি লিশিং ১০গী থমজনমগে, চয়োল অমৈ মদুংদ নক্ষোকপ ওমত্রবদি লৌখিবো।

ইঙ্গিং : সনা মোহোর ৬, লু°া লিশীং ১০। কবস্ব অচিনব থবকিনো ?

বেঙ : মী হন্দোক্লবনে, ঐগী সুপীহ্ব লুহোংব সুমিত্ত ওন্দাশিংন কাব্রে, লীশিং ১০ দৈ তারবদি হন্দোকপ য়ারোই হায়রকলে। চানবিহুনা কনাদৈনো। অমুক্তা উপায় তৌবিয়ু।

ইঙ্গিং : ঙাইহাক্তং কশ্বগ চা থকপিরস্মু। ঐ মী অম থারগ হংহল্লগে।

বেঙ : কনাদনীমা ? থর থুহল্লকপা য়ারবদি কনী।

ইঙ্গিং : ইনকনক্ত সনা সাবা, লৈব য়োনব মী-লৈ। কনা কনা লৈ মী লাকই চা পিরো। (চংখি) (হোটেল বোই চা পীবৈ)

বোই : কয়া কুইন সিদ লৈবিখিগদগে ? ওসি মুংদাংদি য়েনশাং হাওনি, মী অনৌবস্থ থর থুংলৈ।

বেঙ : হজিক সুপীহ্বু মীথুংশওসিগী মপুরা ?

বোই : মানী, সাহেবপু সিদ মতম থর কুইন লৈহন্নিংই মান। ৫নী তয়ানীদং পোথাবিখো।

বেঙ : নিপা লৈত্রা ? মপুরোইব ?

বোই : লৈত্রে হায়ব য়াই, অম থিরিবনি। মাগী মীপান্থদি তথায় ১ শিরে, তথায় অম হিংলি। অশি লৈবাক্তগী লোযোক্স লাকপ ওাইরি। (চংখি)

বেঙ : ওহ ! (ইজিংবি পাউদর নৌম থারগ খোরক্ই) কম-দোবিরবগে ?

ইঙ্গিং : হয়েং ফাওব ঙাইবিব তারে, স্দি হাওন চারগ মুংঙাইন তুস লৈবিরো। কুইম্ম য়েংগে ভগোয়শাব য় ওগে য় নী।

বেঙ : করিগীনো ?· ঐগীদি অপুব্ নংনব হোংন থমজরিবনী।

ইঙ্গিং : সনাহু অশেংব্রা শেংদব্রা থর চিংনরে। হয়েং নোং ঙাল্লগ য়েংনর স হায়নরব অহুগা ওন্নব খল অহু থানাদ পুখৎপ্রহুন, থানাদ ওল্লুসি হায়হুন চৎনাঞ্জ।

বেঙ : থনা য়ৌশ্রব ? খল ওন্নব অমদি সনা শেংই শেংদে য়েংনলব। থানা য়ৌদো ওইরবদি ঐঙান্দ তাকপিবস্ম য়াদ্রা ?

ইঙ্গিং : করিমত্ত চিংনবিরুম্নু, থানাগী মীশিংহু ঐগ খঙনব ঙাক্কনা। সনা অশেংব ওইরম্মগ শেল ওইন হয়েং অযুক পুরকপ্রী লুপা লীশিং ১০। সনাহুন শেংদব অতে অয়োম্ব ওইরম্মগ সনা ওইন পুরকান থান নমপু থীব।

বেঙ : এ মহু ঐ হৈনজদে রাদি রাবিরে, ঙাইহাকতং লেংলগ সনাহু লৌবরুব তারে, ঐ য়োঞ্জরম্বোই, বন্ধকস্নু থম-জররোই। খঙতল তল্লে।

ইঙ্গিং : মুংশা থিবিমু, হয়েং অযুক শেল নংত্রগ সনা ওইন কংবিনি। হুজিক পরপ পরপ তাবশিন্নুরবদি সনাহু অশেংব নত্তে অয়োম্বনী নত্রগ অরুপ্পনি হায়হুন

থ'নাদ পোথ খো হায়রকপ য়াই। থা-াদ কাঙ চিক-পবুদি ঐখোয় পোথাশঙসিদ য়েনফৈ চীকপন হাওব হেন্নী।

বেঙ : ঐবু খঙদ্রে করয়ো ! লুহোংবৈ বন্যা হন্দোকপ্রা হায়ববু ইশা হন্দোকপদ লীক মাংত্রা কগ্নিনো।

ইঙ্গিং : করিমত্ত মাংলোই, লীকভু থানাদ লৈ, হুরানব চংব ওয় মকম নত্তে, হরাও হরাও ঙসি অহিংসি পোথাখো। মধুক মাংব মীদনি মখেদ অৱাব নংব।

বেঙ : কদায় লৈদগে ঐবো ? (কপ্লি কপলি)

ইঙ্গিং : অপাম্ব কা থল্লো ঐগী ইতুং ইল্লকউ। তো সোমদদি চংউন্নু, অশোন অনা লৈ। লম হেল্লবদি খুদো:থীবা নংগল্লি, অরুপ্প সনাদি মচু খা:দে। (চিংনন য়েংলগ বেঙ চংখি মতুংইন) হুভিক কাল'সদি মী ফংনদবন থেংলে, নমথাক লৌনমদ হিংগে হায়ব মী মশিংসি য়াম্বন করিনো !

বেঙ : ঐখোয়গুম্বা অপঙবদি মপাম্দ থোক্লন্নু হায়রব মতম্নিনে।

ইঙ্গিং, পঙলপ মপাম্দ, মন্নুংদদি শিংব, মী জাংসু য়াম্ন থোক্লে। করিসু ইকায়রুক্লু। পংশম্নো, অহুগা ভাঙ্গা হেক ফংবগ হৌদোঙন ভারুংবাক হাবগুম, নবুক থল্লগ চেনখো।

বেঙ :. ইকায়ব রানিদ —।

ইঙ্গিং : মাই পাক্কে হায়রবদি, ইকায়ব হায়বদো হেৎদোংনে তৌবগুম, হজিক্ত ঙা লাকপগী কুখিবদো ভারাংনীদ খন ঙাকুবাক মনাক্ত হেক্ত চংবে, নত্তে, ঙাকুবাকপু কনানা কুমিংচুপ্প নম্বো পোরক্র নৈলনবগে? (চংমিয়খি)

কেচ : অহোয়। (ঈকাইদে) শীঙ্কুদি ঙাকুবাক নত্তে।

ইঙ্গিং : খানানা মনঙ্গলদা পোরি মাংলোইনহে।

(চংগ্রগ লাইট মমথরে, অকিব অথংব ম্যুজিক তায়। লাইটস অশীরৈবাক ফিহোনবন (দূত) ঙাকুংব অশোন-বহু চিংথোরকপ উহনি। খুরুখুদক কুন শনশারিব ঙাকুংবগী মশম পায় চিংথোরকই)।

দূত : নভাং কায়রোই লাকপ, হিংসু হিংদন তৌশিন্নরসু, চংসি লাকও।

লাকপ : কদায়দ চংঙ্কৌরিব তল্লিদা।

দূত : হিংরবদি অশীরৈবাক চংপ তাবনে। তনব য়াবাও?

লাকপ : ঐদি মতম খর ছুটি লৌজরবনে। লমন খুরখিগে হায়দুন। থরায় চাক্রিবসি শেংদোক্তবদি হয়েং লাইরৈবাক্ত ঐবু চয়রোই, ইথৌ নীংখিন তৌদে হায়দুন চৈনবি।

দূত : নঙগী ছুটিহু য়াদে, নত্তাংনী থাজদে।

লাকপ : দোক্তরগী সাটিফিকেট পুথোকচোরাও?

দূত : সাটিফিকেট অশাব য়ায় হোংলে হায়-থাজদে।

লা : সাটিফিকেটতু অশেংবনী ভাকুব সাক্ষী পাম্বিবরাও ?
দূত : নেক্কদৌম্বিব শাক্ষীবু কয়ম থাজদগে ?
লাক : চৎদবস্মু চংলসি কবে, ডাইহাক্ত লেংশিনখো।
দূত : কমদ্রবম্মু য়াই, করিনো হায়রো।

(কম্রৈ মোরাদ চৌকিদ)

লা : (শাওন) : নত্তে, ঐবু স্মুক ডম্ন চহি ৫১ দা অশীরৈবাক্ত হম্লকও হায়রিবশিবু করিগীনো ? ঐবু করি ইরাল লৈরবগে ডম্ন শীনব ? পোকপদৈ মুংডাইব কংলক্তি, লাইবক থীবন মথং মথং মথুৎ শম্ন ইপুন্সিদ থাবল চোংবিরিবসি নোংথক্ত উবিদ্রাও ? অম্মুক রাহনবিদৌ ওইরবদি কৈদৌন পোকহনবিরিবনো মীচং মীথায় নাইব তমথীরব ভাইবংসিদ ? কনাদনো ভাক্তৌ মকমদ ভাকপিক্করো ঐ চৎখিরোই, ইথৌ পাংত্রি। ঐডোন্দ লাল্লকপশিংহু লম্মন খুমথিনী, মকোক মচেৎ মচেৎ শেগায়খিনী। হীংব পেন্দ্রি, মীন থীন থীন লাকচবিশ্রে, লম্মন খুম্মকথিগে।

দূত : (হন্দোকই খর) লম্মন খুম্নিংলগ তুমহৃন তন্দুন লৈথোকপ চুম্বরাও ? নডবু মিরাও ? মিরাং থাক্লগ ডাড হম্নিং কুরাক চডলকপ ডাইরিব্রাও কত্তন ? থাড কেংও, নফি শেম্মো, কোয়ন চৎ থীক্তরো য়েক্লবশিংদো। তন্দুনা স্মুম লৈথোকদি হিংব নত্তে, অশীরৈবাক চৎশি লাকও।

লাক : চৎখিরোই ঐ তনব নত্তে, চৎখিরোইয়ে খুদোংচাবা, অফ-মুংঙাই য়েস্থোকপদ মী খরদত থুং লাইবক থীব কাল্লগ খাবৈ থৈখিবসিগী লম্মন খুমখিনিয়ে। ঐ শিখিরোই, শিখিরোইয়ে। (কপ্প লাওবদ রাম্ভহনভুখি, দূতন কিভুনা হন্দোকখি) (মচানুপা শারুংব অমাদ ইঙ্গিংবী চেম্থোররুগ লাইকম্নরৈ। তপ্প জ্ঞান তারকই)

শারুং : বাজি, বাজি !

ইঙ্গিং : জ্ঞান খরাদ তাবনী মীভুল হম্ভরে পাখংকনু

শারুং : বাজি, বাজিবু জ্ঞান খর তারব্রাও ?

লাকপ : ঐ শিখিরোই, চৎখিরোই হায়রেদন। কনা কনানো ?
(হৌগৎলগ চংকে তৌই, ফানৈ)

ইঙ্গিং : নচানিপ গ ঐগনে।

লাক : ঐন নৈরিসিবু তাইবঙলা অশীরবাক্লাও ?

ইঙ্গিং : তাইবংদনে, পুন্সি পোত্থাশঙদনে।

লাকপ : অমসিদি কনানো ? (কোইয়েং কি-ন)

শারুংব : ঐন বাজি, শারুংব নচানে।

লাকপ : ঐবু অশীরবাক চংাস হায়ভুন হৌবম্ব নিপা অম ফম্মিব্রা য়েংউ।

শারুং : কনাম্ব ফমদে। মঙ ভইরীনি বাজি, করিনো ?

ইঙ্গিং : কনা লাক্লম্বগে ? নহাক্সরাইদ মঙদ অমুক উখিব বৈতরনী ভুরেলগী খেওরা লানবগীভুরাও ?

লাকপ : মানা মহামক্লী, করিনো হন্দক্তি লাকন চৎলসি

হায়হুন হেক্ত চিংবজাংনিনে। ঐন পুন্সিগী হিসাব আয়-য'য় মখোয়গী বেলান্স সিট হায়বহু শাব অমুক্তদি লোয়খিগে, অরা অনং ডাক ডায়রে, নীংব অমত্ত থুংদ্রে, য়েক্লবশিংদ লমন অমুক্ত খুল্লকখিগে হায়ব য়াদ্রিবনে।

শারুং : অহুদি কমদোরগ চংখ বাজি।

লাকপ : নঙন তাকতো মফমদ তাকচো, ঐ চংলোই শীখিরোই। হিসাব ক্লোজ তৌখিনী, য়েক্লব খরদ লম্মন খুম্মগ খিত্তদি মুংডাই খিগে হায়হুন লাওবদৈ চেনথ্রিবনে।

ই'ঙ্গং : রারনী, পোত্থানব হৌসি।

(মগা মচান পুশিল্ল)

লাকপ : নুপামচা! নামিং ননা শিংউকো, মহাক অমুক লাকখিব য়াই।

শারুং : ঐন শঙনী। অহিং তূম্মোই! চিংনব মীশক খরস্থু থুংলরে। লম্মন খুম্ব ঙম্ব য়রে।

লাকপ : চেকশিল্লু হন্দক্তি শোয়হনব য়াদে। মতম লৈত্রে ঐগী তারিক লাক্লে, খঙঙু।

শারুং : শোয়রোই বাজি, করিমত্ত কিবিনু মচান শোয়দনব লাক্লরি। পোত্থাহুন লৈদিয়ু।

(মমা মচান পুশিনখি)

থাংমৈ মমথরে, অথেংব অহিং, হুইখোংব, হুরানবন পোং থিবগুম মার মারহুন হিন্দ, অমদি বেত্ত থোরকই, মতুংদ লেপহোব নেমলেসন মতো য়েংই।

অনীহুন কৌবদ তম্ম লাকই নেমলেস। অহুমহ্ লোম্ন ব্রা তাৈম্ন। ফুঙ্গা যুংহুম শারগ নক্রগ চৌকি মোডাদ কম্মগ।

হিন্দ: করিগীনো মিংনাইদবি নঙন নীংহম্ন বিববো? হুমগ্রব চৌবরগী মমেয়েক্ত মুংথংপ বাব্রাও?

মিংনাইদবি: ঐ মুংদাংগী থবকসি ম্নাওজনীংব্রে, অয়ুক মুংথিলদ মুংশা তগ্ন হোন্দুন হিংজনীংলে।

বেঙ: ই: করি ব্রানো অহুদি? শৃক শাংন লাকম্নিম্নবগ?

হিন্দ: ভুয়েল ঈয়াই ঈশিং ইচেল কল্লব মতাংদ সগোল ওম্নবগী ব্রানীদন।

বেঙ: নঙগীশু কংলোই, ঐখোয়গীশু কংলোই।

মিংনা: মুংদাংগী থবক্ত ইথবাই তাব্রে, কত্রবশু কত্তন অয়ুক মুংথিন্দ থোকচরগে ঐ। শাওনঙমসি। (ইমুংদ চেনশিনখি)

হিন্দ: হৈ, মসি হাম্ন হাংলমসিবা?

বেঙ: চাইখো, মহাক লাম্নরি। (অনাবগী কাদ খিন) মসিদ লৈরমদোব পোংশিংসি হাম্ন লোখোকথিসি।

হিন্দ: মিংনাইদবিন মবুক ওল্লীবসি, শাক্লংব হায়হুন হিদাক থাগ্রবজাংলা? অপঙবৈ ইমুংসিবু মহাক্ত কম্নিংইব করিগীনো? মুপী নখোয়বু থাজমু হায়বচুম্ব কান লাকইহৈ।

বেঙ: পংতক স্নুতক তৌব, চেকশিনব ব্রাংপদৈ নত্তন হৌদোঙ

লমহুইশিংন কৈ মোংশাই মকোই ফোয়রুষ মাত্রাও মমল ফন কায় হায়হুনস্তু। অহাওব চানিংই, শীবদি তপ্লি, ফোংন নুংথিল পোবোগু হুব মুনবগী ইতিক্তি লৈজদবনীন নুংদাংদ কিন কিন খ্যাভায় কায়দন হুজব ঐখোয়বু শাওনরিব করিগীনো ? ঐখোয়বু হুবা লাকপ তে'কউ হায়রবদি অয়ুক নুংখিলদ অরামন নত্তন কংতম থোকপ কংনরিব ওইজ ওইথক ময়ামদো খিংবিয়ো,

হিন্দ : মহ্ন য়াদবনিন ঐখোয়ন গুম মকনদৈ লাকপ তায়ঃ হুব তায়. ঐখোয় চাদব য়াদব থকুব য়াদব কায় তোংদব য়াদব মীন। কোয় হাংলমসি মিংনাইদবি, হায় হুখিসি কায়দোব পোং।

(মখোগু মায়ন তান্দ কিন থাং অশীবৈ কাদ চংমিয়খি অনীহু। মতুংদ লাপন লোয় য়েংলম্ব শারুংব নোংমৈন তমহুন মতুং ইয়খি, থুপ্তুন লৈ। থোইন শাব মাংখুম হংপ্ল রিভোলবর পায়রগ লোয় লাকই, শারুংবন থুপ্তুন লৈনব মকম তাকই খুদোনবীন থীন্দুন। হুরানব অনীহু নহানপী উপুহ থাংমিয়রগ পুখোরকই, গুৈজ ময়াইদ কাক্কুন য়েংমিয়ৈ।

বেঙ : য়ায় লুমইহৈ (লোয়) সনায়া মিশিরা শোয়ব্রে,

হিন্দ : মিশিবুদি কৈদৌনব চেংন থমদৌরিব ? হাংদোকউ য়েংসি। (মী অতৈ হয় য়েংই, বেঙন হাংই, শো

বেঙ : সনা লুপা মিশি অমত্ত নত্তেনহৈ।

হিন্দ: হা করিনো অহুদি? লৈভোইরাও?

(পাযতুন মনম নম যেংনৈ ভক্ল)

বেঙ: করি লৈঙেয় মমল য়াম্ব ওইরিদগে? থদৈ পেক্লকপ ওইবিদ্রা? নত্রগ এটোম বেম শানব থাতুগী মকুপ য়াওব ওইরিদ্রাও? স্নুক লুন থাম্মব করিগী ওইরিদগে?

হিন্দ: শিজিন্নফম খঙদব পোংতু থনম্মো। অতৈ থীকথিসি লৈরম্মী।

বেঙ: লৈহৌদ্রে মমল য়ামদৌব পোংক্তি। অনাবত্নুদ হংসিবা? নংত্রগ হংতোক্লগ হাসপাটালদ য়োনবদ মমল য়ামগদ্র?

হিন্দ: থেমত্নুন পুথোক্লকউ, য়ৈত্নুন হংসি য়োংনবন কাম্নরোই। (বেঙন মাঙ থা চংমিম্নরগ ভাক্লংব অশোনববু পুথোরকই। শাক্লংব অমদি বেঙ, ইঙ্গিৎ তৌনৈ, লুমভম ওম্নে। নাহেত্নুন থোরকই কাফে কাকৈ থাঙ ভাক্লংব।)

বেঙ: অয়োংপ মনীমুক্তা সনা লুপা মখৈ পুথোরকউ অহলু অশোনব, নংত্রবদি নথরায় মাংজনি।

ভাক্লংব: সনা-লুপা, মনি-মুক্তা অয়োংপ অমত্ত লৈজদ্রে। চহি ১০ য়োমগী মমাংদ মশক থঙদব অতিথি থরন হত্নুন পুবিদ্রে লৈজরম্বথিবিক! ঐদি হুজিক শিব ভাইত্নুন লৈজরবনী কদায়দগী লৈজরুদগে।

হিন্দ: মচিন থীম্নু ভানিংদে। শেল পুথোক্লবদি য়ৈব তাই।

ঙারুংব : ইবুংঙোখোয়বু অশেংব ঙাংব মী-ঙাক্ত্রাও ? সিদৈ উপুসিদ চহি ১০গী মমাংদ করি য়াওরম্বগে ?

বেঙ : তানীংদে তুমিন লৈয়ু, নঙন ঐখোয়দ হংদোব নত্তে। য়ৈরগেদো শিগে শিজরসন্নু অসোনবা:স।

হিন্দ : শেল পুথোরক্ত্রবদি য়ৈব তাবনী। হৈ, অশোনব ! শেল কদায়দ লোৎলি ত কউ নংত্রবদি য়ৈব তায় নঃ।

(অনীমু (শারুং + বোই) নোংমৈ চিংলগ থোরকই )

শারুং : (লাওরকই ঙাইখো ! নথরাই মাংনীংত্রবদি চেনগন্নু।

(অনীমু চেনবদ কান্নরোই উচুন মখুং থাঙ্গংলৈ)

ঙারুং : অনীসি মখোং মখুং পুল্লু, নখোয়ন য়ৈত্রবনীন ঐন য়ৈব তারে।

(বোইন থোরি মতংন মখোং পুল্লি, অনীমু কমথৈ)

শারুং : য়ৈরুহুন করি কান্নরিবগে, তুরেল মপান্দ পুরগ কাপ কাপ হাংতোক ঈশিং থাদখিবন ফংত্রা ?

ঙারুংব : ঙাইখো মরা হংখিগে।অচুম্ব ঙাক্ত খুমলবদি মথরায় হাংপিন্নুসি। হৈ হুরানব অনী! চহি ১০ রোম মমাংদ সিদ তারিব উপুসিদ য়াওরম্ব সনা খঙদে, মনিমুক্তা খঙদে ঈশিংদৈ লোখংলগ হুখিব, উপুসিবুন ছন্দোক্লম্বহু নখোয়নী য়াওত্রা ?

হিন্দ : ঐখোয় য়াওজদে।

বেঙ : ঐখোয় য়াওজদে ।

শারুং : নচিন থীনু নখোয় য়াম মাল্লি হুরানবশিংহু।

হিন্দ : মামন ভইরম্ব য়াই, নত্তি নচ্চদে। (ফুগে ভৌবদ)

ভাকুং : ভাইখো ইখুং পেম্নব ঐ ফুগে। ব্রাহং অমত্তগ হংখিগে। নখোয়ন করিগীনো অশোন অনাব লৈব ইমুংদ তুবানব চংলিসিবো ?

বেঙ : ভাইবঙপানগী হৌনবনী, অকন অথৌগী ইমুংদ চংবদি কিব। ঙমদৌব য়েংহন হোৎনব।

ভাকুং : বেশ, মহ চুম্মি। থব কনবন থর শোনব'দ মুনবন ল্যাব হেল্লি। ভাইখো, নখোয়নী কয়া য়াম্ন নংব মীতানো ? থর ফুবগ তে কউরা ? শীনব য়ৈয়ুরা ?

হিন্দ : য়ুম মুংভাইবদ লৈব ফংজব্রি, য়েনশাং অহ'ওব চরা অমফাও চাজদ্রি অপাম্ব ফিজোল অমফাওব ইরং ন লৈয়গ শেৎচদ্রি, মীভোন্দগী মুল্লগ শেংপ থোকবলম্ব,

ভাকুং : ওহ, মুংশিহৈ হুরানব। কাবক কাবক য়ৈয়ুরা শিনব য়ৈয়ুরা হুরানবা ?

হিন্দ : হিংউহন কৈ:দৌগবনো হাৎতোকপিয়ু।

ভাকুং : নঙদি করি খুম্মি অথৌবা? অশেংব খুম্মো থাদোকউ হায়রবদি।

বেঙ : অঙম্ব অথৌব কাঙবুন পাংদবঅভোনব উকন লৈকদব-শিংবু ওৎ-নৈহন পাম্নি হায়হন ঐস্ম মতম কুইন মীখা পোন মীনাইগুম হিংবদে মীকপ থোরক হুব লাকপ মুনবন নীংখা ঙম্ব হেল্লি মুংভাই হায়হন ঐস্ম চংথজরিবনি। শোয়রবনীন শোইদৎপীরো, হিংববুদি মহন হেল্ল মুংভাইরম্ব য়াই থজরে।

ডাকং : ফরে, মখোয়নীসি বৈতরনী তোর্বান্দ কাপ্লগ হাৎ-
তোকউরো। মৈ খাদোক্লো, উৎতু খুবাম অমমমদং
পুরকউ।

শারুংব : হৌগৎলু চৎলু, তোর্বান্দ চৎসি, মৈ ডহাক তিক্লগ
ইরোইহুনশামরুসি। (অনীহ্ হৌগৎলগ চৎকে তৌই)

ডাকং : ডাইখো ঐ ফুংহৌদ্রে। (মখুৎন পাম্বোমদ শেং শেং
থাবদ নাহুন মখুৎ হাইরগ থাংই।)
খুৎ নাই-হে, খোডন কাওগে। (কাওবদ মথন্ত
তুই।) অয়ো-ইমা!
(হৌন সাওবদ ইঙ্গিংবি থোরকই)

শারুং : নঙ পুম্রো, কাপলগ হাৎ, মৈ থারগ উং থর থর
লৌরকউ। (মপা লাইকরে)

ইঙ্গিং : কৈনো কৈদোরে? (ডামেমন্নু ইররকই)

শারুং : হুরানব অনীহ্ ফারে, মখোয়নীদ কাওগে তৌবদ
তুরিব রাষ্ট্রিব।

ইঙ্গিং : কয়াম থীন শোক্লবজাৎনো? অহুক শোক্লগ কনঠী
উৎলুব করি কাম্নবগে? থর ফরক্রাও?

ডাকং : কৈত্ত তৌদে, থর চিংখৎলু হৌগৎকে। মখোয়হুবু
থাম্নৈ হুরানবশিংহু নক্লনহৈ? (মমা মচান চিংখৎলি)

শারুং : মানীদ।

ইঙ্গিং : য়াম্ন মাল্লি, ওইব ভায়। মখোয়হুব্ কায়প হাৎহনপ্রবাও?

শারুং : উম হাৎলু হায়প্রে।

ঙামে : ই : !

ইঙ্গিং : ওহ, ওস্থোকইদা !

ঙাকুং : মশা মশান শিজরগে, হিংববুদি শিবন মুংঙাইরনী হায়রে। ঙাইখো, নুপিমচা অম য়াওবহুদি ?

শাকুং : মাদি নৈ ম াকু তাকপদে খঙবনী। ঐ কৌথোকউগে।

ইঙ্গিং : মখোয়হু কাদকবি অকায়ব থবক্ত তৌরম্বগে ? অম-খক্তি সনা অকুপ্প লীশিং ১০ গী বন্ধক থংগে হায়হুন লাকুম্মী।

ঙাকুং : ঐঙোন্দ শেল অবোংপ পুথোরকউ নত্রবদি য়ৈরনী হায়হুন ধমকা তৌরম্মী।

ঙামে : অহুদৈ কমদোব ? য়ৈমরত্রাও ?

ঙাকুং : খুদক অহুদ নঙ তাদখোয়ন নোংমৈ উংপদৈ ফারগ হাংলুনব পুত্রে ।

ইঙ্গিং : তো লাক্লে অঙ্গেজি লোনবিদো।

শাকুং : নমস্তে তৌ। মহাক্ক তাক লোইন খঙলে। মমাংদৈদ কুব লাকুম্বহুস্থ মখোয়নী হায়ব য়ারে। মান এপ্রুভর ওইরবনীন মাবুদি কনবিব তারে।

মিংনাই : নমস্তে, অচুম্বনী। ঙাকু অমীহুন ঐবু ফারগ মখোয়নীগী মতেং পাংহনব নমথাক লোনমদ য়াওহল্লম্বনী। ঐ হক্তিক্তি য়াওজমীংত্রে, ফোংন লেম্ব হিংজনিংলে।

ঙাকুং : নঙবু হুজিক্কু কদায়দ নৈব তারে ?

মিংনাই : তামোন ঐবু পোখাশঙসিদ কয়া য়াদবথবক অম পীবিরবনি হায়ন

শারুং : উম হায়, হিসাব ঙহনব তারে। মশা কন নাম্লি।

ঙারুং : ইঙ্গিংবি নঙ য়ারত্রাও ?

ইঙ্গিং : ঐঙোন্দবু খুরুমজ্রিনে ?

শারুং : খুরুম্মো অহল লম্মন — কয়া য়াপোংবো।

মিংনা : ইরাল পুম্নমক ঙাকপিয়ু।

(অহল অনীমক খুরুম্মী, ঙারুংবদ হায়)

ঙারুং : পুন্সি তোলোয়ন পাজৌ।

ইঙ্গিং : মরম ওকপি, লাইনীংচেৎপী ওইয়ু।

ঙামে : ঙাইখো ইনম্মা, য়া অমত্ত হংগে। থাইন নখোয়ন ঈশিংদৈ লোৎখংলগ উপুসিদৈ করি করি কংখি ?

মিংনাই : নুঙ মচা অরংব থর য়াওরম্মী। মহু য়োনব নংজ্রিদৈ ডাকু কাংবু অমন মুন্দুন পুগ্রে, করিমত্ত কায়হৌদে।

ঙারুং : করে, হৌখিবন হৌগ্রে। ঐ হকচাং ঙমগ্রে কুইন হিংনী হায়ব থাজগ্রে, ঐগী শ্রাদ্ধ কর্ম দি বেন্দ পাটি বু শকহল্লু, ইংলিস রেকর্দ ১/২দং থোংহল্লু। নত্তে, থরায়ন পামজবহু তৌবিরকউ হায়ব। অহুপ শোয়ব য়াদবদিঃ ঐগী পুন্সিগী খুদোন ওইন তাইবঙ মী অতৈদ তম্নমগদব—

শারুং : করিনিনা ? (ময়াম্মক মুম্ন তানৈ নকশিন্ন)

ভারুং : মুন্ন ভাও, শোয়ব য়াদে।

ইাঙ্গং : তাজরি শোয়দন তোজনী।

ভারুং : নিপা অনীন্থ মৈ থাগ্রবা ? মখোয় উৎতি ?

শারুং : (চেল্লকপ বোই লাকপ উহুন)। পোৱরুথৱা ?

বোই : পুজরক্লে। (চেদ য়োম্নকপ উং—পী)


শারুং সিদ লৈরে।

ভারুং : লৈঙোয় উপুদ কাপলগ তোৎশিল্লু। (ভৌই) শো অকনব অম লোনশিল্লু উপুহু। অহুগ উপু মথক্ত কোক্লোইদব মরেক্ত ঐগী ইমিং ইবু: "থাংংখাং লাকপৈ খুদোন" হায়হুন। (রান ভাংই) উপুহু ঐগী শ্রাদ্ধ নুমিৎত থমংখোংদ বেন্দ পাটি অম খোংলগ নমা নচা নখোয়ন থাদো ঝম লাওন। ঐগী নীংব থুংলে ভমজ্রে মাইব অম কৌক্ত। (লেকথখি)

ময়াম : বাজি! মাম! ওহ ইবুংঙো.........

শারুং : ও বাজি! পুন্সি হায়ববু অসিরাও ?

(মুক্না চিংশিনয)



অনৌব কোংলব লাইরিকশিং :—

১। চমুন কায়রবনি—
২। দুক অহৎপি 'মত
৩। থাজবন লাটৈ
৪। চাংহৌ যাল

তোংত্রাপি কোংলব লাইরিক পুম অইব মণাবতে অমদি মখাগী মফমশিংসিদে ফংবিগনী।

১। মণীপুর সাহিত্য পরিষদ ইম্ফাল
২। কংলা বুক হাউস
৩। অতৈ অমসুং লাইরিক য়োনবা দুকানশিংদা